# মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক

(The Cultural Dictionary of the Meetei Words)

অনিসুবা সরুক



*তাইপঙ থৌরাইনা ইহান হান্না*
*তাইপঙদা কুমথরকপগী সকতম!*

ইপা ইপুসিংগী লোলবু নিংথিনা খঙলকত্রবা কংলৈচা
মীতৈসিংগী মফমদা

---

*ৱাংখেমচা চীংতমলেন*
সগোলবন্দ থাংজম লৈরক, ইম্ফাল কংলৈপাক।

# মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক

(The cultural Dictionary of the Meetei Word s)

অনিশুবা শরুক




*ইরুবা*

**ৱাংখেমচা চীংতমলেন**

**M.A. LLB.**

সগোলবন্দ থাংজম লৈরক

কংলৈপাক

লাইরিক অসি পুক্লিং অনি লোংদনা পুক্লিং চংনা পাবীয়ু; অনৌবা ৱাখল শোয়দনা পোল্লগনি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱাফমদা, পুয়া মৈ থাদ্রিঙৈগী, হিন্দু ধর্ম্ম লৌদ্রিবা কংলৈ মীতৈ ইপা ইপুশিংগী ৱাংলবা Science কী ৱাফম কয়া য়াওরবনি।

অদোম মীতৈ অমা ওইনা শোয়দনা চাওথোকপা পোক্কনি!

**লাইরিক ফোংজবা:**

The Kangleipak Historical and Cultural Research Center
Sagolband Thangjam Leirak, Imphal
Kangleipak
Tele: 8974577213
E-mail : Chingtamlen@gmail.com
Website: www paochelkangleipak.net

অহানবা ফোংবা : ২০১৩

চেখুম মওং : অইবনা ৱাখল পুথোকপা অমসুং য়েকপা।

©: The author and his family

মমল : লুপা ১২৫/-

কোপী মশিং : ৭০০

নম্বা: ৱির্জাদ ওফসেট প্রিন্টিং, সগোলবন্দ থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল



# সনামহী লাইনিংথৌ করিনো

সনামহী লাইনিংথৌ হায়বা ৱাহৈ অনি অসিগী হৌফম অমদি ৱাহন্থোক থিবা তারবদি, তাইপঙ মালেমদা লৈরিবা অচৎ চৎত পুম্নমক অসিবু ওইহনবা, শেম্বা ঙম্বা লাই পুম্নমক্কী নিংথৌ ওইবা হায়বনি।

কামপী মৈ, লাইচা ঈশিং, মালংপা নুংশিৎ অসিনচিংবা পুম্নমক অসিনা লৈতলিঙৈ, পুম্নমক তলঙ মালঙ (হায়বদি করিগুম্বা খরদি লৈ হায়বদি খংবা, পোৎশক ওইনা উৎপদি য়াদবা মওং অদুবু) কৌই। ঐখোয় কংলৈচা নোংপোক্কী ৱাঙউলোন্দি তলঙ মালঙ নি, 'ফুন' দগী হৌই, zero দগী হৌদে। নোংচুপকা পুমখেন খেন্নে। অসিগুম্বা তিংপালপগী ইহৌ হৌবগী মওং (Begining of the Universe) অসিবু কংলৈ ৱাঙউলোন্না 'তলঙ ঈপুঙ' কৌই, মসিগী মপু, তিংপালপগী অহৌবা মপু অমতা ঙাইবা মপু মহাকপু 'ঈপুঙ লোইনপা অপকপা' কৌই। মহাকসি শকসু লৈতে, অরেপ্পা ওইনা কনানসু খংবা, হায়বা য়াদে। মহাকসি অহাংবা zero নত্তে, মহাক তলঙ ঈপুঙ অদুনি, তলঙ ঈপুঙগী মপুনি।

তলঙ ঈপুঙগী মপু, ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাক্না লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপা (নোংথৌ, অতিঙআ, ঈপা সোরারেল), মালেম, লাইপুঙথৌ ৭, নুমিৎ থা, থৌৱাইচাক্লচিংবা পুম্নমক শেমই। মহাক্না 'নোং' হায়বদি নোংথৌ সালাইলেল সিতপা, সোরারেল (space etc) অসিবু শেমই, পোকই হায়বদগী মহাকপু 'নোংপোক', 'নোংপোক নিংথৌ' হায়রগসু খংনৈ।

ঈপুঙলোইনপা অপকপা অসি ৱাখলগী ওইবা (spiritual ওইবা), পোৎশক (physical) ওইদবা পোৎনি। Full spiritual as opposed to physical ওইবা পোৎনি।

তলঙ মালঙ ওইবা (Full spiritual ওইবা) ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাক্না Half spiritual ওইবা সালাইলেল সিতপা অতিঙআ, সোরারেল,

(space), নুমিৎ, থা, থৌৰাইমিচাক, মালেম অসিনচিংবা অসি শেমলে।

খুৎশেম অনিশুবা সালাইলেল সিতপা, অতিঙআ .... নুমিৎ, থা, মালেম অসিনচিংবা শেম্লকপা অসি Half physical ওইবা, মপুঙ ফানা মালেম তাইপঙপাল শেম্বা (Full Earthly things) গী খোংচৎতা তংখাই চংশিল্লক্লবনি।

মতাং অসিদা, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদগী ৱাহৈ পরেং খরা লৌথোক্তুনা উৎচগে পাবীয়ু:

“থৌৰাই লৈলিপা পুমনামকনা মপুকী লিখুন থিনানপা অমতি মপু অমা লৈ হাইপা খঙনপকীতমক। ই.পুঙঙো মহাককী থৌসিননা লাইয়াম সিংপু পুথোকতুনা। লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপকী মফমতা তলঙ লাইপাউ পীতুনা। নুমিৎ হুমনি সুপাকী অঙাংকী মতমকুমনা সানাকী মসক মালপা নৌৰা ꯱ (অমা) ওইনা লৈলমকে। ঐ অসিপু নাহাককী নচামকনি নিঙতুনা ঐপু য়োকলে।। হয়েং চক অমাতা তাইপঙ পালপা মনুঙ ওইননপতা। লাইয়ামশিঙকী ই.য়েক খোনথোক মতুঙ ইননা মাঙতানপা উলি ৱালি। মীনাচিংনা অসি থৈপিকপু সালকপা মতমতা ঐনা নঙকী নতেং পাংকনি হাইনা তলঙ লাইপাউ পীখিয়ে।।”

“ অসুম ওইপা লাইপাউকী মতুঙ ইননা সিতাপাকী ই.সাইফু ই.লোন নুংতা নুমিৎ হুমনি সুপাকী নৌৰাকী মৰোং ওইনা সানাকী মচু মালপা নৌৰা অমা লৈলমলে।।”

মতাং অসিদা, “সানাকী মসক মালপা নৌৰা ꯱ (অমা) ওইনা লৈলমকে।” হায়না তিংপালপা মপু, ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাক্না নৌৰা ꯱ (অমা) ওইনা লৈরমগে হায়না তলঙ লাইপাউ পীরকপদা উৎলিবা সকতম (symbol) ꯱ অসি মুন্না মশক খংবিয়ু। সকতম (symbol) ꯱ অসি, কোইলৌ নোংমতোনকী মথকতা লৈবা, তাইপঙপালপকী ইপা (মপা) মহাক্কী তাইপঙদা অহানবা উৎলকপা সকতম (symbol) নি।

ইকোন কোনবগী পুয়াদগী লৌথোকপা (quotation) মচেৎ অদুদা হায়রিবনা ‘ইপা’ মাগী লাইপউগী মতুং ইয়া সালাইলেল সিতপগী ই.শাইফু ই.রোলনুংতা(মশাদা) সকতম (symbol) ꯱ ওইনা উৎলকলে। ꯱ মসি কংলৈচা মীতৈগী শীংথা চৈশিং অমনি। অমতা ঙাইবা মপু মাগীমশকনি।



## মীতৈগী য়ুমচাউতা সনামহী লাইনিংথৌনা লৈবা

কংলৈচা মীতৈ ঐখোয়গী থাইনগী ‘মীতৈ য়ুমচাউ’ হায়না খংনবা লৈনবা য়ুমজাউ অসি অহিংবা লাইসংনি। অহিংবা লাইসং ‘য়ুমচাউ’ অসিগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা লাই অহুমগী খুফম (লৈফম) লৈ।

অহানবা লাইফমনা, য়ুমচাউগী য়েৎ থংবা নাকন্দা অহানবা য়ুম অদু উরেপ (যত্রা) মখোংদা লৈ, মসিদা লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপা (ইপা সোরারেল)গী খুফম (লৈফম) নি। মফম অসিদা ঈসাইফু খিনগনি।

অনিশুবা লাইফমনা, লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপগী মপা চপ চানা য়ুমচাউগী ওই থংবা নাকন্দা ইমা লৈমলেল সিতপীগী খুফম (লৈফম) লৈ। মফম অসিদা লৈমালেল সিতপী ইমাগী ফিকে ফনেক, ইনফী থমদুনা খুরুমগনি। অহুমশুবা লাইফমনা, য়ুমচাউগী য়েৎথংবা মোইলাং লাইচিগী কাচিন্দা, হৌজিক ঐখোয়না সনামহী কাচিন হায়না খংনরিবা মফম অদুদা লাইনিংথৌ সনামহীগী খুফম (লৈফম) লৈ। সনামহী কাচিন্দা ফমপান অমা লাংলগা, মফম অদুদা লাইনিংথৌ সনামহীগী সকতম (symbol) ꯱ অসি খুরমগনি।

অদুগা মসিগা লোইননা, সানামহী লাইনিংথৌগী ইমুংগী কাচিনগী মপানগী সরুক, মোইলাং লাইচিগী মপানগী চিথেক অদুবু ‘সম্থোং’ ‘সনাথোং’ হায়রগা খংনৈ। সনথোং, নত্রগা ‘সনাথোং’ গী ৱাহম্থোকতি মী সনথোকপা হায়বনি।

কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাংউলোন্দা, মীতৈগী য়ুমচাউ অসি নুমিৎ থা, থৌৰাইমিচাক, মালেম অসিনচিংবা অচৎ চৎত পুন্নমক য়াওরিবা নোংথৌ, অতীংআ, সালাইলেল সিতপা, ইপা সোরারেল, (space) অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শাবনি।

ঐখোয়না হৌজিক শিজিন্নরিবা ৱাহৈ ‘ইমুং’ হায়রিবা ৱাহৈ অসিগী ৱাহম্থোকতি ‘ঈ মনুং’ হায়বনি। তাইপঙ শেম্নবা ঈ (blood) অদুবু য়াওই হায়বনি।

**ঈপুঙলোইনপা অপকপগী শকতম (symbol) ঌ (অমা) অসি করিনো?**

তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাক্লা তাইপঙপালপা শেম্বা পীরকপদা মপু মহাক্কী মশক অসি 'ঌ (অমা)' ওইনা উৎলকপনি অমসুং নুপাগী শকতম লৌরিবা 'লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপদা' মহাক হায়বদি মহাক্কী মহুৎশিনবা শকতম 'ঌ' অসিবু নচামকনি খন্না 'য়োকলো' হায়না পাউতাক পীরকপনি।

মসিগী মতুংদা, লাইনিংথৌ সলাইলেল সিতপনা মহাক্কী মশাদা য়াওরিবা 'সানাকী মশক মালপা নৌৱা ঌ (অমা)' অদুবু সনামহী মিংথোল পীদুনা ইমা লৈমালেল সিতপীদা পীশিল্লগা, ইমা লৈমালেল সিতপীনা লৌরগা কোনশিনবদা 'পালী অহানপা। কেনসেন তুলৈ সেংপা।" সনামহী লাইনিংথৌ ওইরকপনি।

পুয়াগী ৱাফম পুম্নমক অসিনা, হৌজিক ঐখোয়না য়ুমগী সনামহী কাচিন্দা লাৎলিবা, খুরুমলিবা লাই অসি 'সনামহী লাইনিংথৌনি' হায়বদি তিংপালপা মপু মশক লৈতবা, ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাকনি। শকতম (symbol) না শকতম ঌ অসিনি। ঐখোয়না সনামহী লাইনিংথৌ হায়বা মমিংদা খুরুম্বনি।

**শকতম (symbol) অসি করিনো?**

ঐখোয়না হান্না খংখরে মদুদি তিংপালপাগী মপু, ইপুঙলোইনপা অপকপা মহাকতি 'তলঙ ই.পুঙ' গী মপুনি হায়বসি। 'তলঙ ই.পুঙ' হায়বদি ঈ (blood) ঙাকতনা তলঙ তরং ওইনা লৈবা হায়বনি। মরম অসিনা শকতম ঌ অসিনা তাকলিবদি তিংপালপা মপু ঈপুঙলোই অপকপা অদুনা তাইপঙপালপা মীওইবনা চিংবা উলি ৱালি, শা উচেক পুম্নমক পুথোক্লবা, শেম্নবা তাইপঙকী মপা মহাক্লা শকতম ঌ অসি ওইনা তাইপঙদা থৌৱাইপানবা পুম্নমক শেম্নবা তাইপঙ মালেমদা অহানবা ওইনা খোংদারকপনি।

**সনা মহী লাইনিংথৌগী শকতম (symbol) দি ঌ অসিনি। থাইনদগী হৌনা সনামহী কাচিন্দা ইপা ইপুশিংনা লাৎলম্বা শকতমনি।**

Scinece কী মীৎয়েংদগী সনামহী:

উলি ৱালি, পিকপ্রবা থৌৱাইপাম্বদগী মী, শা, পুম্নমক, চাওরবা শামু ফাওবা থৌৱাই পানবা অচৎ-চৎত পুম্নমকী Gene (DNA) অসি অমতনি।



Gene (DNA) অমখকতদগী শেমগৎলকপনি, মীতৈগী থাইনগী science কী মতুং ইন্না। অমতা ওইবা Gene (DNA) অদুদি মীতৈনা নিংশিংবা ঙমদ্রবা মতমদগী লাৎলক্লিবা সনামহী লাইনিংথৌ অদুনি। শকতম (symbol) না ঌ অসিনি।

অতোপ্পা science কী ৱাফম অমনা,

তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপনা, মহাক তাইপঙ পালপা শেম্বা লাক্লগে, নুমিৎ হুমনি শুবা নৌৱা অমা ওইনা লৈলমকে, হায়না তলঙ লাইপাউ পীরমলিবা অসিনা তাকপদি, মালেম তাইপঙদা পাল্লিপা, থৌৱাইপালপা পুম্নমক্কী থৌৱাইশিং অসি নোংমতোন থকতগী লাকপনি, Extra-Terrestrial Origin of life কী মপুঙ ফাবা লৌশিংনি, কংলৈচা মীতৈশিংনা মালেমগী মী পুম্নমকতগী scientific fact অসি হান্না খংই হায়বসিনি।

# ই.সাইফু করিনো

কংলৈপাক কৌবা লৈপাকতা, কংলা লাইফমলেন্না সনা কোনুং ওইদুনা, ঙসিগী মমাং ২০,০০০ (লিশিং কুন) মমাংদগী নিংথৌ পানবা লৈপাক অমগী মপু ওইদুনা 'ই.সাইফু কৌবা শকতম অমা লাৎতুনা, কংলৈচা মীতৈশিংনা থৌনিজবগী থৌরম পাংথোকপা, ঐখোয় পুন্নমক উনরে, খংনরে।

চেকখুমদা উৎচরিবা 'ই.সাইফু' গী শকতম অদু, অইবনা মীয়াম্না তৌনবদগী উজবা অমদি অইবগী ৱাখলদগী য়েকচবনি।

মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা কংলৈচাশিংগী খুন্নাই (civilization) অসিগী মপু ওইরিবা কংলৈচা মীতৈশিংনা, চহী লিশিং কয়াগী মমাংদগী শিজিন্নদুনা লাক্লবা শকতম, ই.সাইফুগী symbol অসি করিনো, মালেমগী করম্বা মফমদা অসিগুম্বা শকতম (symbol) অসি ফংবগে, উবগে, অদুগা শকতম (symbol) অসিনা উৎলিবা ৱাঙউলোন (Philosophy) করিনো, অইবনা কংলৈচা মীয়ামগী মফমদা, মালেমগী মীয়ামদা হংজরিবা ৱাহংশিংনি।

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীননবা হোৎনবিয়ু!

থাইনগী কংলৈ ইপা ইপুশিংনা 'ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা ইলোন পুকোক' হায়না মমিং থোনবিদুনা থম্বিলম্লবা, শেংলবা পুয়া অসিদা করি হায়না ইরি, ঐখোয় পুন্নমক খংমিন্নসি:

"ই.পুঙলোইনপা সিতপা মপুনা থককা-খাকা অসিগী তাইনপা মলকতা সাইওনতুনা। ই.পুঙঙো মহাককী থৌসিননা হা-হু.ক কায়াৎ লেপলিপা। থৌৱাই লৈলিপা পুন্নমকনা মপুকী লিখুন থিনানপা অমতি মপু অমা লৈ হাইপা খঙনাপকীতমক। ই.পুঙঙো মহাককী থৌশিননা লাইয়ামশিংপু পুথোকতুনা। লাইনিংথৌ সালাইলেন সিতপকী মফমতা তলঙ লাইপাউ পীতুনা। নুমিৎ হুমনি সুপাকী অঙাংকী মতম কুমনা সানাকী মাসক মালপা নৌৱা ৪· (অমা) ওইনা লৈলমকে। ঐ অসিপু নহাককী নচামকনি নিঙতুনা ঐপু য়োকলো॥ হায়েং চক



অমতা তাইপঙপালপা মনুঙ ওইননপাতা। লাইয়ামসিঙকী ই.য়েক খোনথোক মতুঙইননা মাঙতানপা উলি ৱালি। মীনাচিংনা অসি খৈপীকপু সালকপা মতমতা ঐনা নঙকী নতেং পাংকনি হাইনা তলঙ লাইপাউ পীখিয়ে॥ লাইপাউকী লিখুন লীকলমপু লাইয়ামসিংনা তাচখি॥০॥"

"অসুম ওইপা লাইপাউকী মতুঙইননা সিতাপাকী ই.সাইফু ই.লোননুংতা নুমিৎ হুমনি সুপাকী নৌৱাকী মৱোং ওইনা সানাকী মচু মালপা নৌৱা অমা লৈলমলে॥"

মথক্কী পুয়াদা ইরমলিবা অসিদা য়াওরিবা "ই.পুঙলোইনপা সিতপা মপু" হায়রিবা মপু অসি "তিংপালপা মপু" সু কৌই, মহাক অসি

"কোইলৌ নোংমতোননা ৱাংপলা
পনথৌ ই.পানা মৱাঙই॥"

হায়বা মপু মাবু শৈথা ইশৈ অদুগী 'নোংমতোন', সালাইলেল সিতপা (সোরারেল) গী মথকতা লৈ, সালাইলেন সিতপদগী হেন্না ৱাংই হায়রিবা মপু তাইপঙ কী মপা মহাক্লা সালাইলেল সিতপাদা পীরকপা তলঙ লাইপাউনি।

তলঙ লাইপাউ অসিনা হায়রিবদি, তাইপঙকী মপা মহাক্লা, তাইপঙ শেম্বা লাক্লগে, মহাক অসি "৪· (অমা)" ওইনা লৈলমকে অসিনি। মরম অসিনা, তিংপালপাকী মপু ওইরিবা, ই.পুঙলোইনপা অপকপা মহাক্লা তাইপঙপালপা শেম্বা লাকপগী মশক, শকতম (symbol) অসি "৪· (অমা)" নি, হায়বদি শীংথালোন চৈশীঙ ই.কেয়ক ৪· (অমা) নি, হায়বসি মুন্না খংই।

মথংদা অমুক পুয়া অসিদা হায়রিবনা, তলঙ লাইপাউগী মতুং ইন্না সালাইলেল সিতপা, ইপা সোরারেলগী "ই.সাইফু ই.লোন নুংতা" নুমিৎ হুমনি সুপাকী সানাকী মচু মালপা নৌৱা ৪· (অমা) লৈলমলে অসিনি।

পুয়াদা "ই.সাফু ই.লোননুংতা" হায়রিবা অদু সালাইলেল সিতপাকী মশাদা হায়বনি। সালাইলেন সিতপাকী মশাদা হকচাংদা য়াওরিবা অসি তিংপালপকী মপু ই.পুঙলোই অপকপগী মশক (symbol) " ৪· (অমা)" হায়রিবা অদুনি।

মরম পুন্নমক অসিনা ঐখোয়না হৌজিক ২১শুবা CE দা, লাইগী থৌরম খুদিংদা লাৎলিবা "ই.ইাইফু", হিন্দুশিংনা "ঘোৎ চফু" হায়বা অসি,

সালাইলেল সিতপা, ইপা সোরালেবু তাইপঙ সন্দোকপগী শকতম লৌরিবা নুপা অমগী শকতম ৱাখলনা থাগৎলগা, তাইপঙকী মপা মহাক্কী থৌজাল, তাইপঙচা ঐখোয়না পামজবগী মতুং ইন্না, নিজবনি, মহাক্কী শকতমদা খুরুমজবনি।

ৱাফম অসি নৈনবা অসি লোইশিন্দ্রিঙৈদা, ই.সাইফুগী শকতম (symbol) অসি মতৌ করম্না ৱাখলনা শাগৎপনো হায়বগী মতাংদা খংবা মথৌ তাই।

মথংদা ই.সাইফুগী মনুংদা য়েকলিবা শকতম (symbol) ৯ (অমা) অদুনা পুন্নমক্কী অমতা ওইপা মপু, অরোইপা মপু, ই.পুঙলোইনপা অপকপা, মহাক্না তাইপঙ শেম্বা লাক্লগে হায়না সালাইলেল সিতপকী মফমদা লাইপাউ পীরক্লবা মতুংদা, সালাইলেন সিতপকী "ই.সাইফু ই.লোননুংতা" লৈলমলে হায়রিবা ই.পুঙলোইনপকী শকতম অদুনি। ই.সাইফু অদুনা ইপা সালাইলেন সিতাপাকী শকতমনি।

মতৌ অসুম্না, থাইনগী কংলৈ ইপা ইপুশিংনা সালাইলেল সিতপা, ইপা সোরারেলবু ৱাঙউলোন্না, ৱা ঙাংনবা য়াবা তাইপঙ শম্থোকপা ইপা অমগুম শকতম শাগৎলগা, ঐনা ঐনা পামজবা মতুং ইন্না থৌনিজবা, খুরমজবা, লাৎচবনি।

ৱাফম অমনা, ই.সাইফুগী মথকতা থকখন (থাকখন) অমা খনবা মথৌ তাব্রা হায়সিনি।

মথৌ তাদে। 'থকখন' হায়বা অসিগী হৌরকফমদি 'ইকাইবা', shame হায়বা ৱাখল অদুদগী হৌরকপনি। থাইনা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা কংলৈচাশিংগী অশিবা হকচাংবু ফুন্নমই। হিন্দুনা ১৮শুবা চহীচাদা নিংথৌ ওইখিবদগী, নমদুনা মৈ থাদোকহল্লি। লৈখিদ্রবগী থৌৱাই মিরেলনা ইপা সালাইলেলগী মসাদা হকথেংনা নুংশিৎতা তিনখি। মৈসু মপু মানা পীরকপা কামপীতা তিনখি। অতীঙআসু মপান নাইদনা লৈরিবা অতীঙআদা তিনখি। ইশিং অমসুং লৈপাক্কী মালেম মশাদা -তিনখি । মালেমগী মশাদা তিনখি। মতৌ অসুম থৌৱাই মঙামক মিগা থানা তরুকমক মানা মানা হৌরকপা মপু মঙোন্দা, মাগী মাগী হৌরকফমদা তিনখি।



'ফুম্বা' হায়বা মহৌশাগী খুৎশেম কায়দনা, চহী লিশিং কয়া চৎথরক্লবা থৌরমবু ১৮ শুবা চহীচাদা, মতম অদুদা, মতম অদুগী ইপা ইপুশিংনা থিংবসু ঙমদনা হিন্দু নিংথৌশিংনা নমদুনা মৈ থাহনখিবা, নমদুনা লিচৎ থুগাইখিবা অদু ইপা ইপুশিংনা য়াম্না, ঐখোয়বু শেম্বিবা মপু মহাক্কী মফমদা, ইকায়খি। মদু খাংনবা ইকায় কাংখল ওইনা মী পোৎলোইবদা 'চান্দুৱা' কৌদুনা থকখন খনখি,। কোম্থৌজম লাইরেম্বীনা থকখন, য়ুখন তৌরগা, সোরারেল উদনবা শা, য়ুনচিংবা চাখি থকখি হায়বা ৱাফম লৈরি। মতৌ অসুম তৌদুনা 'থাকখন'গী চৎনবী অসি হৌখিবনি।

"থাকখন' 'থকখন' খনবা হায়বসি, ঐখোয় কংলৈচানা ইকায়দুনা, তৌরিবা থবক অদু উদনবা, ইপা সালাইলেল সিতপদগী খনজিনবনি।

.......

# মীতৈ ব্রাহৈশিংগী ঈনাৎকী ব্রাহন্থোক

## (The cultural Dictionary of the Meetei Words)

অনিশুবা শরুক

### ꯄ (প)

মথকতা পীরিবা শকতম অসি কংলৈ মীতৈশিংগী ব্রাহৈ ইনবগী মঙাশুবা ঈয়েকনি। মখাদা পীজরিবা ব্রাহৈ পরেংশিং অসি, ময়েক অসিগী শকতম (symbol) অসি করম্না পুথোকলিবনো হায়বগী কাংলম তাকপা, পুয়াদা য়াওবা ব্রাহৈ পরেংশিংনি:

"লাইগী ফমপীতি অসিনে খঙপীও।। চুপ অমতি সিতপা মপুগী মমিপু ফাত্তুনা লেঙহনতনা সুমলে। থমলে। হাইপকী পু পিসুম কৌয়ে।। পিসুমগী লাইমিং মমিংপু ইনুঙলোননা পি কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ইনিননা পা কৌয়ে।। পাকী ইয়েকতি অসিনে (ꯄ) লেপনা খঙপীও।।০।।"

মথক্কী ব্রাহৈ পরেংশিং অসি ব্রাকোকলোন হীলেন থিলেন সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদগী লৌথোকপনি। ব্রাফমশিং অসিদা ꯄ ইয়েক্কী মতাংদা ইরম্বনি।

মথক্কী quotation অসিদা 'ফমপী' হায়না হায়রিবা ব্রাহৈ অসি লৈফম হায়বনি। তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মাগী লৈফম হায়বনি। ঐখোয়না তাইবং লাইগী থৌরমদা, লুহোংপা, লান্ন-থৌরম অসিনচিংবদা ফমপান, ফন্বাল লাংবা হায়রিবা মফম অদুবু হায়পনি। ঐখোয়না লাইগী থৌরম অমা হেক পাংথোকপদা, 'ফমপাল' হায়না কৌদুনা চুপ মরি য়ুংলগা লংহিংনা কোইশিন্দুনা শেমলিবা মফম অদু, মতম খরা তিংপানপা মপু মহাক্লা লেংশিন্দুনা লৈ হায়বগী থাজনবীগী ব্রাখলদা লাংলিবনি।

মথক্কী ব্রাহৈ-পরেং মরি মঙাগী quotation অসিনা হায়রিবদি পিশুম অনিগী মরকতা তিংপালপা মপু মহাক্লা তাইবঙপালবা মপু কৌদুনা, ঐখোয় মীতৈনা লাইপক হায়না কৌরিবা হকচাংগী শরুক অসিদা মপু মানা তাইপঙ

হকচাংবু সকুথা থাদোকতনা লেংদনা শিদ্রিফাওবা লৈ হায়বনি। মপু মহাক্কী মমিংনা মফম অসিদা ‘পি’ কৌই, ঐখোয়না মহাকপু ‘পা’ কৌই, হায়বনি। ‘পা’ হায়বসি মফম অসিদা মিৎপান্দা হৌবা শম অদুবু নত্তে। লাইপকতা লৈবা তিংপালপাকী মপা ঈপুঙ লোইনপা অপকপাবু হায়বনি।

তাবিরল্লগনি খল্লি, মীতৈগী ফুংগা ৱারিদা সনা মহী লাইনিংথৌদা সলাইলেল সিতপা লাইনিংথৌনা মী শাও হায়রগা নমু মিতম ঙা (ঙমু) শারে, মথং মথং মীনি হায়দুনা য়োং, ফাওবা শারে। য়োং শাদুনা মীনি হায়না লাইনিংথৌ সলাইলেন সিতপাদা কৎশিল্লে, লাইনিংথৌ সলাইলেন সিতপানা মীনি হায়বা য়াদ্রবদা, সনামহী লাইনিংথৌনা মপা ইপুংঙো সলাইলেন সিতপদা মী শাবা ঙমদ্রে হায়না হংগৎলে। মতম অদুদা লাইনিংথৌ সলাইলেন সিতপানা মহাক্কী মমিৎ মনুংদা তারিবা মহাক্কী মমি অদুবু য়েংদুনা মী শাও হায়না তাকপিরবদা, লাইনিংথৌ সানা মহীনা মপা ইবুংঙো সলাইলেন সিতপগী মমি য়েংদুনা মী শাখ্রে। মসিনি মীতৈগী ফুঙ্গা ৱারী।

সনামহী লাইনিংথৌগী মমিদা য়েংদুনা শাখিবা মী কাংলুপ অদুবু মীতৈ কৌই হায়না পুয়াদা য়াম্না শেংনা ইরি।

সনামহী লাইনিংথৌনা মী শাবা ঙম্নবা মিৎ অনিদা কুমথরকপা, লাইনিংথৌ সলাইলেন সিতপকী মিৎ অনিদা কুমথরকতুনা উৎপা মমি অনি অদুবু ঐখোয়না মতাং অসিদা ꯄ ইয়েক্কী মতাংদা ‘পা’ হায়রিবনি।

ꯄ ইয়েক্কী শকতম (Symbol) অসি লৈই অকোম্বা অনি, অতিংবা অহুম, লৈই মঙানা পুনশিল্লগা য়েকপনি।

মথক ইথং থংবা অতিংবা লৈই – অদুনা ইপা সলাইলেন সিতপনি; মখারোমদা কোনথোকতুনা য়েকপা নাক য়েৎতা মপান থংনা য়েকলিবা কোল্লপ তৌনা য়েকলিবা অনি অদুনা পিশুম অনিনি; অদুগা ময়াইদা মথক ইথং থংনা ফৈনা চিংলিবা লৈই ইপা সলাইলেন সিতপাকা সম্ননা য়ুংনা চিংথরকলিবা লৈই অনি অদুনা, ইপা, সলাইলেন সিতপা (ইপা শোরারেল) না সনামহীদা মহাক্কী মশক উৎনবা মহাক্কী মমিৎ অনিদা কুমথরকপা মমি অনি অদুবু মহুৎ শিনপনি।



মশিনি পুয়ানা মীতৈ ইয়েক ꯄ গী মতাংদা হায়রিবসি। ꯄ গী শকতম (symbol) দা য়েকলিবা লৈই পুন্নবক ইপা সলাইলেন সিতপা (অতীংঅা) গী শকতম ঙাকতনি। মরম অসি শকতম ꯄ (symbol) অসিবু পা হায়না পারিবনি। ‘পা’ হাবদি ‘ইপা’ হায়বনি, ইপা সলাইলেন সিতপা (ইপা শোরারেল) হায়রিবনি।

(২) ꯄুরেঃ পুয়া হায়বা মখলগী লাইলীক (লাইরিক) শিং অসি ১৮শুবা চীহচাদা পামহৈবা গরিবনিৱাজনা পানবা মতমদগী ভগ্যচন্দ্রনা পানবা মতম ফাওবদা, পুমমাং মাংখিনবা, মমিং ফাওবা মুৎখিনবা হোৎনরল্লবা, পুন্নমক মৈ থাদোখ্রবা, মীতৈ ঈপা ইপুশিংনা চহী লীশিং কয়া চংনা ফংলকপা লৌশিং ময়ামবু ইদুনা থল্লম্বা অইবা পোৎশক ময়াম অদুবুনি।

হিন্দু মচাশিং অসিনা কংলৈ কোনুং পাইখিবদগী, পুয়াশিং অসি খংবা হৌরকপদা, কংলৈ ইপা ইপুশিং অসিগী মতম অদুদা মালেমদা লাম্বা য়াদনা কোক লৌশিং ৱাংলম্বা, পুয়াশিং অসি লৈরবদি হিন্দু ধর্ম্ম শন্দোকপা য়ারোইদবা, ময়াং মচাশিং অসিনা কংলৈচাশিংগী-মখুৎতগী তঙাইফদনা পুয়া পুন্নমক মৈ থাদোকতুনা মাংহন্দবা য়ারকতবদগী পুয়া পুন্নমক মৈ থাদোকখিবনি। পুয়া মৈ থাবদা খ্বাইদগী চাওনা শরুক য়াখিবা নিংথৌশিংদি পামহৈবা অমসুং ভগ্যচন্দ্রনি। নিংথৌ নত্তবদনা শান্তিদাস গোসাই অমসুং লাইরিক য়েংবা নোংশামৈনি।

হৌজিক্কী মতমদা, ঙরাং নাহানদা ইবা, লাইরিক অমনবা, খুৎনা ইবা চেজেৎ অমসু, পুয়ানি হায়দুনা হেকতা পুথোক্লরে। তৌরিবা অসি লৈপাক মাংনবা, মীতৈ মাংনবগী, লৈপাক অমসুং মীতৈগী য়েক্লবা,লোন্না থবক তৌবা কাংবুগী হৌনবীনি। পুয়া হায়বসি করিনো খংদবা শুকয়া য়াদ্রে।

**পুয়া করিনো?**

পুয়া হায়বসি হিন্দু নিংথৌশিংনা পান্দ্রিদৌংগী, ঈয়েক ১৮ না ইবা লাইলীকশিংনি। হায়বদি, পুয়া হায়বা লাইলীকশিং অসি খৃ: কুম ১৮ শুবা চীহচাগী মমাং ওইগদবনি।

পুয়া লাইলীকশিংদা হিন্দুগী ৱাহৈ ৱাতা অমতা য়াওরোইদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, ॐ(অঞ্জি), হরে, হরে, হরীং হরিনপ, কিং মনিকপু, মম

মম র:ই:, য়িয়ুংবা চিংখোঙ পোইরৈতোন, হ: র: স: ...... অসিনচিংবা ৱাহৈশিং অসি য়াওরক্লবদি হিন্দুগী মতমদা ঙরাংদা শাজিন্দুনা ইবনি, তশেংনা খংলে। করিগুম্বা পুয়ানি হায়না পুথোরকপা লাইরিকতা, নিপা, নিপী, ৱাহৈ য়াওরক্লবা, ঙরাং নহান্দা শেমজিনৱা লাইরিকনি খংবিরো।

ময়েক ৩৫/৩৬ না নত্রগা অহেনবা মশিংনা ইবা লাইরিকশিং অদু পুয়া নত্তে। পুয়াদি নিংথৌ, লৈপাক মীয়াম, মাইচৌশিং য়াওনা ইগদবনি। অইবা মাইচৌগী মমিং য়াওগদবনি। নিংথৌ, লৈপাক মীয়াম মাইচৌশিংগী মমিং য়াওদবা, অইবগী মমিং য়াওদবা, লাইরিকশিং অদু পুয়া নত্তে।

ঐখোয়না ঙসি ২১শুবা চীহচাদা, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াগী লীখুন্দগী খংলিবদি, ইয়েক ইপী ১৮ য়াওবা পুয়াশিংগী মমিংদি (১) কোইলৌ নুমিত খেনচঙলোন, (২) ই. হীলেন থাচা থেনচঙলোল, (৩) থৌৱাই মিচাক খেনচঙলোন, (৪) সাকোক সলাই থিলেল, (৫) খুনুঙলোন সকোক থিলেল, (৬) পাফল লমপুপা য়াঙপী থিলেল, (৭) ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক। পুয়া ৭ অসিনি মীতৈ ইয়েক ১৮ মশক তাকপা অমসুং ইয়েক ১৮ য়াওবা লাইলীকশিংনি। মথক্কী পুয়া ৭ অসিগী মনুংদা তরুকতি মৈ থাখিবদগী উবা ফংখিদ্রে; ৭শুবা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক অসিদনি ঐখোয়না পুয়া মৈ থাদ্রিঙৈদা শিনদোকহৌবা পুয়া ওইনা ফংলিবদি।

পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক অসি ফংবদগীনি ঐখোয় কংলৈচাশিংনা মীতৈ ইপা ইপুগী ইয়েক (ময়েক)শিং করি করিনো হায়বা শেংনা খংলকলিবা অসি।

(৩) **ꯄꯥ (ꯃ.ꯄꯥ)** - মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসিনা পা নত্রগা ঈপা তোয়না শিজিন্নরিবা ৱাহৈশিং/Concept শিং অসি ঐখোয় ঐখোয়বু পোকপা ঐখোয়বু য়োকপিবা নুপা, পোকপিরিবা নুপা অদুবু নত্তে। ৱাখল-ৱাংনা খল্লম্বা, ৱাংনা উরম্বা থাইনগী ইপা ইপুশিং অদুনা শিজিন্নরম্বা পা নত্রগা ঈপাগী ৱাহম্বোকতি তিংপালপা, তেংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনবা অপকপা মহাকপু হায়বনি।



থাইনা মমাংঙৈদা, হৌজিকতি ঐখোয়না তাবা ৱাৎলপা, ইপা ইপুশিংনা ঐগা লৈমিন্নরিবা ঐবু পোকপা নুপা অদুদা কৌবা মিংগৌদি পম্বৌনি।

ঐখোয়না 'মোইরাং পর্ব' হায়রগা খংনবা 'লিলা' হায়বা অদুদা মচ ইবেম্ম লাংলেন থোইবীনা মাবু পোকপা চীংখুবা মথং খনবদা, 'পম্বৌ অপোকপা' হায়না হায়বগী ৱাহম্বোকতি -পম্বৌ = পন + থৌ হায়বদি, তাইপঙ পালপদা পোকলিবা নুপা খুদিংদা, তাইপঙ শেম্বা মপু মহাক্লা তাইপঙদা মী শেম্লবা মচাক (মরু) অদু পীরকই, মরু অসি নুপা খুদিংগী মশাদা লীদুনা থমই, মরম অদুনা নুপাবু মীতৈ ইপা ইপুশিংনা পালী (পারী) কৌই। পম্বৌদা লীদুনা থম্লিবা, লৈরিবা তাইপঙ মরু অদু ঐগী ইপানা ইমাদা (লৈপাক অহিংপীদা) থৌথরকই। থৌথরকলিবা তাইপঙ মরু অদুনা ইমাগী পীপুঙনুংদা থাপুং ১০ ফারগা, ঐ ওইনা লাংওন্দুনা তাইপঙ লমচাও থোকলকই। মরম অসিনা থাইনা ইপা ইপুশিংনা ঐবু পোকলিবা নুপা অদুবু পম্বৌ কৌই।

**পা নত্রগা ইপাগী ৱাহম্বোক মুন্না খংবিয়ু।**

থাইনা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা ইমা ইপাবু শৈথাদুনা মখাগী ঈশৈ অসি শক্লমই। ঈশৈ অসি ৱাকোকলোন হীলেন থিলেন সালাই অমা-ইলোন পুকোক কৌবা পুয়া অদুদা ইরম্বনি। "পলেম ইমা, পম্বৌ ইপা অনিমক্কা পুমনামককী থোইপানে, অথোইপনে; মিংনাউপা লাই কৌপতি মখোইপুনে; অসি লৈপাকীপু,-

মালেম লৈমানা লুমপালা?

পলেম ইমানা মালুমই।

কোইলৌ নোংমতোননা ৱাংপালা?

পম্বৌ ইপানা মৱাঙই।"

পুয়াদা ইরমলিবা অসি মুন্না পাবিয়ু, খংনবা হোৎনবিয়ু। ইপা ইপুশিংগী পুয়াদা ইরমলিবা ৱাংলবা ৱাখল অসি হেক খংবদা, হায়রিবা ৱাফম পুন্নমক খংলগনি। ইপাদগী থৌথরকপা তাইপঙ মরু (থৌৱাই) অদুনা থা ১০ ঐনা ইমা কৌরিবা নুপী অদুদা পল্লে হায়বগী পল্লেম ইমা, পল্লে + ইমা = পল্লেম ইমা কৌই। পম্বৌ ইপা হায়বা মীতৈ ৱাহৈসি, নুপাদা পন্দুনা লৈরিবা তিংপালপা

মপু অদুগা, ঐবু পোকপা নুপা অদুগা, পুশিন্দুনা শেম্বা ৱাহৈ/ compound concept নি। পন্থৌ ইপা হায়বদি ঐবু পোকলিবা নুপা অদুনা মঙোন্দা পন্দুনা লৈরিবা তাইপঙকী মপা অদুবু ইমাদা থৌথরকপা পন্থৌ ইপা হায়রকপনি। ঐবু পোকলিবা, ঐবু য়োকলিবা নুপা অদুগা তেংপালপা মপু অদুগা পুনশিল্লগা শেম্বা, ওইবা ৱাহৈ compound word/compound concept নি। মরম অসিনা 'পলেম ইমা', পন্থৌ ইপাদি মিৎনা উবা লাই·কৌরিবনি।

মরম অসিনা

মালেম লৈমানা লুমপাল্লা?

পলেম ইমানা মলুমই।

হায়বদি মালেম ইমা, অৱাবা খংদ্রবী অসিদা ঐখোয় মীওইপা, থৌৱাইপানবা পুন্নমল্লা চাবা য়াবা পুন্নমক থাবা য়াই, হৌই, ঐখোয়না চাদুনা হিংই। অদুবু তাইপঙ মীওইপা অমদি থাবা য়াদে, হৌহনবা য়াদে। তাইপঙ মীওইবা শন্দোক্লবগীদমক ঐখোয়না 'ইমা' হায়না মিংকৌরিবী নুপী অমা মথৌ-তাই, ইমা নুপী-মহাক্লা য়াওদনদি শুকয়া য়াদ্রে; মসি 'পলেম ইমা' মহাক্কী খ্বাইদগী অহেনবনি, চাংদম্নবা য়াদবা অহেনবনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী 'পলেম ইমা' মহাকপু

"মালেম লৈমানা লুমপলা?

পলেম ইমানা মলুমই।"

পুয়ানা থাইনদগী ইপা ইপুশিংনা শৈথানৈ, শৈশকনৈ।

"কোইলৌ নোমতোননা ৱাংপলা?

পন্থৌ ইপানা মৱাংই"।

হায়বদি তেংপালপা, তিংপালপা মপু ইপুঙলোই অপকপা মহাক্লসু তাইপঙ নুপা অমা হেকতা শেমদুনা মালেম লমচাওদা থাদোকতে। মপু মহাক্ল সু নুপা অমগা নুপী অমগা-অনিখক্তং শেম্লগা নুপা অদুবু "পালী" মিংথোন পীদুনা, পালী মহাক্কী মসাদা মহাক্লা মশক ওন্না, তাইপঙ মরু ওইনা থম্লগা, নুপী অমবুনা তোলোই ঈলুমপী, ওইনা শেম্লগা তাইপঙ মীওইপা মথং মথং শেমদুনা শন্থোকই।



"কোইলৌ নোংমতোন্না ৱাংপলা?

পন্থৌ ইপানা মৱাংই।"

হায়বদা 'কোইলৌ নোংমতোননা ৱাংপলা?' হায়বা পরেংদা 'কোইলৌ' হায়বদি অতীংআ, নোংথৌ, সলাইলেল সিতপা (সোরারেন), কোইনা উরিবা অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা শরুক হায়বনি। তিংপালপা তেংপালপা মপু ইপুঙলোই অপকপা মহাকতি 'কোইলৌ' অসিবু মহাক্লা শেম্বা মরমনা, মপু মহাকতি মসিগী মথ কতা লৈ।

মরম অসিনা 'পন্থৌ ইপানা মৱাংই'। হায়বদা 'পন্থৌ ইপা' হায়রিবসি ঐবু পোকপা পন্থৌদা য়াওরিবা, পন্থৌদা লোৎতুনা য়াওরিবা তাইপঙ মীওইবগী মপা ওইরিবা, তাইপঙ মীওইবগী হৌফম ওইরিবা তাইপঙকী মপা, মপু মহাকপু হায়বনি।

"হৈ-চাককী খুনুঙলোনতি। হৈ-ই অনি অতুনা অতীংআ কৌইলৌতকী পানা চেনথলকয়ে। হাইপকীপু ই.পা-কৌয়ে॥ ই.কী পানে হাইতনা লেপনা খঙপীও॥"

তেংপালপকী মপু ইপুঙ লোইনপা অপকপনা ইহান হান্না অতীংআবু সলাইলেন সিতপসু কৌনা, নুপাগী শকতম ওইনা অদুগা মালেম লৈমাবু ইমা লৈমালেন সিতপী কৌনা নুপীগী শক্তম ওইনা তাইপঙ মীওইপা শন্থোক্লবগীদমক শেমই। মরম অসিনা, মথক্কী quotation অসিদা পুয়ানা হায়রিবদি, তাইপঙকী মপু মানা শেম্বা সালাইলেন সিতপা (ইপা সোরারেল)দগী, ইমা লৈমালেন সিতপীদা থম্নবগী তাইপঙ মী মরু য়াওবা ই. (ঈ) অদুনা চেনথোক্লকই হায়বনি। মসিসি 'ই. কী পানে হাইতনা লেপনা খঙপীও' হায়রিবনি। মথক্তা ইজখিবা খরা অসিদগী ই.পা, পা হায়বসি করিনো হায়রবসি খংবিরম্লগনি হায়না অইবনা থাজজৈ।

(৪) ꯄꯥꯈꯪꯕ (পাখংবা) - পাখংবা হায়বা ৱাহৈসি ঐখোয়না ২০শুবা চীহচাদা লাইরিক তম্বা হৌরকপা, লাইরিক পাবা মতমদা য়ামনা উবা তাবা ৱাহৈনি।

চৈথারোল কুম্বাবদা "কলি কুমশিং ৩১৩৫ শুবদা মৈদিংঙু পাখংবা নিংথৌ ওইএ।," "কোঞ্জিন তুথোকপা নোংদা লাইরেল পাখংবা" "লৈনুং

লোনজা পাখংবা“ “লিলহা পাখংবা” অসিনচিংবা মমিংশিং অসি ঐখোয়না য়াম্না তোয়না ‘পাখংবা’ হায়বা ৱাহৈশিগা লোয়ননা তাবা উবা মমিংশিংনি। য়াম্না নোকনিংবা, মীতৈ ইপা ইপুশিংগী য়াম্না ৱাংবা ৱাখল/concept য়াওরিবা ৱাহৈ ‘পাখংবা’ হায়বসিবু অনেম্বা থাক্কী ৱাখল/concept ওন্থোকনবা, ১৮শুবা চীহচাদগী অনেম্বা ৱাখলগী মী কাংবু অমনা চাওনা হোৎনরপগী খুদম শেংনা উই।

থাইনা মীতৈ ইপা ইপুশিংগী ৱাখলগী, ৱাহৈগী পুককৈদা লনকৈদা য়াওরিবা পাখংপা (পাখংবা) হায়বা ৱাহৈ/concept অসিদি, থাইনগী মীতৈ ইপা ইপুশিংনা তিংপানপা মপু, অমতা ওইবা, অমতা ঙাইবা তিংপালিপা মপু, ইপুংলোইনপা অপকপা (The Ultimate Universal Lord) মহাকপু মুন্না খংলম্বগী খুদম ওইবা, ৱাখল, ৱাংউলোন ৱাংলম্বগী ইদুনা লৈবা খুদোলনি।

মীতৈগী শেংলবা পুয়া, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোকতা ‘কোনচিল তুকথপা ই. পুথৌ পাখংপা” হায়না শেংনা ইরি। মীতৈ পুয়া (scripture) অসিদা ইরিবা ‘কোনচিন তুকথবা ই.পুথৌ পাখংপা’ হায়বা ৱাহৈ মরি অসিগী ৱাহন্থোকতি অসিনি।

ঙসিদগী চীহ ২০,০০০ (লিশিংকুন) মুক্কী মমাংদা হৌজিক্কী মীতৈ, চীংমী অমসুং তম্মী কাংলুপকী মপা মপু ওইরিবা লাই হায়বা মী কাংলুপ অদুনা, কৌব্রু চীংতোনদগী ইম্ফাল কংলাদা কুমথরকতুনা য়ুমকৈ শাদুনা পানবা হৌরকপা মতমদা লৈপাক অসিগী মমিং কংলৈপাক হায়না থোল্লম্বা লৈপাক অসিদা নিংথৌ ওইনা ইহান হান্না পাল্লম্বা কংলৈ পাথৌ অদুগী মমিং ‘কোনচিন তুকথপা’ কৌই। পুয়াদা ইরিবা অসি অহানবা কংলৈ নিংথৌ অদুগী মমিংনি। ই.পুথৌ হায়বদি ই.পু অথৌপা হায়বনি। পুয়া অসিগী অতোপ্পা মফমদা ‘ই.পু অথৌপা, হায়নসু ইরি। ইপুথৌ নত্রগা ই.পু অথৌপা হায়বদি অহন ওইরবা থৌনা ফবা নুপা হায়বনি। পাখংপা হায়বদি পা + খংপা, হায়বদি ই.পা + খংপা, ৱাহন্থোক্তি তাইপঙকী মপা ওইরিবা, অমত্তা ঙাইবা তিংপালপগী মপা, মীতৈনা ইপুং লোইনপা অপকপা কৌজবা, তাইপঙকী মপা, তাইপঙ পালপবু য়োকপিবা লাইনিংথৌ মহাকপু খংবা, মশক মুন্না খংবা হায়বনি।

ঐখোয় মীতৈগী নিংথৌদি, তেংপালপা মপুবু নিংজবা, মপু মাগী থৌদাদা লৈপাক ঙাকলম্বা, অচুম্বদবু তৌজবা নুপা অমনা নিংথৌ ওইরম্বা অসিনা



তাকপদি থাইনগী কংলৈপাক কৌরিঙৈগী মীতৈ খুন্নাই অসি ইংনা তপ্না থকসি-খাসি খংনা, লীচৎ চুম্না হিংলম্বা খুন্নাইনি হায়বা তাকই।

অদুবু ১৮শুবা চহীচাদা হিন্দুশিংনা নিংথৌ ওইখিবদগী মথক মখা ওন্থোকখি। লমচৎ নাইদবা, অনেম্বা ৱাখলদা লুপ্পা মীওইশিংনা মথক খোংদুনা পানবা লৈপাক অমা ওইরকখি।


মীয়াম্না নিংশিংবিবা য়াই চরাইরোংবা নিংথৌনা পানবা মতমদা, চরাইরোংবা নিংথৌনা চোথে খুলগী নিংথৌগী মচা নুপীবু কোনুংগী লৈমা হাপকে তৌবদা, লৈপাক মীয়াম অমসুং মাইচৌশিংনা লানফানি, মফম মরং খংদবা নুপীনি, লৈপাক্কী লৈমা হাপ্পা য়ারোই হায়দুনা য়েৎপদগী নোংপোক ইংখোলদা তোঙান্না থমখিবগী ৱারী কাওনদ্রি।

অদুবু শাপম চনু নুংথিল চাইবী (চোথে লানফাদা নুপী অদুদা মীতৈশিংনা কৌবা মিংনি) না পোকপা (মপা বিষ্ণু গোশামী) পামহৈবনা পানবা মতমদা, পামহৈবনা মৱালৈবা নুপী মঙা মৱা হাৎলগা নমদুনা লৌখিবা, লৈমারেল ফাওবা হাপখিবা ঐখোয় খংলি। হিন্দুশিংনা কংলৈ খুন্নাই মথক মখা ওনখি।

মীতৈদি তেংপালপা মপু মহাকপু মপানি হায়না লৌবা মরম্না, মীতৈ সালাই তরেৎ কী মপা নিংথৌ, কোনচিন তুকথকপা ইপু অথৌপা পাখংপবু, খ্বাইদগী চাওবা খ্বাইদগী হেন্বা লাইনি হায়দুনা ‘লাইলেল’ হায়দুনা খুরম্মী। হিন্দুগী মতমদা, নমথাক্কী ৱারী কয়া শাজিন্দুনা, নম্ফু কয়া তৌদুনা, মীতৈ সলাই ৭ কী মপা নিংথৌ কোনচিল তুকথপা ইপুথৌ পাখংপবু মীতৈ ওইরিবা মচা মশুশিংনা ‘লাইরেল’ নি হায়না খুরুমজবা নিংজববু, লাইরেল হায়বদি লিন লিনজাও (Python) নি হায়জিল্লকখি। ঐখোয় মীতৈ সলাই ৭ কী মচা মশুশিংবু লিলজাও (Python) গী মচা মশু ওইহল্লকখি। অসুম্না মীতৈ, হৌখিবা চহী ৩০০ লোম অসিদা লিলগী মচা মশু, হন্থবা মখলগী থাজবা, ওইহল্লকখি। হিন্দুশিংদি পারী পুরী হাকতকতগী লিলবু লাইনি মপা মপুনি হায়না নিংজবা কাংবুনি। ঐখোয় মীতৈদি লিলবু লাইনি হায়না নিংলম্বগী ফুংগা ৱারী, থাজনবী লৈতে। চীংগী মী, Myanmar, Thailand অসিনচিংবা মফমদা লিলবু মরাং হায়না চারিবা অসুম্না মীতৈসু লিল চারকই।

ঐখোয়না লিলবু মপা মপুগী থাকতা নিংনবা হিন্দুগী মতমদগী হোৎনরকপনি।

মখাগী xerox শিং অসি, G. Ravindran Nair না ইবা লাইরিক, Snake Worship in India হায়বা অদুদগী লৌথোকপনি, মুন্না পাবিয়ু:-



A labyrinthine serpent design adorning the floor of the site of Yagya. India apart, in many other countries the serpent has been worshipped as a symbol of water, longevity of wisdom - perhaps because of its wiggling movement, renewal after sloughing its skin and unblinking stare.



A view of the entrance to the Nagaraja temple at Mannarasala in Kerala. This is one of the few surviving snake shrines still enjoying a pride of place among the votaries of the snake cult in India.

মথক্কী অইবনা পনজরিবা লাইরিক, G. Ravindran Nair না ইবা 'Snake Worship in India' অমসুং লাইরিক অসিদা য়াওরিবা হিন্দুশিংগা লাই, লিল-লাইশিংগী photo শিংগী অমদি লাইরিক অসিদা Nair না ইরিবা ময়াম অসি উরুবা অমদি পারুবশিংনা, হিন্দুশিং অসিদি থাইনা মমাংঙৈদগী লিলবু লাইনি হায়না মপা মপু হাকথকতগী নিংলকপা মী কাংবুনি হায়দবা ঙমলোই। মসিগীসু মথক্তা, মহাভারততা পান্দবনা লিলবু মপা মপুনি হায়না নিংলম্বা, লাৎলম্বগী ৱারী য়াওরি।

কংলৈপাক অমসুং কংলৈচাশিংগীদি অসিগুম্বা লিলগা মরি লৈনবা, লিলবু লাইনি হায়না খুরুম্লম্বা অমসুং লিননা মপা মপুনি হায়বগী ৱারি ৱাতাই অমতা লৈতে।

অদুবু ১৮শুবা হিন্দুশিংনা নিংথৌ খুভম পায়খিবদগী, নমথাক অমসুং নম্ফু কয়া শিজিন্নদুনা 'পাখংপা' বু লিল ওন্নবা হোৎনরকখি। মীতৈশিংনা



'পাখংপা' কোনচিন তুকথকপা ইপুথৌবু, তেংপানবা মপু মশক খংবা নিংথৌনি, খ্বাইদগী ৱাংবা, হেনবা লাইনি, লাইরেলনি হায়না খুরুমজববু, লাইরেল (লাইলেল) গী ৱাহন্থোক লান্না পীশিন্দুনা লিলজাও (Python) ওন্থাকখি। কংলৈচা মীতৈশিংবু অনেম্বা মখলগী মীওই কাংলুপ অমা ওইনবা হোৎনরকখি; ওইরোই।

হৌজিক মনিপুরদা 'পাখংবা পাফল' হায়বা মখল অমা য়েল্লগা হিন্দুশিংনা খুরুম্লিবা অদু হায়জিনবা xerox অহানবা ইন্দিয়াদা চৎনবা লিলগী-খুৎয়েক মখল অসিনি।

(১) "৬নি য়ুমশকৈশদা পাখংবা নোংথৌদগী খাওরৌ ওইনা ফিফৌ মাংদা তারকএ।" Page 99- চৈথারোল কুম্বাবা (1967 Edi.) পামহৈবগী মতমনি।

(২) "১০ নি নিংথৌ কাবদা স্না য়ান লোকচাওদা লাইরেল থোকএ।"

Page 129, চৈথারোল কুম্বাবা (1967Ed). ভগ্যচন্দ্রগী মতমনি। পুন্নমক অসিগী মথকতা ১৯শুবা চহীচাদা, মনিপুরদা Colonial Rulersওইনা লৈরম্বা, British না কংলৈচা মীতৈ শিংবু লিল (Python) বু মপা মপুগা মরি লৈনহনবা, খুরুমহনবা লাল্লি হায়না শেংনা হায়রমই।

"It is the greatest mistake to connect them with the snake worshipers, 'Nag bungsies' of India. Neither Nagas or Manipuries, or any tribes on the eastern frontier, are addicted to this worship, or have any traditions connected with it and any snake, cobra (Nag) or otherwise, would recieve small mercy at their hands." page 33, Manipur and Naga Hills by James Johnstone.

পুন্নমক অসিদগী মীতৈগী ৱাহৈ পুক্কৈদা য়াওরিবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাহৈ/concept পাখংপা (পাখংবা) লিল (Python) গা মরি লৈনদে, লিল নত্তে; লিলবু লাইনি হায়না নিংবা কাংবু অদুদি কংলৈচাগা মরি লৈনদবা কাংবুনি হায়বা খংবিরম্লগনি। লোইননা পা, ইপা, পাখংপা হায়বা ৱাহৈশিং অসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খংবিরম্লগনি হায়না অইবনা থাজজে।

(৫) **[illegible]** - অইবনা মফম অসিদা ইজরিবা 'পাখঙ' হায়বা ৱাহৈ অসি ইচম চম্বা ঐখোয়না লৈশাবী পাখঙ হায়বদা শিজিন্নবা ৱাহৈ অদুনি। মথকতা ইজাথবা পা, ইপা, পাখঙপা হায়বা ৱাহৈশিং অদুগা করিসু মরি লৈনদে হায়না খল্লি। ঐখোয়না নুপা মচা অমবু পাখঙ ফারে হায়। ৱাহন্থোকতি ময়ুম পানবা য়ারে চাওবা মপুং ফারে হায়বনি। হকচাংগা মরি লৈনৈ, নুপা মচা অদু মপা ওইবগী থবক হৈরনি হায়বনি।

(৬) **[illegible]**- মফম অসিদা, পালী, পুলীদা য়াওরিবা 'পা' নত্রগা 'পু' ৱাহৈ। concept শিং অসিদা য়াওরিবা মনুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি, তেংপালপা শেম্বা, তাইপঙ পালপগী মপা, পা নত্রগা তেংপালপকী মপু, পু অদুবু হায়বনি। ঐখোয়না সনামহী লাইনিংথৌনা মী শাই, মী শেমই হায়। পুয়াদসু মসি য়াওরিবনি। পুয়ানা সনামহী লাইনিংথৌবু "ই.পালী অলীপা। পাকী লীলপা। পালী অহানপা" কৌই ।কংলৈচা মীতৈ কাংলুপকী ৱাহৈ পুক্কেদা 'পালী', (পারী)- হায়বদি ইচা নুপাবু খংনৈ মফম অসিদা পালী (পারী) হায়বগী ৱাহন্থোকতি পা হায়বদি তিংপালপগী মপা, তেংপলিপাগী ঈগী হৌরকফম ওইরিবা, ই.পুঙ লোইনপা অপকপা মহাকপু লীদুনা থমলিবা, মহাক্কী মশাদা তিংপলিপগী মপা অদু য়াওরিবা, ইচা নুপা হায়বনি। শম্না হায়রবদা ইচা নুপাদা তিংপলিপকী মপা ওইরিবা, ঈগী মপু মহাক্না তাইপঙ শন্দোক্লবা থারকপা, ঈ মহী সনামহী অদু ইচা নুপাদা য়াওরিবনি।

মথক্তা ইজরিবা খরা অসিদগী 'পালী'গী ৱাহন্থোক খংবিরম্লগনি হায়না খল্লি। 'পালী' গী ৱাহন্থোকতি, তাইপঙকী মপা মহাকপু মশাদা য়াওরিবা নত্রগা মথং চারোল শুরোল শন্দোক্লপা তাইপঙ মী মরু য়াওরিবা, মীওই নুপা মীওই অদুবু হায়বনি।

'পুলী' হায়বদি 'পালী' হায়বগুম্না তিংপলিপাগী মপু মহাকপু লীদুনা মশাদা থমলিবা, মশাদা য়াওরিবা মীওইবা নুপা হায়বনি।

মীতৈ কংলৈচানা অঙাং অমা ইরুজবীবদা "তীং তীং চাওরো, ইপা মচুম তারো, ইপু মচুম তারো" হায়না অঙাং অদুবু মশা পাইদুনা মমানা তপ্লা তপ্লা হুনগৎতুনা চোংহল্লি।

তীং তীং হায়বদি মতীং লৈনা হায়বদি পাঙ্গল অমসুং ৱাখল লৈবা, থৌনা অমসুং অচুম্বা ৱাখল খন্না, 'চাওখৎলো' হায়বগী ৱাহন্থোকতি মসিনি।



'ইপা মচুম তারো, ই.পু মচুম তারো' হায়বগী ৱাহন্থোকতি 'অঙাং নখোয়দা য়াওরিবা তাইপঙপালপকী মপা মপু অদুগী মতীক ময়াই পুম্নমক থোকহল্লো, মপু মহাক্না তাইপঙ পালপা পুম্নমকপু নুংশিবা, তাইপঙপলপগী ফনবদা তৌবা মতীক ময়াই ৱাখল অদুগা লোইননা চাওখৎলো, শাংখৎলো হায়রিবনি।

(৭) **[illegible]**- পুথাংকোক, ই.থাংকোক - মসিদা ইজরিবা 'পুথাংকোক, পাথাংকোক। ই.থাংকোক।' হায়বা ৱাহৈ অসিমক ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা পুয়া অসি ইবা লোইগদবা পরেং তরামুকতা ঙাইরবা পরেংদা ইদুনা লৈবা ৱাহৈশিংনি।

পুয়াদা অসুম্না ইরি "সাইলুপ সাখাইশিংনা চালৌ মৌলৌনপা তৌলাপাতি নাউতাকী সুথাঙ ৭ না লোমকনিয়ে হাইনা তাকপীখিয়ে ।।০।। পালী ই.পুঙঙো! ৱালম অসিপু পুথাংকোক। পাথাংকোক।। ই.থাংকোকনা লেপনপা য়াথংনে।।"

ৱাফম অসি সালাইলেন সিতপানা, কোনচিন তুকথপা ইপু অথৌবা পাখঙপদা, খুনতীল য়াকাপতা, হায়খিবা ৱাফমনি।

মরি য়াম্না নক্লবা নুপা নুপী লৌন-লৈনবা, ঈতিন্নবা ফত্তে, মসি তৌবা য়ারোই হায়না ইপুথৌ পাখঙপকী মতমদা লেপ্লখিবনি।

ইপুথৌ পাখঙপনা লাই নুপী ৭ কা পান্নদুনা পোকপা মচা ৭ অদুবু সালাই কৌই। সালাই ৭অদুদি:- মঙাং লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইলাং, খাপা-ঙানপা, সলাইলৈশাংথেম। ইপুথৌ পাখঙপগী মচা নুপা ৭ অসিবু শালাই ৭ কৌই। সলাই অমমমনা পোকপা কাংবু অদু নাউতা কৌই। নাউতা কাংলুপ ৭ লৈ। নাউতা কাংলুপ ৭ অসিবু সালাই সখাইসু কৌই। মরম অসিনা সালাই অমমমনা পোকতুনা য়ামথোক্লকপা মীতৈ কাংলুপ ৭ লৈ। সালাই সাখাইশিংনা তারম্বা কংলৈপাক্কী মফম ফাওবা পুয়াদা য়াওরিবসিনি।

মরম অসিনা পুয়াদা হায়রমলিবা "সালাই সাখাইশিংনা চালৌ মৌলৌনপা তৌলাপতি নাউতাকী সুথাঙ ৭না লোমকনিয়ে হাইনা তাকপীখিয়ে।।০।। পালী ই.পুঙঙো। ৱালম অসিপু পুথাংকোক। পাথাংকোক। ই.থাংকোকনা লেপনপা য়াথংনে।।" অসিনা হায়রিবদি মপা মপু অমতগী য়াম্না নক্লবা নুপা নুপীশিংনা লৌন-লৈনবা ঈতিন্নবা তৌরবদি য়াম্না ফত্তে,

তৌবা য়ারোই হায়বনি। য়াম্না শেংনা হায়রিবা ৱাফম অমদি অসুম্না হায়রিবা অসিগী মথকতা ঈতিন্নবা, লৌন-লৈনবা তৌরবদি কাংখুল মুৎকনি হায়বনি। অসুম্না সালাই তিন্নবা লৌনবা য়ারোই লুহোংবগী চৎন পথাপ অমা শেম্লকপসি কোনচিন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখঙপাগী মতমদনি, ঙসিদগী চহী লীশিং কয়াগী মমাংদনি। কংলৈচাশিংনা মালেমগী মমাংদা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি।

অইবা লাইলীক, পুয়া পুম্নমক হিন্দু নিংথৌশিংনা তুম্না মৈ থাদোকখিবদগী, মতৌ করম্না কংলৈচাশিংনা অসুক ঙন্না য়াম্না নকপা মরি লুহোংনবা ফত্তে হায়বসি খংলমলিবনো হায়বা খংবা ঙমদ্রবসু, হৌজিক্কী Science নদি মসিগী মরমদা হায়বদি, য়াম্না মরি নকুবা লুহোংনবনা অনা অয়েক পোকপদা শোয়নাইবা, পুনশিদবা অসিনচিংবা কয়ানি পুথোকখ্রবনি ।

(৮) ꯁꯤꯡꯂꯤ (ꯄꯥꯐꯜ ꯁꯤꯡꯂꯤ ꯱꯰꯸) - অইবনা হৌজিক ইজরিবা ৱাহৈ 'পাফল' হায়বসি তশেংবদি পুয়াদা 'সিংলি', 'সিংলি পাফল ১০৮' অসুম্না ই। পুয়াগী ৱাফম অসিগীদমক ই.য়েক ই.পী ꯀ অমসু ꯑ গী মখাদা য়েংবিয়ু।

তিংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা মহাক্লা তাইপঙ হকচাং মনুং লৈদুনা তাইপঙ মীওইপনা খংদববু তাইপঙ মীওইবদা খংহল্লি। মীওইপগী মতিক ময়াই ওইরিবা লৌশিং, ৱাখল খনবা, খংবা, শিংবা অসিনচিংবা তাইপঙ মীওইবগী মতিক ময়াই ওইরিবা পুম্নমক অসি তাইপঙ ঐখোয়বু শেমলিবা মপু মহাক্লা হকচাং মনুংদা লৈবদগী ঙম্বা ওইবা ঙাকতনি। মপু মহাক্লা তাইপঙ হকচাংদগী মপান হেক থোকখিবদা পুম্নমক মাংখ্রগনি, তাইপঙ হকচাংনা অশিবা হায়বা অদু ওইদুনা লৈহৌগনি।

(পুয়ানা, লাইগী লোন্দা 'সিংলি' হায়না কৌই অদুগা সিংলি অসি খুনুঙলোন্দা 'সম' হায়না কৌই)।

মরম অসনা 'সিংলি' গী খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাহন্থোকতি তেংপালবা মপু মহাক্লা তাইপঙ মীওইবগী হকচাংগা শমনৈ হায়বনি। ঐখোয় কংলৈ খুন্নাইদা উ, ৱা পাম্বীশিংনা লৈপাকতা মরা তাই, অদুবু তাইপঙ মীওইবদি অহাংবা নোংথকতা মরা তাই, হায়না হায়। পাউরৌ অসিসু হায়বদি শলাইলেল শিতপাকা শমনৈ হায়বনি। পুয়ানা হায়রিবা অসিমক লোল অমসুং পাউরৌগী মতেংনা, কংলৈ খুন্নাইদা ফোংদোকপনি। মথংগী ৱাফমদি, পুয়াদা 'সিংলি



পাফন' হায়বসিদা য়াওরিবা 'পাফন' হায়বা ৱাহৈ। concept অসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বা অসিনি।


হৌজিক্কী মতমদা 'পাখঙপা পাফন' হায়বা ৱাহৈ। ৱাখলোন অমা য়াম্না তোয়না তাই অমসুং উই। মশক য়েংলুরগা, লিলগী মকোক অমগা, লিলগী মশা অশাংবা অদুনা লৈই ওইরগা কোইয়েৎ পংয়েৎতা য়েৎশিন্নদুনা য়েকপা শক্তম অমা উৎলি।

শক্তম অসিদি অইবনা মথকতা (৪) শুবা ৱাহৈ 'পাখঙপা' গী মখাদা ভারত মচাশিংনা 'লিল' বু লাইনি হায়না নিংলম্বগী শকতম (xerox) অনিখক হাপখিবগী ইহান হানবা শকতম অদুদগী লৌরগা, হিন্দুশিংনা কংলৈপাকতা প নবা হৌরকপা মতমদা কংলৈচাশিংগী মপা নিংথৌ ওইরিবা ইপুথৌ পাখংববু লিলনি হায়জিনল্লকপা মতমদা, হিন্দুগী মতমদা পংয়েক য়েকশিনবনি। মীতৈ কংলৈচাশিংগী পুয়াগী ৱাহৈ পাফনগা মরি শুকলৈ লৈনদে।

কংলৈচাশিংগী পুয়াদা হায়রমলিবা 'সিংলি পাফন' য়াওরিবা 'পাফন' হায়বসি করিনো খংবিয়ু। ৱাহৈ অসি হৌজিক্কী মতমগী science কী ৱাফমদনি: ৱাকোকলোন ঈলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়ানা ꯑ ঈয়েক্কী মতাংদা ইরকপদা অসুম্না ইরি- "কায়াৎ ১১। অমতি সিংলি পাফন ১০৮ কী লুচিংপা পাফনলি ১০ নে। থোংলম ৯ নে। পনখৈ ৮ নে। ই.লম ৭ নে।" মতাং অসিদা থাইনগী ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা ইদুনা থম্লল্লিবা কায়াৎ ১১, শিংলি পাফন ১০৮, পাফনলি লুচিংবা ১০, থোংলম ৯, পনখৈ ৮, অমদি ঈলম ৭ হায়না ইরমলিবসি Blood Curculatory and Nervous system গী অৱাংবা থাক্কী science কী ২১শুবা চহীচাদা ঐখোয়না লাম্বা ফংদবা লৌশিংনি।

অমুক মথকতা পনজখিবা পুয়া অসিগী ꯀ গী মতাংদা ইরকপদা, মখাগী অসুম্না ইরি- "তলঙ ই.পুঙ লোইনপা অপকপা মসানা ওইপা মিহুন। তু। খুচিননচিংপা সিংলি পাফন ১০৮। মিহুন ৮৪। তাংশমলি ২৭। থাপুঙ ১০ কী ই.ফা ই.মেনফম। থোঙলোন ৯।পনখৈ ৮। ই.লম ৭।" মসিদা পুয়ানা পীরিবা science কী লৌশিং অসি মথকতা পীরিবা লৌশিং অদুগা অমতনি, অতোপ্পা মওংদা পীবনি, ঐখোয়না ইপা ইপুগী science কী লৌশিং অদু লাম্বা ফংদবকী ৱাফমদনি।

অইবনা মখাদা হৌজিক্কী science না পুথোকপা Blood curculatory and nervous system গী photo xerox অমা পীজরি:




মথক্কী ২১ শুবা চীহচাগী science কী লৌশিং অসিনি, ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা চহী লিশিং খরগী মমাংদা পুয়াদা ইদুনা থম্বিরম্লিবা অসি ঐখোয়গী কংলৈ ইপা ইপুশিং অসি থাইনগী মলেমগী লৌশিংগী লুচিংবশিংনি। কংলৈপাকনা থাইনগী মলেমগী লৌশিংগী শন্দোকফমনি (centre of civilization and knowledge) নি।

অইবসি Economics, Philosophy and Politics কী M.A. নি অদুগা Law Graduate নি। Sceince knowledge য়াম্না ৱাৎলি, য়াম্না পাবদগী খরা খংলকপনি। অইবনা ইজরিবসি তুংগী কংলৈচা নহারোলশিংনা থিগৎপা (Research) মতেং পাংনবা খরদং ইজবনি।

(৯) [illegible]- হৌজিক্কী কংলা লাইফমলেন। (ইম্ফাল কংলা) গী মমাংদা লৈবা ইম্ফাল তুরেলগী হিথাথেন, হৌজিক্কী পাউনম হিদেন হায়না খংনরবা মফম, হিতেন, অদুবু হান্না মীতৈ নিংথৌশিংনা কংলাদা পল্লিঙৈদা খংনরম্বা ১৮ শুবা চহীচা ফাওবা কৌরম্বা মমিংনি। হৌজিকতি হিন্দু নিংথৌশিংনা পানবা মতমদগী পাউনম হিদেন হায়না খংনরকই।

পাউতাক হিতেন করিনো?

পাউতাক হায়বদি পাউ + তাক, মফম অসিদা পাউতাক হায়বা ৱাহৈ অসিনা তাকলিবদি, থাইনা কংলৈ নিংথৌশিংনা থবক অমা তৌরমদাইদা



ইরেল অসিদগী পাউতাক লৌরমই, হায়বদি নিংথৌ ঐনা তৌগদৌরিবা থবক অসিবু ফত্রা নত্রগা ফত্তব্রা হায়বগী খংননবা ইরাৎ ইশোনগা লোইননা থৌজান নিরমই, তেংপানবা মপু মহাক্কী মফমদা। মপু মহাক্কী পাউতাক্কা লোইননা লৈপাক নিংথৌগী থবক চৎথরমই।

'পাউতাক হিতেন' হায়বা ৱাহৈশিংসি ৱাকোকলোল হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলেন পুকোক পুয়াদা য়াওবা ৱাহৈশিংনি।

"অসুম হাইনা মাইচৌ ৪ নে লৈপাক নিংথৌ মীয়ামনে পুমনামকতা মুয়াংপা নিংথৌনা পাউতাক হিতেনতকী হল্লকপা মতাংতা লীখিয়ে।।০।।

অসুম তালাপাকা মুংয়াংপা নিংথৌনা থাংখৌপোমপা খমশুনহা তাপু ফংচায়ে মৈতানা কৌপা খাকী লৈপাককী হিংচাপাপু হাৎপা ঙমচায়ে। লেপনা খঙপীও ।।০।।" মসিনি পুয়াদা ইরমলিবসি।

পাউতাক হিতেন (ইরেল) দগী করিগী পাউতাক লৌরমলিবা? ইশিংদা লৈবা লিলচাওদগী পাউতাক লৌবগী ৱাফমলা? নত্তে । মীতৈশিংনা লাই হরাওবদা ইশিংদগী লাই ইকৌখৎলি। মসিগী মরমদি ইশিংদা ইপা সলাইলেন সিতপগী মমি তাই। পুয়াদা য়াওরিবা 'সিতপাকী মসকতি মিনে।' হায়বা ইপা ইপুকী ৱাফম অসিদগী তাইপঙগী মপা ওইরিবা ইপা সলাইলেল সিতপকী (ইপা সোরারেলগী) ইশিংদা তাবা মমি অদু য়েংলগা, তাইপঙ মপু লাই মহাকমকনি খন্দুনা কৌখৎপনি। অদুগুম্না নিংথৌনা পাউতাক লৌবদসু, ইশিংদা তারিবা ইপা সলাইলেল সিতপাগী মমি অদু ইপা মহাকনি নিংদুনা মমি অদুদগী পাউতাক লৌরগা থবক চৎথবনি। হিন্দুগুমনা কংলৈচাশিংদি লিলচাও খারৌ নিংলম্বগী ৱাফম অমতা কংলৈগী ইনাৎকী পুৱারীদা লৈতে।

(১০) [illegible]- তাইপঙ মী (তাইবংমী), পোকপতা পঙথবা, তাইপঙ মী, হায়বা ৱাহৈ অনি অসিসু পুয়াদা য়াওবা, পুয়ানা লীখুন তাকপা ৱাহৈশিংনি। ৱাকোকলোন হীলেল থীলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা অসুম্না ইরি "ইচানা সালিপা মী অসিতি মথৌৱাইপু হাপতুনা লোমকাতপানা। লংপাচক ওইতুনা পোকলকতপা পুমনমকতি পোকপা সিপা নাইলাকতপনে।। মীমা পিপুকনুঙ কোনতকী তাইনাপা অসিতা থোকলকপতা ঙাইহাক পঙথাকতাপনে।। পঙথাপা অতুকী মতুঙ-ইন্না ইপানা তাইপঙ মী হায়না কৌলমকে"।।

⸱ফম অসিদা 'ইপা' হায়রিবা অসিনা 'সলাইলেন সিতপা', ইপা সোররেলনি, অদুগা 'ইচা' হায়রিবা অসিনা তাইবং মী শেম্মী (শাই) হায়রিবা লাইনিংথৌ সনা মহীনি। অদুগা 'তাইনপা অসিতা' হায়রিবা অসিনা 'সলাইলেন সিতপা' ইপা 'শোরারেল' অসিগা 'ইমা লৈমালেন সিতপী', মালেম লৈমা (লৈপাক) অসিগা অনিগী মরক্তা, থকতা খাকা তাইনপা অসিদা হায়রিবনি।

কংলৈচাশিংগী মীশেমলোনগী মতুং ইন্না, সলাইলেল সিতপা, নোংথৌ, ইপা শোরারেল অসিনা ইপানি, অদুগা ইমা লৈমালেল সিতপী, মালেম লৈমা (লৈপাক) অসিনা ইমানি। অনি অসিগী মরক্তা, তাইনপতা মালেম লৈমা (লৈপাক) থকতা তাইপঙ মীওইপা শেমই। মী শেম্নবা মতুংদা, পাকশন্না মীওইপা শম্বোকলকপদা, তাইপঙ মীওইবা মমা (নুপী) অমনা মচা পোকপা মতমদা, পোক্লকলিবা অঙাং অদুনা, মমাগী পীবুকনুঙদগী মালেমদা হেক তাবা (পোকপা) মতমদা ঙাইহাক পংথগনি, ঙাইহাক পঙথবা অসিনা মরম ওইদুনা, তাইপঙ পানপাগী মপা ওইরিবা সলাইলেল সিতপা মহাক্না, ঐখোয় মীওইববু 'তাইপঙ মী' হায়না কৌখিবনি হায়বনি।

'তাইপঙ মী' (তাইবং মী) কৌখিবগী অতোপ্পা মরম অমতা লৈতে।

(১১) [illegible] - পামহৈপা (পামহৈবা) হায়বা ৱাহৈ, মিং অসি ১৮শুবা চীহচাদা য়াম্না মমিং চৎপা, মীতৈ লৈপাক কংলৈপাকপু মথক মখা ওম্লম্বা কংলৈপাক্কী অহানবা হিন্দু নিংথৌনি। মহাক্কী মমিংসি গরিবনিৱাজ, গোপাল হায়রগসু খংনৈ। মহাক্না নিংথৌ ওইবা হৌবসি খৃ: ১৭০৯ দনি হায়না চৈথারোল কুম্বাবনা ই, অদুগা ইংলিস মচা অইবশিংনদি খৃ: ১৭১৪ দনি হায়। পামহৈবগী মতমদা মহাক্না নিংথৌ ওইরিঙৈদা কংলৈপাক অসি হিরম খুদিংদা মথক মখা ওম্বোকখি।

অহানবদা মহাক্না কংলৈপাকতা নিংথৌ হেক ওইবা মতমদা, খ্বাইদগী শাথিবা হংগোই নিংঙাই ওইবা তৌখিবা থবকতি নুপা লৈবা নুপী মঙা মাগী মাগী নুপাবু হাৎলগা লৌখিবা অদুনি। মহাক্না ইহান হান্না মশাগী য়ুমপান্নদুনা নুপা লৈবা, নুপাবু হাৎলগা লৌখিবা নুপীদি থাংজম নিংঙোল ইরোম ওংবী থম্বাল, নুপাগী মমিংনা ইরোম চাওবনি। থম্বালবু মাগী নুপা হাৎলগা কোনুংদা পুরক্লবা মতুংদা গোমতি হায়বা মিংথোল পীদুনা লৈমরেল ফমথোল পীখি।



থম্বালগী মতুংদা নুপী মরি অমসু, মাগী মাগী নুপা হাৎলগা পামহৈবনা নমদুনা লৌখি। মতাং অসিদা নিংশিংবিবা য়াবা অমনা, পামহৈবগী অয়োকপা মপা নিংথৌ চরাইরোংবগী মতমদা, চরাইরোংবনা য়াম্না নুংশিনা চোগে খুন্দগী পুরকপী চোথে নিঙোলবু, চরাইরোংবনা লৈমরেল ফমথোল পীগে তৌরুবদা, মাইচৌশিং অমদি মীয়াম্না য়াদবদগী তোকখিবা, অমসুং নোংপোক ইংখোলদা ইম্বোকতুনা থমখিবা অদু নিংশিংবিবা য়াই। চরাইরোংবগী মতম ফাওবা হিন্দুনা নিংথৌ ওইদুনা পান্দ্রিঙৈদা, নিংথৌ হায়বসি মীয়ামগী নিংথৌ ওইরমই। অদুবু পামহৈবগী মতমদগীদি নিংথৌসি মীওই মীনৈগী শকতম, খুন্নাইগী লীচৎপু ঙাকতবা নিংথৌ ওইরকখি।

মথংদা খ্বাইদগী শাথিবা পামহৈবগী থবকতি পুয়াশিং অমসুং অইবা লাইলীক পুম্নমক মৈ থাখিবা অসিনি। মহাক্না মালেমগী খ্বাইদগী লিবা খুন্নাই (civilization) অমগী অইবা খুদোল পুম্নমক তুমনা মাংহনখি। মসিগী মথংদা মহাক্না, মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা অমসুং scientific ওইবা মীতৈ ঈয়েক ১৯ বু নমদুনা শিজিন্নবা তোকহল্লগা বেঙ্গলী ময়েক ৩৫ নমদুনা চৎহনখি।

মথংদা কংলৈচা মীতৈশিংগী মপা মপু ওইরিবা লাই হায়বা মী কাংলুপ অদুনা কৌব্রুদগী কংলাদা ইহান হান্না কুম্লক্তুনা লৈরবা মতমদা, ঙসিদগী চীহ ২০,০০০ (লিশিং কুন) গী মমাং অদুৱাইদা লৈপাক অসিগী মমিং কংলৈপাক হায়না থোল্লম্বা লৈপাক মমিং অসিসু মুথৎলগা মনিপুর হায়না ওম্বোকখি। পুম্নমক অসি হায়বদি পামহৈবগী ফৎত্রবা থবকশিং অসিদা, শ্রীহৎতগী লাকপা পামহৈবগী ধর্ম্ম গুরু শান্তিদাস গোশাইনা লমচিংখি। মথংদা মহাক্না তৌখিবা থবক অমদি কংলৈচাশিংগী য়াম্না ৱাংবা লাইনিং মওং শকতম লাৎতবা, য়াম্ন spiritual ওইবা লাইনিং মওংবু, হিন্দুশিংগী শকতম লাৎপা লাইনিং মওং (statue লাৎপা) রামান্দগী ধর্ম্মদা ওম্বোকখি, নমদুনা চৎথখি।

মসিগা লোইননা নোংম্রং ইরুপ্পা পাংথোর্কলে।:

"নোংমা কৌবা মনোংয়াই নিংথৌ চৈরাক অকনববু থাদুনা লৈপাক পুম্বা লিলোংদা ইরুপয়ে। ৱাকচীং থাগী থানিল য়ুমশকৈশদা গুরুসু নিংথেমসু জুকুন থাংনা লিলোংদা ইরুপপবু য়াউরে। নুমিৎ অসিগী অহিংগী নোংয়াই পুংফমদা লিলোংদা ইরুপলুবা লৈপাক হুপনা কংলা নুংজেং ইকোনদা ইলুপহলে।

মনুংগী ইচেন খংনবা নুংখং ইরুপ্পবু কৌরে। লৈপাক ৱাথোক চাওরে মীহাৎ মীপুননা ইলুপহললে অদু নোংগীবু নুংখং ইরুকপা-ও তৌনা কৌয়ে। ময়াংগী ধর্ম্ম থারবদি ই-ওনা পুনসি পিখমনসি ৱাশকনরে হাইদবরা মদুসু মদোমদে"।

"লৈপাক ৱাথোক ওইরকলবদা লৌরেমবা অহল খোংনাং থাবনা নিংথেম মমাংদা খংহললে। 'নিংথেম নংবু তাহৌরো মীতৈ ইগী-লিচৎপু হোংদফদে হোংগনি হায়রবদি ৱারম অমসু হাইবিরমগে। ইপা ইপুনা চৎনরিবা লিচৎপু নমজা নমথেকনা মুথৎকে হাইববু তৌহৈদবনি। মদুগী তেকশিন হনজিনগদবদি নিংথেম লিৎপা য়ারোইয়ে। লৈপাক মীয়ামবু ৱারক চৈথেং পীদুনা মীহাৎ মীপুন তৌদুনা লিচৎ হোংহনবদি মতম খরতগীনে লৈপাক মীপুম ফাবা ওইথোকলোইয়ে।"

"ময়াং লমবোইবা মনিং তমনা থেমববু করি খংদবগে। মদু খংদবনা মনিংতম্না থেমববু খুদম ফংননবা নিংথেম কোলোই মিংথোল পিবিরমগে।" মথক্কী পুম্নমকসে পামহৈবা নারে লাথুপ হায়না খংনবা "শেম্বী মুকাকলৈ" দগী লৌথোকপনি। 'নিংথেম' হায়বা মিংথোল অসি মাইচৌ লৌরেম্বা খোংনাং থাবনা পামহৈবদা পীরম্বা মিংথোলনি। মতুংদা পামহৈবগী ধারা নালাবু 'নিংথেম মচা হায়না মিংগৌনরি।

মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ অসি য়াম্না থকশি খাশি লৈবা, তৌগদবা তৌরোইদবা খংবা মীওই কাংলুপ (Human race) অমা ওইনা লৈরমই। নিংথৌশি লৈপাক মীয়ামগী মহুৎ শিনবা, লৈপাক মীয়াম্বু ইকাই খুম্নবা, তেংপানবা মপুবু মুন্না মশক খংবা অথোইবা মীওইরমই। অদুবু ১৮শুবা চহীচা হিন্দুনা নিংথৌ ওইরকপদগীদি, নিংথৌশি লমচৎ নাইদবা, অচুম অরান থিদবা, মীয়ামগী য়েক্লবা ওইবা হন্থবা মখলগী মীওইশিংনা নিংথৌ ওইরকই।

মতাং অসিদা 'কোননুঙ' (কোনুং হৌজিক্কী লোম্দাদা) হায়বা ৱাহৈ/ concept অসিগী ৱাহন্থোক খংবিয়ু।

'কোন্নুঙ' = কোন + নুঙ। মফম অসিদা 'কোন' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা হায়রিবদি কোনশিন্দুনা থম্বা, নুঙাইনা থম্মোই নুঙাইনা থম্বা, পুকনিং খোয়দানা থম্বা তাকই। মথংগী ৱাহৈ মচেৎ 'নুঙ' হায়বা অসিনা তাকলিবনা, 'নুঙ' হায়বদি মীওইবগী থম্মোইনুঙগী ৱাখল, লৌশিং অপাম পামদ পুম্নমকপু খংনৈ। 'কোন্নুঙ' দা য়াওরিবা 'কোন' না কোনশিন্দুনা, লেংহন্দনা শাওহ্ন



দনা থমগদৌরিবা পোৎ অসি মীয়ামগী 'নুঙ' বুনি। মতাং **অসিদনি ঐখোয়না** খংলকলিবসি "মীতৈ লৈপাক্কী নিংথৌদি অরানবা শুকতৌ তৌদে, **মহাকতি** তাইবংদা লাকপা (লাংওন্দুনা লাকপা) তেংপানবা মপু মহাকপুনি, **মীৎনা** উবা লাইনি; মপু মহাক্না তাইবং শেম্লগা তাইবংচা পুম্নমকপু য়োকই, লোইনমকপু মহাক্না নুংশিনা তৌবগুম্না নিংথৌনা মীয়ামপু তৌই, মহাকতি লাইগী মহুৎনি" হায়না খংলকলিবশি।

মথকতা অইবনা ইজরিবা খরা অসি, কংলৈপাকতা পানখিবা অহানবা হিন্দু নিংথৌ পামহৈবগী মতাংদনি। খরা অসিনা অরোইবা নত্তে। মহাক্কী মতমদগী হৌরগা হিন্দু নিংথৌশিংনা চীং অমসুং তমগী মরি থদৎখি। চহী ৭ খুন্তাকপগী অহানবা থবকসু মহাক্না হৌখি।

হৌজিক্কী মতমগী লৈঙাক শাসন মওং অসিসু পামহৈবগী মতমদগী মরু হুনখ্রবনি।

(১২) [illegible] ([illegible]) – ঐখোয়না হৌজিক 'বামোন' হায়রিবা ৱাহৈসি থাইনা অইবনা য়াম্না নাহা ওইরিঙৈদদি অথাপ্পা খুঙ্গংশিংদদি 'পামোন' হায়রমই। 'বামোন' হায়বা ৱাহৈ মসিগী হৌরকফমদি 'ব্রহ্মন' হায়বা হিন্দুগী ৱাহৈ অসিদগী ওল্লকপনি। কংলৈচা মীতৈশিংদি ১৮ শুবা চহীচা ফাওবা ইয়েক (ময়েক) ১৮দমক চৎনরম্বা মরমনা, মখোয়না ইহান হান্না 'ব্রহ্মন' হায়বা ৱাহৈ অসি অহান্বা হায়বা হৈতদুনা 'পামোন' হায়, হায়বদি 'ব্রহ্মন' হায়বা খোন্থোক অসি পীবা ঙমদদুনা (pronounce তৌবা) হৈতদুনা 'পামোন' হায়বনি। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না অসুম অসুম ময়াং মচাশিং অসিগা তোয়না লোইনরকপদগী 'পামোন' দগী 'বামোন' তারকই। হৌজিক ফাওবা ঐখোয় মীতৈনা মী কাংবু অসিবু 'বামোন' হায়না কৌরি।

মীতৈগী ৱাহৈ 'বামোন' হায়বা মী কাংলুপ অসি ভারতকী লমগী 'ব্রহ্মন' হায়বা মী কাংলুপ অদুবুরা?

মতাং অসিদা অইবনা 'বামোন খুন্থোকলোন' হায়বা বামোনশিংগী হৌরকফমগী মতাংদা ইবা, ইহান হান্না থাংমৈবন্দগী হুংকোপা হায়রগা খংনবা লৈখিদ্রবা অহল ইবুংঙো অদুনা ১৯৩০ দা ফোংলম্বা লাইরিক অদুদগী খরা লৌখৎচরগা ময়ামদা উৎচগে, মীৎয়েং তাবিয়ু।

"মৈতিংঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তকতা লাকপা

নোংচুপ তখেন্দগী লাকপা মুভি নারায়ন্না হাওকৈ চনু থোইনু পান্নদুনা মাগী ঈদি ফুরাইলাৎপমনে।

তখেন্দগী লাকপা মিশ্রিপিতম্বরনা ঙাপ্রুম হাওনু হোংবী পান্নে। মাগী ঈদি পিতম্বর চৈথাবা ময়ুমনে"

"মৈতিংঙু নোংইন ফাবা সনা হাকতকতা লাকপা।

অৱাং হাওদগী য়ু খরুং পুদুনা য়োম্লৈয়ে। মাগী ঈদি হিদংময়ুম খরুংবমনে। খুরুখুন লোইতা চনু নিঙোল পান্নেএ।"

"মৈতৈংঙু পায়খোম্বা সনা হাকতকতা

৩৬। ব্রহ্মচারি চক্রবতিনা মতু লোইনরকই। মাগী ঈদি ব্রহ্মচারি ময়ুমনে।

৪০। নন্দগ্রামদগী মতিরাম ধোবী লাকয়ে। মাগী ঈদি ব্রহ্মপুর তাবা অঙোম লাই লাৎপা গুরুময়ুমনে।"

"মৈতিংঙু চরাইরোং সনা হাকতকতা।

৪৪। মথুরাদগী বিমল লাকএ। পাঙন চনু অয়া পান্নেএ অদুগা খারাবা (পাকএ। মাগী ঈদি হঙোইবমলে।)

৪৫। নদিয়াদগী লাকপা মনোহরদাসনা সোপু হাও চনু মাইতেকপী পান্নদুনা মা ঈদি মনোহরময়ুম কৌখরে।

৪৮। তখেন্দগী লাকপা গঙ্গারাম্না সেকতাকৈ চনু মাইমু পান্নদুনা মাগী ঈদি লাইময়ুম কৌখরে।

"মৈতৈংঙু গরিবনিৱাজ সনা হাকতকতা লাকপা।

৫৫। শিলোত্তগী লাকপা শন্তিদাস লম্বোইবনা মৈতিংঙু পামহৈব চনু ৱাঙমলোন পান্নেয়ে। ধরা লৈতে।

৫৬! শান্তিদাসকা লোয়নরকপা মলোমদাসনা কৈখু হাও চনু হাওবী পান্নেএ।"

৭৫। রামনাথ কৌবা দেশৱালি সনা সরোৎখাইবম চনু তোম্বী পান্নেয়ে। মীগী ঈদি শগোলমাং উনুং তাবা অধিকারী ময়ুমনে।"

অইবনা ফংলিবা 'বামোন খুম্থোকলোন' লাইরিক অসিগী মতুং ইন্না হৌজিক মনিপুরদা লৈরিবা বামোন য়ুম্নাক অসি পুম্না ৭৮ নি। মখোয়শিং অসি লোইনমক মপান্দগী লাকপা ময়াং ঙাকতনি। মখোয় মতু মচা লোইনরকপা ইয়াও য়াওদে। মখোয়না কংলৈপাকতা য়ৌরক্লগা কংলৈপাক্কী নুপী, হম্বুবা



য়াইথিবীগুম্বা কাংবুগী নুপীশিং পান্নদুনা মখোয়গী মচা মশু শন্দোক্লমই। **মখোয়** অসি পামহৈবা নিংথৌগী মমাংদদি, য়ুমতাংবা, শিনতাংবা মচিনচাক **থিবা** লাকপা মপানগী মীওই ঙাক্তনি। অদুবু পামহৈবগী মতমদা মীতৈনা হিন্দু **ওইরক্লবা** মতমদা মখোয়সি বামোনগী অৱাংবা থাক অসি ফংখিবনি। অদুবু মখোয়গী মরক্তা য়ু য়োনদুনা মথৌ তৌরম্বা, ধোবী, 'জাৎ' মফম মরাং খংদবা দেশৱালীগুম্বা কয়া য়াওরি। মনিপুরগী 'বামোন' শিং অদু ভারতকী মখোয়না অশেংবা অৱাংবা জাৎনি হায়রিবা 'ব্রহ্মন' শিং অদু নত্তে। মখোয়গী মরক্তা পাঙল লৌরগা শাগৈ শন্দোক্লম্বসু য়াওরি।

মনিপুরগী 'বামোন' শিং অসিদি ময়াং মচাশিংগা, কংলৈপাক্কী অতোনবা, হম্বুবা কাংবুগা, মতম অদুগী খুন্নাইগী ফিভমদা তিন্নরগা পোকখিবা মীয়ান (Hybrid) কাংবুনি। মখোয় ভারতকী অশেংবা 'ব্রহ্মন' হায়বা মী কাংবু অদু নত্তে।

(১৩) **[illegible]** - 'পালী অহানপা' হায়বা ৱাহৈশিং অসি পুয়াদা ময়েকশেংনা উৎপা য়াওবা ৱাহৈশিংনি।

পুয়াদা য়াওরিবা অসি য়েংবিয়ু। পুয়াদা অসুম্না ইরি "ই.পাগী অলীপা। পাকী লীলপা। পালী অহানপা। কোনশেন তুলৈ সেংপা মিংথোনপু ফংচৈয়ে॥০॥" তাইপঙ মালেম (লৈপাক) অসি তেংপালপা মপু ইপুঙলোই অপকপনা শেম্নবা মতুংদা তাইপঙ মালেম (লৈপাক) থকসিদা লৈনবা মী (তাইপঙ মীওইপা) শেম্নবা মপু মহাক্না মালেমদা কুম্নকই। মশকতি ꯑ (অমা) অসিনে।

মসিগী মরমদা পুয়া, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোকনা য়াম্না শেংনা অসুম্না ইরি। "লাইনিংথৌ সলাইলেল সিতাপকী মফমতা তলঙ লাইপাউ পীতুনা। নুমিৎ ৩নি লুপাকী অঙাংকী মতমকুমনা সনাকী মশক মালপা নৌৱা ꯑ (অমা) ওইনা লৈলমকে। ঐ অসিপু নহাককী নচামকনি নিঙতুনা ঐপু য়োকলো॥ হায়েং চক অমতা তাইপঙ পালপা মনুঙ ওইননপাতা। লাইয়ামসিঙকী ইয়েক খোনথোক মতুঙইন্না মাঙতানপা উলি ৱালি। মীন চিংনা অসি খৈপীকপু সা-লাকপা মতমতা ঐনা নঙকী নতেংপাংকনি হাইনা তলঙ লাইপাউ পীখিয়ে॥ লাইপাউকী লিখুন লীকলমপু লাইয়ামশিংনা তাচাখি॥০॥

"অসুম ওইপা লাইপাউকী মতুঙইননা সিতাপকী ইসাইফু ইলোন নুংতা নুমিৎ হুমনি সুপকী নৌৱাকী মৰোং ওইনা সনাকী মচু মানপা নৌৱা অমা লৈলমলে॥ নৌৱা অতুপু য়েংলকা সানাকী মশক মানপা অঙাঙপা মচুনা লৈতেংপা মাহী অতুপু উপাতা সানামহী হাইপা মিংথোনপু পীতুনা মচাকী মতমকুমনা লৌখৎলে। অসুম তৌনা লৌখৎলাপাকা লাইলেনপী সিতাপী লাইলেম মাতা পীসিনলে॥০॥

"লাইলেম মানা য়েংলবা ঙাংলৈনপা নৌৱা অতুপু উপাতা অঙাঙ মিংথোন ফংতুনা চেৎনা চাননা কোনস্নিললে॥ ৬নি সুপা নুমিৎতা ইখৌ ইপাল লাংহল্লে। ইম কৈ শেংথোকলে॥ ইপালী অলীপা। পাকি লীলপা পালী অহানপা। কোনশেন তুলৈ সেংপা মিংথোনপু ফংচৈয়ে॥০॥" পুয়াদা য়াওরমলিবা অসি মথক্কী পুয়াদগী লৌথোক্তুনা উৎলিবা অসিমকনি। পুয়াদা ইরমলিবা অসি মুন্না খংনবা হোৎনবিয়ু। পুয়াগী ৱারেং খরা অসিদা মালেমনা ঙস্নি ফাওবদা নিংথিনা খংদ্রিবা science কী ৱাফম কয়ামুক কংলৈচা মীতৈশিংনা খংলম্বগী ৱাফম শেংনা য়াওরবনি।

পুয়ানা মফম অসিদা হায়রিবসি, তলঙ মালং ওইনা লৈরিবা তেংপানপা মপু মহাক্লা মহাক তাইপঙ পানবা শেম্বা লাক্লগে হায়না তলঙ লাইপাউ পীরকই মহাক্কী মশকতি ꯑ (অমা) ওইনা লৈলমলে, অসিনি। মথক্কী লাইপাউ অসি সলাইলেন সিতাপা (space personified as God) পীবনি, পীরিবা লাইপাউ অসি লাইয়ামশিংনসু তাথি হায়বনি, অহানবা পন্দুপ পরেংশিং অসিনা হায়রিবনি।

অনিশুবা ৱাহৈ পরেংশিং পন্দুপ অসিদা হায়রিবনা, লাইপাউ অসিগী মতুংইন্না সলাইলেন সিতাপগী মশাগী ঈদা নৌৱা ꯑ (অমা) লৈরমলে, নৌৱা অদুগী 'সনাগী' হায়বদি তাইপঙ শন্দোক্লবগী মচু মানবা মহী অদু উবদা সলাইলেল সিতাপানা সনামহী মিংথোল পিরগা লাইলেনপী লৈমালেন সিতাপীদা পীশিল্লে হায়বনি।

অহুমশুবা ৱাহৈ পরেংশিংগী পন্দুপ অসিনা হায়রিবনা, লাইলেলমা সিতাপীনা নৌৱা অদুবু উরগা, নৌৱা অদুবু অঙাঙ মিংথোল পীদুনা নুংশিনা কোনশিল্লে। তরুকনি শুবদা অঙাং অদু শেংথোক্লগা "ইপালী অলীপা। পাকী



লীলপা। পালী অহানপা। কোনসেন তুলৈ সেংপা" হায়বা মমিং থোন্দুনা নৌৱা অদু য়োকখৎলে, হায়বনি।

পুম্নমক অসি মশক নাইদ্রিবা তেংপালপা মপু ইপুঙ লোইনপা ত পকপনা পীরকপা লাইপাউকী মতুং ইন্না সলাইলেন সিতাপা অমদি ইমা লৈমালেন সিতাপী অনিনা চৎথরকপনি।

'পালী অহানপা' হায়না পুয়ানা হায়রিবসি সনামহী লাইনিংথৌবুনি। মহাক অসি তেংপালপা মপু ইপুঙলোই অপকপা অদুনা তাইপঙতা থারকপা, তাইপঙ শম্বোক্লবা মশক ওন্দুনা ꯑ (অমা) ওইনা মপু মহাক্লা লাকপা, অদুবু পীদুনা মশাদা থম্বা য়াওরিবা লাইনুপা, তাইপঙ পালপগী অহানবা নুপা হায়বনি। ꯑ (অমা) হায়রিবা শকতম অসি, তেংপাল মপু অদুনা ইহান হান্না তাইপঙ পালপা শন্দোকপা লাকপা, কুম্লকপা অদুগী শকতমনি, (symbol) নি।

ꯑ (অমা), শীংথালোন চৈশিং অমা (অহানবা) কৌই। মসি তাইবং শেম্বগী ইহান হানবা, অমতা ঙাইবা মপু অদুনা লাকপা শকতমনি। ঐখোয়না উরিবা শকতম অসিদা য়াওরিবা (.) অসিবু পুয়ানা ই.লীক কৌই। অদুগা শকতম ꯑ অসিনা তিললাং (sperm) গী শকতমনি, পুয়াগী মতুংইন্না। তেংপালপা মপু, ইপুঙ লোইনপা অপকপনা মশাদগী ঈ মলিক (ঈলীক) অমগা লোইননা, শকতম লৈতবা মহাক্লা শকতম অসি লৌদুনা semen (sperm with blood) ওইনা তাইপঙ মালেমদা ইহান হান্না তাইপঙ শেম্বা কুম্লকপনি।

পুয়ানা তাকপা হায়বগী মতুং ইন্না, কংলৈচা মীতৈগী মীশেম্লোন (Theory of creation) দা, উ-ৱা তীল কাংদগী হৌরগা মী ফাওবদা য়াওরিবা gene হায়গেরা, DNA হায়গেরা পুম্নমকসি অমতনি, মশকনা ꯑ (অমা) নি। Modern Science কী ৱাফমনি।

'কোইলৌ নোংমতোন'গী মথকতা, কোইলৌ নোংমতোনদগী ৱাংনা লৈবা ইপুঙলোইনপা অকপনা সলাইলেল সিতাপা (space-অতীঙআ) দা তাইপঙ শেম্নবা ꯑ (অমা) পীরকই, হায়রিবা পুয়াগী লীখুন অসিনা তাকলিবদি, হৌজিক্কী মতমগী science না খরা খরা খংবা হৌরকলিবা, Life's extra terrestrial origin হায়বা অদুনি। কংলৈচা মীতৈশিংদি ঙসিগী চহী লিশিং মরি (চহী ৪০০০) গী মমাংদা খংলমলে। মথকতা উৎচখিবা পুয়াগী ৱাহৈ

ৱারেং শিং পন্দুপ অহুম অসিনা মীতৈ কংলৈচাশিংদি semen and sperm গী মতাংদা মলেমগী মীয়ামদগী য়াম্না হান্না খংলম্লে হায়বা তাকই।

(১৪) ꯄꯂꯦꯝ, ꯄꯜꯂꯦꯝ- পলেম (পল্লেম), পন্থৌ হায়বা ৱাহৈশিং অসি ঐবু পোকপা নুপী অমসুং, নুপা হায়বনি। খুন্নাইদা নুপাবু হেন্না মরু ওইনা লৌনবা মীয়াম মরক্তা, নুপী খংনবা ৱাহৈ পল্লেমনা হান্না হেক হেক পন্দুনা, শোন্দুনা শিজিন্নরিবা করিগীনো?

তাইপঙ মালেমসিদা ঐগা খ্বাইদগী-নক্লবা তাইপঙ মীওইবদি পল্লেম ইমানি। পলেমগা ইমাগা তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক লৈবা ৱাহৈ ওইরবসু, মীশকতি অমতনি, ঐবু পোকলিবী নুপী অদুবুনি। ঐ ওইগদৌরিবা তিললাং অদুনা পন্থৌদগী পল্লেম ইমাদা হেক তাবা নুমিৎতগী থাপুঙ তরা পল্লেমগী পীবুক নুংদা লৈরগা, ইমাগী মশাদগী ঐ ওইনা লাংওন্দুনা তাইপঙ লমজাওদা থোক্লকই। ঐ ওইনা লাংওন্নবগীদমক থাপুং ১০ পল্লেম ওইবী নুপী অদুগী মশা মনুংদা লৈ, পল্লি হায়বগীদমক নুপী অদুবু ঐগী পল্লেম কৌই। ঐনা মী ওইনা লাংওন্নবগীদমক হায়বদি মরুদগী মীওই মপুং ফাননবগীদমক থাপুঙ ১০ পলেমগী পীপুকনুংদা লৈরিঙৈদা ঐনা পল্লেমগী ঈনা ঐগী চীনচাক ওইনৈ, পল্লেম ওইবী নুপী অদুনা মশাগী ঈ মাংই হায়বদগী ঐগী পল্লেম ওইবী নুপী অদুবু ঐগী ঈমাং, হায়বদি ঐগী ঈ অসিবু মাংখিবা নুপী, ঈমাং কৌই। মমানা মচাবু 'ইচা' হায়রিবদি ঐগী ঈবু চাখিবা মী অঙাং হায়রিবনি।

পলেম (পল্লেম) = পল্লে + ইমা হায়বনি। ইমা = ঈ + মাং দগী ইমা হায়বা ৱাহৈ ওনখিবনি। মতম অমদা, ঙল্লিঙৈ মতমদা, মীতৈনা ঐ হায়বা ৱাহৈসিগী মহুৎতা 'ই' শিজিন্নরমই ইপা হায়বসি ঐগীপা হায়রিবনি। হৌজিক ফাওবা তাংখুল কাংবুনা 'ঐ'বু 'ই' হায়না শিজিন্নরি। পল্লুবগী মরমদি, ঈমাং হায়বা ৱাহৈ অসিদা য়াওরিবা ঈ অসি ঐগী ঈ অসি মাংখিবা নুপী হায়বগী ৱাহন্থোক ওইবসু য়াই।

পন্থৌ হায়বা ৱাহৈগী ৱাহন্থোকতি পন্দুনা লৈরিবা পোৎ অদুবু থৌথরকপা নুপা হায়বনি। থাইনা মমাংঙৈদা, ঐখোয়না হৌজিক 'ঐগী ইপা' হায়রিবা অসি হায়নরমদে, 'ঐগী পন্থৌ' হায়নরমই। মোইরাংথোইবীনা মাবু পোকপা মথং খনবদা 'পন্থৌ অপোকপা' হায়না মিংগৌনৈ। 'ঐগী পন্থৌনা তাকপিরম্বনি' অসুম্না ঙাংনৈ।



কংলৈ খুন্নাইদা মচা-নুপাবু 'পালী' (পারী), মচা নুপীবু 'ইমোম', 'মমোম' হায়না চৎনৈ। তেংপানবা মপুগী 'মী শন্থোক্লবা মতীক ময়াই' অদুবু নুপাদা থমদুনা, লীদুনা থম্লগা, মী মথং মথং সন্থোক্লবা শীল্লি। তেংপানবগী মপা অদুবু লীদুনা থমই হায়বগীদমক মচা নুপাবু 'পালী' কৌই। পালী অমনা চাওবা শাংবা মপুং ফারক্লবা মতমদা, নুপী অমগা লৈমিন্নদুনা, মঙোন্দা পন্দুনা লৈরিবা 'পা' অদুবু লৈমিন্নরিবা নুপী অদুদা থৌথদুনা 'পন্থৌ' ওইরকই। অসুম্না 'পালী' অমনা মচা 'পালী' 'মমোম' কয়া পোকতুনা পন্থৌ ওইরকই।

(১৫) ꯄꯔꯤꯡ ꯂꯥꯡꯁꯪ (পরিং লাংশং) - কংলৈচা মীতৈশিংনা লৈনবা ইম (য়ুম) অমা শাননবগীদমক খ্বাইদগী ইহান হান্না তৌবা থবকতি 'পরিং হুনবা' হায়বা থবক অসিনি। ইংখোলগী করম্বা মফমদা শাগদগে হায়বা লেপথোকপা, ইম শানবগী মফম অদু থাজনবীগী মতুং ইন্না খ্বাইদগী অফবা মফম অমদা লেপথোক্লবা মতুংদা, কয়া চাওনা, কা-কয়া লৈগদগে হায়না লেপথোকতুনা, চুক য়ুংদুনা পাকচাওবা, কা-কাগী মশিং খংনবা অরেপ্পা খংনবা থম্বা। মসিগী মতুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরম অমনা, ইম (য়ুম) অদু শাবা হৌনবগীদমক করম্বা মফমদা 'অহানবা উরেপ', য়ুম অদুবু শাননবগীদমক অহানবা উখোং য়ুংগদগে লেপথোকপা। হিন্দুগী মতমদা 'অহানবা উরেপ' য়ুংবা অসি 'জাত্রা' হুনবা হায়রগা খংনরকই।

তেংপালপা মপুনা, তাইপঙ মীওইপা অমা শেম্নবগীদমক খনবা হেক হৌরকপদা, মহাক্না অহানবদা মীশি করম্না, করম্বা মওংদা, মীওইপগী মশাদা করি করি য়াওগনি অসিনচিংবা কয়া অসি খনবা লোইরবা মতুংদা, মহাক্না তাইপঙ মীওইপা অমা শেম্বা হৌরকই। মসি মীওইবনা ইমকৈ শাদুনা পাল্লক্লবা মতমদা, অইবনা মথকতা খরা ইজরিবা 'পরিং-হুনবা' হায়বা অসিগা চপ মান্নে, তশেংবসু 'পলীং লাংসং' নত্রগা মপু মাগী 'পলীং লাংসং হুনবা' হায়বা অদু তমদুনা 'পরিং হুনবা' হায়না চৎথনরকপনি।

মীওইপা ঐখোয়গী 'হকচাং' হায়বা ৱাহৈসি ঙল্লিঙৈগী মতমদি 'হুকসাং' হায়না হায়রমই, 'হুকসাং' হায়বদি মপু মানা তাইপঙ হকচাং মনুংদা চংশিন্দুনা লৈরিবমখৈ হিংই, পুনসি নুংশাংই হায়বনি। তাইপঙ 'হুকসাং' হকচাংনা তেংপালপা মপুনা শেম্বনি, অদুগা মীওইবগী লৈনবা য়ুমনা মীওইবনা

শেম্বনি, অনি অসি শেম্বগী ৱাঙউলোন চপ মান্নে। মীওইবগী মশাদনা তিংপালপা মপু অদুনা তাইপঙপালপা মপু ওইদুনা লেংদনা লৈ, অদুগা মীং ইবগী য়ুমদনা সনামহী লাইনিংথৌনা, তিংপালপা মপুগী মহুৎ শিন্না লেংদনা লৈ।

'পলিং লাংসং' নত্রগা পলিং লাংসং হুনবা' হায়বদি তেংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা তাইপঙ পালপা মীওইব করমনা শাগনি, করম্না অমসুং কদাইদা হৌগনি লেপথোকপা হায়বনি।

'পলীং লাংসং হুনপা', পলীং = পা + লীং = পা হায়বদি তেংপালপকী মপা অদুনা, + লীং হায়বদি লীংদুনা, পান্দুনা লৈগদবা হায়বনি। লাংসং = লাং + সং = লাং হায়বদি লংওনবা, মীওইনা পোকপা + সং হায়বদি সংলেল, য়ুম হায়বনি। অদুগা হুনপা নত্রগা হুনবা হায়বনা মশক মতৌ, মফম কদাইদা অসিনচিংবা লেপথোকপা হায়বনি। ঐখোয় পুম্নমক্না তারে, মদুদি তাইপঙ মীওইপা অসি মপু মহাক্কী মশক য়েংদুনা সনামহী লাইনিংথৌনা শাখিবনি।

পুয়ানা অসুম্না হায়রি "অতুকুমপা তাইপঙ মী অতুতা লাইয়ামশিংগী ইয়েক ই.পী লাইয়েকশিংপু থুপনা থমনপকীতমক ই.পানা মী সাউও হাইপনে"। ৱাফম অসি সলাইলেন সিতাপানা, লাইনিংথৌ সনামহীদা মী শাবগী মতমদা হায়খিবনি।

সনামহী লাইনিংথৌনা তাইপঙ মী শাবা মতমদা কা ৭ তা হায়বদি লাইপুঙথৌ ৭ কী সকতমদা শাখি। তেংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপনা মী শানবগী থবক পুম্নমক অসি লেপথোকপবু 'পলীং লাংসং হুনপা' কৌই।

(১৬) ꯄꯨ ꯑꯃꯥ - ঐখোয়না পুয়াদা য়াওরিবা ময়াম অসি খংলকপদা, থাইনগী মীতৈ কংলৈচাশিংগী হৌজিক মতমগী science কী ৱাফম ময়াম অমা থেংনরকপদা, মীতৈ ইপা ইপুশিংগী তলঙকী লৌশিং (space science, Astronomical knowledge) ময়াম অসি উবদা, মালেমগী মীয়াম্না ঙক্লোইদবগী মরম লৈতে।

হৌজিক 'পু অমা' হায়রিবা ৱাহৈ অনি অসি থাইনগী ইপা ইপুশিংগী য়াম্না চাওরবা, মতম অদুগী ওইনা য়াম্না ঙক্লবা তলঙ লৌশিং (space science finding, astronomical finding) অমনী 'পু অমা' হায়বদি ইংলিসতা 'constellation' অমা হায়বদুনি।



পুয়ানা অসুম্না ইরি - "ই.নুঙলোননা থৌৱাইমিচাক অপকপা ওইপানা পু অমা কৌখলে। খুনুঙলোননা থৌৱাইমিচাক পী মলিক সিতপা চেওন তলেৎ হ.ইনা হ.ইখলে"।

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেং অনি অসি, ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা মপা মপুশিংনা তৌরম্বা, খংলম্বা অদু পুয়া পুম্নমক মৈ থাখিবদগী চীহ ৩০০ লোম তৎনখিবদগী; খংদবদগী তৌবনি, য়াম্না চাওবা লৌশিংগী খুমাং চাওশিনবা, মালেমগী মীয়ামদগী য়াম্না হেন্না তলঙ লৌশিং (Astronimical science হৈরম্বা) লৈরম্বগী খুদমনি।

মথকতা অইবনা পুয়াদা ইরম্বদগী লৌথোকতুনা উৎচখ্রবা 'পু অমা' হায়বসি থৌৱাইমিচাক ৭ (তলেৎ) না শাবা, হায়বদি ঐখোয়গী নুমিৎ (sun) কুম্বা অরংবা মঙাল থোকপা থৌৱাইমিচাক ৭না শাবা, মমিংনা পী মলিক সিতপা চৈওন তলেৎ, কৌবা, নত্রগা থৌৱাইমিচাক চৈয়োম ৭' হায়নসু খংনবা, নুমিৎকুম্না লংলবা, ঙাল্লবা শারবা থৌৱাইমিচাক (star) তরেৎকী অপুনবা, থানদবা কাংবু অমনি।

<u>মথক্কী ৱাহৈ পরেংশিং অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈশিং 'থৌৱাইমিচাক', 'পী মলিক' 'চৈওন তলেৎ' 'চৈয়োম ৭ অসি মুন্না য়েংবিয়ু, অমসুং খংনবা হোৎনবিয়ু।</u>

থাইনা কংলৈচা মীতৈশিংনা 'থৌৱাইমিচাক' হায়বদি, মীওইবা অমনা হিংবদা য়াওদবা য়াদ্রবা, হেক য়াওদবদা, লৈতবদা সিবা হায়বদু ওইরবা 'থৌৱাইমি' হায়বদি 'হে থৌৱাই মঙামক মিগা থানা তরুকমক' অদুগী 'চাক' হায়বদি মচাক পুম্নমক য়াওরবা তলঙদা পাইদুনা লৈবা পোৎ, English তা Star হায়বা অদুনি। 'পী মলিক' নত্রগা 'পী মলিক সিতপা' হায়বদি পীথোকলিবা মখৈ লোইদ্রবা 'মলিক' হায়বদি 'ই.লীক', অহিংবা পুম্নমক্কী মচাক, 'সিতপা' হায়বনা শুকসি শিররোইদবা হায়বনি। (চৈওন ৭ (তলেৎ), 'চৈওন' হায়বদি 'চৈ + ওন', চা + ই + ওন' হায়বদি চা হায়বদি মচা, অঙাং + ই. হায়বদি blood + ওন হায়বদি ওম্বা, ওইরকপা। মরম অদুনা 'চৈওন' = চা + ই. + ওন মী ওইরকপা য়াবা মচাক পুম্নমক য়াওরবা থৌৱাইমিচাক ৭ (seven star) হায়বনি। মথংদা 'চৈয়োম তলেৎ' হায়বদি 'চৈয়োম' = চা + ই + য়োম

হায়বদি অঙাং ময়োম, মী ময়োম য়াওবা 'থৌব়াৎমিচাক চৈয়োম ৭' হায়বদি (seven stars with Bundles of living being ) হায়বনি।

মীতৈশিংনা হিন্দুনা পালবা মতমদা, মমালোন, মপালোন কাউথোকখিদুনা, নমথাক্কী লাংদা থুখিবনা, হৌজিক লাইরিক লাইশু হৈরবা কয়াসু 'থব়াইমিচাক, থব়াইমচাক, থব়ানমচাক' অসুম্না ইনরি। মসি পুম্নমক লাম্লবা ঙাকতনি। তশেংবা ব়াহৈদি 'থৌব়াইমিচাক' হায়বনি।

পুয়াগী 'পু অমা' হায়রিবা অসি Astronomical science নি, Astronomical Finding নি। মালেমগী মনুংদা কংলৈচা মীতৈশিং না Astronomical science হৈবা, খ্বাইদগী অরিবা মী কাংলুপনি।

'থৌব়াইমিচাক মথী' তাবা মফমদা নুপী মীরোল্লি, হায়বসি অদুম হায়নদুনা লাকই। মসিনা তাকপদি মীতৈ কংলৈচাদি 'extra terrestrial origin of life' হায়বসি থাইনদগী চহী লীশিং কয়াগী মমাংদগী খংলকলে। ঐখোয়না হৌজিক ২১শুবা CE দা পুয়াগী মতেংনা খংলে।

নোংচুপলোমগী science না 2011CE দগী NASA গী Research Team অমনা, Extra terrestrial origin of life theory পুথোকপা হৌরে।

<u>হিন্দু নিংথৌশিংগী মমাংদা লৈরম্বা থাইনগী কংলৈ মীতৈ ইপা ইপুশিং অদু মালেমগী খ্বাইদগী শিংলবা, লৌশিংগী-পাঙ্গল য়াম্না ব়াংলবা মীওইশিংনি কাওবিগনু।</u>

(১৭) [illegible] - ইপুথৌ কোনচিন তুকথপা পাখংপাগী মচা ৭ কী মনুংদা অহুমশুবা মচা নুপা অদুগী মমিং খুমন কৌই। মীতৈগী শালাই ৭ লৈবগী মনুংদা খুমন শালাই হায়রিবা শলাইমমিং অসি ইপুথৌ পাখংপাগী অহুমশুবা মচা খুমন হায়বা অসিদগী লৌদুনা থোনবনি। খু.মনবু পোকপপী মমা ইবেম্মানা 'লোইখুমপী মব়াই থোংঙাইলেলপী কৌই। ইপুথৌ পাখংপাগী অহুমশুবা লৈমানি।

'পুমলেন' হায়বসি কংলৈপাককী মখা থংবা শরুকতা লৈবা লম, কংলৈপাক্কী সরুকনি। হৌজিকতি ঐখোয়না 'পুমলেল' হায়বসিবু পাৎ অমগী মফমগুম লৌনরে। থাংগৈ শেংবদি, পুমলেল হায়বসি পাৎ মচা মচা য়াম্না



লৈবা, ঙা শা-উচেক মরাং কায়না ফংবা কংলৈপাক্কী মখা থংবদা লৈবা, খুমন মশামক অমসুং মাগী শালাই শখাই ময়াম্না হিন্দু লকত্রিঙৈগী মমাংদা পাক সন্না তারম্বা কংলৈপাক্কী শরুকনি।

ইপুথৌ পাখংপগী কংলাগী সনা সংকায়তা মচা তরেৎমক পুন্না লৈমিন্নরম্বদগী খুমন্না ইহান হান্না হোংথোকপা মফমদি 'কুসঙ' দনি। কুসঙ হায়বা মফম অসি কংলাগী লম মনুংদা কদাইদা লৈবগে হায়বা অইবনা ঙসি ফাওবা খংদ্রি। খুমন্না মথং মথং পাল্লম্বা মফমশিংদি য়াইলীপোক (য়াইরিপোক) তা লৈরমই, মথংদা উমুখোংদা লৈরমই, মথংদা লৈকোইপুঙদা লৈরমই। অদুদগী ইকোন কোনবদা লৈখিবা মফমদি 'পুমলেন' দনি।

(১৮) [illegible] - পুঙতালিক হায়বা ব়াহৈ/concept অসি হৌজিক মীরোলনা তাবা সুকফং ফংদ্রবা ব়াহৈনি। ব়াহৈ অসি তাবদা, ব়াহৈ/ concept অসিগী ওইবা য়াবা ব়াহন্দোকসু কোক্লা পুথোকপা ঙম্লরোই। অদুবু হায়রিবা ব়াহৈ/concept অসিনা কংলৈ মীতৈশিংগী মীশেমলোনদা য়াম্না চাওরবা মফম অমদি কন্দুনা লৈ।

কংলৈচা মীতৈশিংগী ইনবা ই.য়েক ১৮ গী ১৩ শুবা ই.য়েক য়াং ([illegible]) গী মখাদা ব়াকোকলোন হীলেন থিলেল সলাই অমা ইলোন পুকোক পুয়াদা অসুম্না ইরি "সিতপা মপুতি তাইপঙ পালপাকী মাইকী অয়ুঙপা ব়াকোনকী চনিঙতা লোননা লৈলে হায়পকী লোনচা অলিপা য়াঙপী কৌয়ে। মিংখৈ মিংলেলতি পুঙতালিক কৌয়ে।।"

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ব়াহৈ পরেং অনি অসিগী খ্বাইদগী হানবা ব়াহৈ অসি হায়বদি 'সিতপা মপুতি', হায়বা ব়াহৈশিং অসিদা য়াওরিবা 'সিতপা মপু' হায়বা ব়াহৈশিং অসি 'তিংপলিপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা'বুনি। মথক্কী পরেংশিং অসিদা 'লোনচা অলিপা য়াঙপী' হায়বদি, 'লোনচা' লোন্না লৈবা অঙাং, মী ওন্নবা চা, 'অলিপা' হায়বনা মপু মানা পীরকপা লীদুনা লৈবা পোৎ, অদুগা 'য়াঙপী' হায়বনা মপুনা পীরকপা, য়াঙনা পীরকপা পোৎ হায়বনি। মথক্কী ব়াহৈ পরেংশিং অসিদা 'মাইকী অয়ুঙপা ব়াকোনকী চনিঙতা' হায়বদি মায় হায়না খংনরিবা কোক্কী শরুক অসিদা, মখা থংবা শরুকতা হায়বদি 'পিশুম' অনিগী ময়াইগী মথক ওইরপনা হায়বনি। পুয়াগী অহানবা পরেং অসিগী ব়াহম্বোকতি, অহিংবা থৌব়াই পানপানচিংপু শেম্নবা তিল্লাং (sperm)

অদু তাইপঙপালপা মীওইবগী (মীগীদা) ওইনা হায়বা তারবদি লাইপককী, মপু মানা লৈ হায়রিবা মফম 'ৱাকোনকী চনিঙ' হায়বদি 'পিশুম' অনিগী মরক অসিদা লৈ হায়বনি।

মরম অসিনা 'পুঙতালিক' হায়বদি পুঙ + তা + লিক = 'পুঙ' হায়বদি ইপুঙলোইপাদগী + 'তা' হায়বদি তারকপা, তুকথরপা+'লিক' হায়বদি লীক্লা, য়াম্না তাংনা পীরকপা 'তিললাং' (sperm) অদুবু হায়বনি।

Sperm or spermatozoon - "male reproductive cell. in mammals, sperms are porduced in the tastes and travel through the REPRODUCTIVE SYSTEM". Britannica Ready Reference Encyclopedia না অসুম্না ই।

খমওই য়াংওই শেকনিং পুয়াদা অসুম্না ই: "লাংয়েন সিতপতী সালাই পীসুম অনিমককী মলকতা ঙাননা লৈপনে।"

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা.ইলোন পুকোক পুয়াদাকী মখাদা অসুম্না ইরি- "লাংওন খুতিংকী মী।শা। খোংলি লাউল্লিপা অসি খৈপিক কী পুথোকনদমলে।।"

পুয়াদা হায়রিবা পুম্নমকসে কোকতা তিললাং (spermatozoon) শেমই, লৈ হায়বা ঙাকতনি।

মরম অসিনা নোংচুপলোম্না তিললাং (sperm) অসি নুপাগী ওইবা হকচাং কয়াৎ (Tastes) দা শুংই, পুথোকই হায়বসি ঐখোয়না য়ানিংদ্রি।

<u>Science কী ওইবা ৱাফমনি ঐখোয়না য়ানিংদ্রিবসি।</u>

(১৯) পাফন লমপুপা য়াঙপী থিলেল - 'পাফন লমপুপা য়াঙপী থিলেল' হায়বসি মীতৈ ই.য়েক ই.পী ১৮ অসি য়াওবা পুয়া অমগী মমিংনি। ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা ই.য়েক ই.পী ১৮ অসি মখাগী পুয়া তরেৎ (৭) অসিদা য়াওই হায়না ই- (১) কোইলৌ নুমিৎ খেনচঙলোন (২) ই. হীলেল থাচা খেনচঙলোন (৩) থৌৱাইমিচাক খেনচঙলোন (৪) সাকোক সালাই থিলেল (৫) খুনুঙলোন সাকোক থিলেল (৬) পাফন লমলুপা য়াঙপী থিলেল (৭) ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক।



ঐখোয়না হৌজিক ই.য়েক ১৮ গী মতাংদা শেংনা খংলকল্লিবসি, ইকোন কোম্বা (৭) শুবা পুয়া অসি ফংবদগীনি। অতৈ তরুক অদুদি পুয়া মৈ থাখিবদগী লোইনা মাংখ্রে হায়না লৌবা তারে, ঙসি ফাওবা ঐখোয়না ফংবা ঙমদ্রি।

(২০) [illegible]' - পোলপী লাং হায়বসি ই.নুঙলোন খুনুঙলোন ই.য়েক ইবা থাইনগী ইপা ইপুশিংগী পুয়া তরুক লৈবদগী অমনি। পুয়া ৬ অদুদি (১) পোলিপীলাং (২) লাপালোন য়াঙপী (৩) ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা ইলোন পুকোক (৪) থৌৱাই মিচাক খেনচঙলোন (৫) সাকোক সালাই থিলেল (৬) খুনুঙলোন সাকোক থিলেল।

পুয়া ৬মক অসি পুয়া পুম্নমক মৈ থাখিবদগী ঐখোয়না ঙসিফাওবা অমতা ফংদ্রি। অদুবু অহানবা পুয়া 'লোলকীলাং' হায়বা পুয়া অসিদি হিন্দুগী মতমদা ইপা ইপুশিংগী শেংলবা ৱাংলবা ৱাখলবু তুংদা লাক্কদৌরিবা কংলৈচা মীরোলদা লান্না পাউতম্লবা 'পোম্বীলাং' হায়বা লাইরিক অমা 'পোলপীলাং' মান্নবা শেমজিল্লগা ফোংদোকলে। ইপা ইপুবু তুংদা লাক্কদবা মীরোলনা লান্না লৌনবা, ইপা ইপুশিংগী শেংলবা মচা মশুশিং ওইরিবা কংলৈচা মীরোলশিংনা, ইপা ইপুশিংদা লংজনবা শেমজিনখিবা লাইরিক্কি 'পোম্বীলাং'।

পোম্বীলাংদা মমানা মচাবু থা ১২ (তরানিথোই) নাউপুরবনি। ৱাফম অসি অইবনা ২০০৬ তা ফোংখিবা "ৱাকোকলোল হীলেল থিলেল সালাই অ.মাই.লোন পুকোকতা পাবীয়ু, মুন্না খংবিগনি।

(২১) পিসুম- হৌজিক ইজরিবা, 'পিসুম' ৱাহৈ অসি ঐখোয় মীওইবগী মীৎকী মথকতা শম হৌবা কোন্তক তৌবা অনি অদুবুনি। ঐখোয়না হৌজিক ২১ শুবা চীহচাদা, 'পিসুম' হায়বগী মহুৎতা 'পীশুম' হায়না ইৱাই ইনিন পীনিংই। অদুবু পুয়াদদি মসি তশেংনা 'পিসুম' হায়না ই। মতমগী মতুং ইন্না খোম্থোক ইৱাই ইনিল হোংলকপা ওইরকপা ওইরম্বা য়াই।

পুয়াদা ইরিবা অসি য়েংবিয়ু: 'লাইকী ফমপীতি অসিনে খঙপীও।। চুপ অমাতি সিতপা মপুকী মমিপু ফাতুনা লেঙহনতনা সুমলে। থমলে। পকলে। হাইপকীপু পিসুম কৌয়ে। পিসুমকী লাইমিং মমিংপু ই.নুঙলোননা পি কৌয়ে খুনুঙলোন খোম্থোক ই.নিননা পা কৌয়ে।। পা কী ই.য়েকতি অসিনে ([illegible]) লেপনা খংপীও।।০।।"

মথক্কী ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোকতগী [illegible] মতাংদা ইবা অদু লৌথোক্লকপা অসি মুন্না পাবিয়ু। মসিদা ইরিবা অসি অইবনা মথকতা 'পুঙতালিক' কী মতাংদা হায়রিবা অদুগা চপ মান্নে।

মতাং অসিদা হায়রিবনা তাইপঙ মীওইপা শন্থোক্লবা লাকখিবা তেংপালিপা মপু অদুবু 'পিসুম' অনিগী মরক "তাইপঙ পালিপাকী মাইকী অয়ুঙপা ৱাকোনকী চনিঙতা", " ফাতুনা লেংহনতনা সুমলে। থমলে। পকলে। হাইপকী পিসুম কৌয়ে।। হায়বনি। পিসুম অনিগী মরক্তা লাইপকতা তিংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপানা তাইপঙ পালপা মপু কৌনা লেংতনা লোন্না তুমিন্না লৈ হায়রকপনি।

লোন্না তুমিন্না সুমতুনা লৈরিবা মপু মহাকপু, তাইপঙ মীওইপা নুপা নুপী অনিনা ইরাং, লাকপা মতমদা, তুমিন্না লৈজবা মপু মহাকপু হৌদোক্লুবদগী মীতৈগী ৱাংউলোনগী ৱাখল ৱাংনা য়াওরবা লাই হরাওবগী "কে কে! মো মো! য়েনখোঙ ফত্তে চাশললো, লাইগী য়েননি চাফরোই" হায়বা ৱাংউলোনগী ৱাফম অসি লাকপনি।

পিসুম অনিগী মরকতা লাইকপতা লৈরিবা লাই অসি তিংপালপা মপু, তাইপঙপালপা মপু অদুনি, 'পা' নুপানি হায়রকপানি। 'পা' হায়বনা তাইপঙ মীওইবা শন্থোকপা মতমদা পিনবা পোৎনি (sperm) নি হায়রকপনি। মফম অসিদা য়াওরিবা 'পা' হায়বা ৱাহৈ। Concept অসি মিৎকী পা অমসুং পিসুমগী সমগা করিগুম্বা মখলগী মরি লৈনদে।

(২২) ꯕꯤꯛ ꯕꯦꯡ (বিক বেং - Big Bang)- অইবনা মফম অসিদা ইজরিবা ꯕꯤꯛ ꯕꯦꯡ ( Big Bang)- হায়বসি নোংচুপলোমগী science না Big Bang Theory of the origin of the universe হায়বা মালেমনা য়ানরবা তেংপাল অসি হৌরকপগী ৱাখল্লোন অদুনি। মসি কংলৈচা মীতৈশিংনদি ঙসিগী মমাং য়ামদ্রবদা চহি লিশিং মরি (৪০০০) গী মমাংদা খংলমলে। কংলৈচা মীতৈশিংগী পুয়া অমদি অইবা লাইলীক পুন্নমক ১৮শুবা চীহচাদা হিন্দু নিংথৌশিংনা মৈ থাদোকখিবদগী মতম খরা ঐখোয়বু মিৎ তাংহনখিবদগী অমসুং পংশিনহনখিবদগী, মতম খরা মমলুরবসু, হৌজিকতি ঐখোয় কংলৈচাশিং মীকপ থোক্লকপদগী, তশেংনমক ইপা ইপুশিংগী লৌশিংশি খংলে। ঐখোয় কংলৈচাশিংনা মালেমগী, মরু ওইবা নোংচুপলোমদগী Big Bang theory অসি হান্না খংলমলে।

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়ানা ইরমলিবসি য়েংবীয়ু: "ই.পুঙলোই অপকপনা মথননতা লৈপা য়াততুনা হাইনা



হুমমকপকী হুঙ।হুং। কী ই.ৱাই ই.নিলনা নীকসিললকতুনা ফমচিললকপতা। থেংনালুপা অতুপু লাইকী মসানি হাইতুনা লাইসা (লৈসা) হাইনা কৌখিবা অতুপু ই.নুঙপুঙতকী ই.পুঙলোইনপা অপকপনা ফুকখৎ চীংখৎ থাংখৎ সাকপতা লোইনলকপা। অমতি লাইসাপু থেংনাপতকী থোকলকপা কামপী। লাইচা মালঙপা হাইনা কৌখিবা। লাই পুথৌ ৭ কী লাইমিং থোনতুনা ই.মাই ফাউখিবা। ই.মাই অতুপু লাইকী খুৎতমনি-লাই মাললে হাইতুনা মালেম হাইনা কৌখিবা। তাইপঙপালপা অমা ওইলকনপা ই.পুঙলোইকী নুংপুঙ ৱাখনতকী থোকখিবা পুমনামকপু তাকপীলকে খনতুনা অমতি থককা খাকা তাইনপা অনিকী মলকতা। লাইকী মহৈপু তাইপঙ মীওইনা পালহললে।"

ই.পুঙলোইনপা অপকপা (তিংপালপা মপু) না মথন্তা লৈবা য়াদ্রদুনা, হুঙ, হুং মখোন থোকনা হাই হুন্নপদা, মৈ, ইশিং, নুশিৎ অমদি লাইসা (লৈসা), লাইপুঙথৌ ৭ কা লোইননা মালেম (earth) থোকলে অমদি থককা খাকা তাইনপতা হায়বদি অতীঙআগা মালেমগা তাইবদা মী শেমলে, পালহললে, হায়রিবা পুন্নমকসি তাইবঙপালবা শেম্বা হৌবা নত্তনদি করি ওইফম থোকই। মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱারেং অদু মুন্না পাবিয়ু, ৱাফম অসি শোয়দনা তারক্কনি, ইপা ইপুশিংগী ৱাখল্লোন অদু শোয়দনা উবিগনি অমসুং খংবিগনি।

Big Bang theory গী মতাংদা Britannica Ready Reference Encyclopedia না মখাগী অসুম্না ইরি- "big bang model of the origin of the UNIVERSE, which holds that it emverged from a state of extremelyhigh temperature and density in an explosive expansion 10 billion - 15 billion years ago."

মথক্কী Encyclopedia গী ৱাফম অসি, মীতৈ কংলৈচানা চীহ লিশিং কয়াগী মমাংদা খংদুনা ইরম্লবা, অদুবু পুয়া পুন্নমক মৈ থাখিবদগী হৌজিক ঐখোয়না করম্না অসুক ঙন্না খংলমলিবনো হায়বদি হেক হায়বা ঙমদ্রবা, নোংচুপলোম্না Big Bang হায়না science না খংনদুনা ঙরাং নহান্দা পুথোক্লকপা theory নি। মসি ২১শুবা চহীচাগী লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংনা য়াবিফম থোকই।

কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা ইরম্বা "ই.পুঙলোই অপকপনা মথননতা লৈপা য়াততুনা হাইনা হুমমকপকী হুঙ।হুং কী ই.ৱাই ই.নিননা নীকশিললকতুনা ফম.চৈলকপতা। থেংনলুপা অতুপু লাইকী মসানি হাইতুনা লাইসা (লৈসা) হাইনা কৌখিবা। অতুপু ই.নুঙপুঙতকী ই.পুঙলোইনপা অপকপনা ফুকখৎ চীংখৎ থাংখৎলকপতা লোইনলকপা। অমতি লাইসাপু থেংনাপতকী থোকলকপা কামপী। লাইচা। মালঙপা হাইনা কৌখিবা ............... তাইপঙমীওইনা পালহললে।" হায়রিবা পুন্নমকসি, নোংচুপলোমনা science কী লোন্দা "Big Bang Model of the origin of the UNIVERSE, which holds that it emerged from a state of extremely high temperature and density in a explosive expansion." হায়না ওন্থোক্তুনা হায়রকপদনি। মনুংগী ৱাখলদি চপ মান্নে।

খেন্নবা অমা শেংনা  হায়বা তারবদি western science না কনানা Big Bang  থোকহল্লি হায়দে, নোংপোকলোমদা কংলৈচা মীতৈনা ই.পুঙলোই অপকপা মহাক্না হায়না হুন্নকপগী মহৈনি "হুঙ। হুং" হায়বসি পল্লি। 'হুঙ' হায়বসি Big Big গা মান্নে। Science কী theory তেংপালপা মপু Universal God Father অদু য়াওদে, ঐখোয় মীতৈ কংলৈচাগীদি God Father মহাক্না তৌবনি।

Science লমদা য়েংলবসু কংলৈচা মীতৈগীনা হেন্না concrete ওই, খংবদা নুংঙাই; নোংচুপলোম science কীনা universe হায়বা, মসিবু শেম্বা হায়বসি করিনো হায়দে।

অমা খংদে, অমা খংদে, নোংচুপলোমদগী নোংপোকলোমদা কংলৈচা মীতৈশিংনা তেংপালপা শেম্বগী মতাংসি চহী লিশিং কয়া হান্না খংই হায়বা অসিমদি চেনবা য়াদ্রে হায়না থাজে।

(২৩) ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯅꯨꯡꯁꯥꯡꯄ (পুনশি নুঙশাংপা) - কংলৈচা হায়বা মী কাংলুপ অসিগী লোন মীতৈলোন হায়বসি মালেমগী খ্বাইদগী লিবা মী কাংলুপনা ঙাংবা লোন ওইবনা, হায়বদি মখোয়গী খুন্নাই (civilization) অসি খ্বাইদগী লিবা ওইবনা, লোন অসিগী হৌরকফম, লোনগী মনুঙদা চেল্লিবা ইচেন খংবদা য়াম্না লুই, থিগৎ থিগৎলুরগা ফজবা হেল্লকই।



Dr. G.A. Grierson গী 1904 C.E. দা ফোংবা হৌখিবা Linguistic Survey of India,Vol III- Part III গী লামাই ৮ দা মীতৈলোন (মহাক্না Meithei হায়) গী মতাংদা অসুম্না ইরি - "Probably owing to the fact that it has developed into a literary language, their form of speech gives the impression of possessing a peculiarly archaic character. Although they have become thoroughly subjected to Hindusim, they have not adopted any Aryan tongue,...".

"But this much seems certain, that Meithei has preserved some traces of a more ancient stage of phonetical development. It some times agrees more closely with Burma, and even with Tibetan, than with the Kuki chin Language proper".

মসিনি ১৯শুবা চহীচাদা India গী লোন পুন্নমকপু ফজনা নৈনখিবা Dr. Grierson না মহাক্কী Languistic Survey of India দা হায়রমলিবসি। তশেংনমক ২১শুবা চহীচাদা ঐখোয়না ঐখোয়গী অশেংবা পুয়া, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক নৈনবদা খংলকলিবা, ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা মালেমগী মীয়ামদগী হান্না শিংই, science সু ঐখোয়না হান্ন  খংই.... অসিনচিংবা কয়া খংলকলিবসি Mr. Grierson না হান্না খংদুনা ইরম্লবনি।

<u>ঐখোয় মীতৈলোন হৌজিকসু ৱাংলি, ফজরি, কনাদগীসু তাদে, হেনগদৌবদনি। ঐখোয়না হৌজিক ৱারিবদি, অশেম্বা, অরৈবা, শান্তিদাস ময়াম অসি করম্না নমথগদগে হায়বসিনি।</u>

পুনসি নুংসাঙপা (পুনশি নুংশাঙবা) - পুনসি = পুন + সি, মফম অসিদা 'পুন' হায়রিবা অসি 'পুনপা', পুনবা হায়বনি, ৱাহম্থোকতি চৎখিদনবা পুন্দুনা থম্বা হায়বনি। করিবু পুন্দুনা চৎখিদনবা থম্লিবা হায়না হংলবদি, 'সিবা' হায়বা মীওইবগী থৌৱাই সিনা হকচাং (হুকচাঙ) দগী হেক চৎখিবা, হকচাংবু থাদোক্লম্লগা চৎখিবা অদুবু হায়বনি। অহানবা হেক উবদা পুনসি হায়বা ৱাহৈ অসিদা হায়রিবা অসি হকচাংনা 'সিবা' বু পুন্দুনা থম্বা মাল্লি। অদুবু অনিশুবা ওইনা মুন্না খন্থরকপা মতমদদি ঐখোয়না খংলিবসি, 'পুনসি' হায়বসিদা

ঐখোয়না চৎখিদনবা ফাদুনা পুন্দুনা থম্লিবদি মপু মহাকপুনি, মপু মানা হকচাং থাদোক্তুনা চৎখিবা মতমদা 'সিবা' হায়বদু ওইগদৌরিবনিনা।

মীওইবগী হকচাংসি তাইপঙপালপা মপু মহাক্কী লাইশংনি। লাইশং অসিনা মোৎলক্লবা অমদি পুমথ-পৎথরক্লবা মপু মানা লৈনিংলোই, মপু মানা লৈবদা মতিক চাবা লাইশং ওইরকলোই। ফত্তবা চিনচাক চাদবা, অফবা থবক তৌদুনা, হকচাংদা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক চাং কায়দনা থমদুনা লৈবনা পুনসিনি।

'নুঙসাঙপা' করিনো? নুঙসাঙপা = নুঙ + সাঙপা, কংলৈ মীতৈশিংগী লোন্দা য়াওরিব 'নুঙ' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিগী ৱাহম্বোকতি মী অমনা পোকপদগী শিবা ফাওবা, লেপ্পা লৈতনা ৱাখল খল্লিবা, অফ ফত্তা খংলিবা, নুংশিবা, নুংঙাইবা খংলিবা শাওবা ৱাবা খংলিবা পুম্নমক অসিগী মওং মীদা লৈরিবা পাঙ্গল, মতীক য়াই অদুনি। মসি পুম্নমক অসি মী অদুনা হেক শিবা মিকুপতা তোকখ্রগনি। লেপতনা পোকপদগী শিবা ফাওবা লেপতনা, তৎপা লৈতনা ওইরিবা পুক্লিং ৱাখল মতীক অসিবু নুঙ হায়না কৌই। "নুঙসাঙপা' হায়বদি মীওইবা পুনসিগী অসিগুম্বা মওংগী পুকনিংগী ৱাখলগী মতীক ময়াই অসিবু 'সাঙবা' হায়বদি তেনবা নত্তবা হায়বনি। মরম অসিনা 'পুনসিনুঙসাঙপা' হায়রসিনা ফোংদোকলিবদি মীওইনা মতম শাংনা নুঙাইনা হিংবা হায়বনি

## ꯅ (ন)

মথক্তা পীরিবা শকতম ꯅ অসি কংলৈ মীতৈশিংগী ইনবা ই.য়েক ১৮ লৈবগী মনুংদা তরুকশুবা ই.য়েকনি। শকতম অসি মীওইবগী হকচাংগী কোকতা য়াওরিবা তানবগী কায়াৎ ওইবা 'না' হায়বা কায়াৎ অদুগী শকতম লৌরগা য়েকপনি। পাবগী খোম্বোকসু 'না' হায়না পাই।

'না' হায়বা ই.য়েক অসিগী মরমদা পুম্বাদা ইরিবসি "হৈ-না মপান থাপা হা-না মা-উ লিংপী কৌপতি ফমপী কোনতগী নৌৱা অঙাং মলু হুনপা ওইখিয়ে।।" হায়রসিনা অহানবা পরেংনি। ৱাহৈ পরেং অসি অয়াম্বা মপুংফারবা মীওই খুদিংনা খংবিরমগনি খল্লি। ৱাহৈ পরেং অসিগী ৱাহম্বোকতি



পম্বৌ ওইবা নুপা অমগী মশাদগী 'সানা তিললাং' (semen + sperm) অদুনা পলেম ওইবী নুপী অমগী মশাদা তাবগা, তাইপঙ মীওইপা অমগী তাইপঙ মরু হুল্লে। অদুগী মতুংদগীদি অঙাং মরু অদুগী মা-উ (হকচাং-Body) শাগৎপদি পলেম ওইবী নুপী অদুগী মশা নুংদা তৌই হায়বনি। ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াগী 'ꯅ' গী মখাদা য়েংবিয়ু।

মখা পরেংদা য়াওরিবা 'নুঙসা' হায়বা ৱাহৈ/concept অদু শাগৎলিবা নৌৱা অঙাং অদুগী মশাবু হায়বনি। নুঙশা = নুঙ + সা, নুঙ হায়বদি হকচাং মনুংদা, সা হায়বনা মরু হুনখিবা মরু অদুদগী শাগৎলিবা সা, মশা, পুয়াদা 'মা-উ' হায়রিবা নৌৱা অদুগী মশাপু হায়বনি।

পলেম ওইবীগী পীবুক্লুংদা তাইপঙ মরু অদু নোংমা নোংমগী চাওখৎলকতুনা ইরম খোংলম সুনা শেমলে, 'না', 'নকোং' সেমলে। তাইপঙ পালপা মপু অদুনা মথৌৱাই হাপলে, নিংশা হোল্লকলে। 'নুংসিৎ' থোক্লতুনা ইলম খোংলম শেংথোকলে মসিনি পুয়ানা ꯅ গী মতাংদ হায়রিবসি।

পুয়ান মতাং অসিদা 'ꯅ' গী মমিং খোম্বোক অসি 'না' হায়না কৌরমলিবসি 'না' হায়বদি মীতৈলোন্দা 'হোৎনবা' হায়বনি। পুয়ানা ই.য়েক অসিগী মমিং 'না' হায়না কৌরমলিবসি পলেম ওইবী পীবুকনুংদা চাওখৎলকলিবা অঙাং নৌৱা অদুনা পীপুকনুংদগী মপালগী তাইবংগা শম্নবা হোৎনরকপা অদুবু উৎপনি।

(১) [illegible] - হৌজিক হৌজিক চহীচা ২১ শুবা অসিদসু ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা 'ঙামু মিতম ঙা' হায়বদি ঐখোয়না হৌজিক চারিবা 'ঙমু' হায়বা ঙা অসিবু খংনদুনা শিজিন্নরি। থাংগৈশেংবদি 'ঙমু মিতম ঙা' হায়বা নত্তে, 'নমু মিতম ঙা' হায়বনি। ঙা মখল অসিবু কংলৈচা মীতৈশিংনা পুনসিগী লুরবা থৌরম থৌদোক কয়াদা 'উসিন ঙা' ওইনা শিজিন্নবা মরমনা, 'নমু মিতম ঙা' হায়বসি করিনো হায়বসি শেংনা খংফম থোকপা ৱাফম অমা ওইরকই।

তিংপালপা মপুগী শকতম লৌরিবা লাইনিংথৌ সলাইলেন সিতপনা মচা নুপাগী শকতম লৌদুনা, তিংপালপা মপুনা তাইপঙ শেম্বা লাকলিবা সনামহী লাইনিংথৌদা মী শারো হায়না য়াথং পীরকলে। মপাপুঙ সলাইলেল সিতপকী য়াথং মতুংইন্না সনমহী লাইনিংথৌনা মী শাবা হৌখরে।

সনামহী লাইনিংথৌনা অহানবা শাবা পোৎলম অদু সনামহী লাইনিংথৌনা মী শারে হায়দুনা মপাবুং সলাইলেন সিতপাদা কৎসিল্লে। সলাইলেন সিতপনা মিৎয়েং তারবা মতুংদা, মহাক্না সারিবা পোৎলম অদু মীনি হায়বা য়াদ্রে। অদুবু ইচানা শারিবা পোৎলম অসিদি মাংপা য়াদবনা, মথৌৱাই হাপ্লগা মমিং থোন্দুনা থাদোকখ্রসি হায়দুন, 'নমু মিতম ঙা' হায়বা মিংথোল অসি পীদুনা লাইচ ইলোননুংদা থাদোকলে। সনামহী লাইনিংথৌনা ইহান হান্না শাবা তাইবংগী থৌৱাই পানপা পোৎ অদু 'নমু মিতম ঙা' অসিনি, হৌজিক ঐখোয়না 'ঙমু' হায়না কৌদুনা, কংলৈচা ঐখোয়গী পুনসিগী অরুবা থৌরম থৌদোক কয়াদা 'উশিন' তৌবদা শিজিন্নরিবা ঙা অদুনি।

'নমু মিতম ঙা' গী ৱাহন্থোক করিনো?

'নমু মিতম ঙা' = নমু = ন + মু, মফম অসিদা 'ন' হায়রিবা অসি 'না' নত্রগা 'নাপা' হায়বদি হোৎনবা থবক তৌবা হায়বনি, 'মু' হায়বনা খংদবা, উদবা হায়বনি। সলাইলেন সিতপানা মী শাও হায়বসি, মী হায়বদু সিনি, মী মান্নবা শাও হায়দুনা তাকপা নত্তে, সনামহী লাইনিংথৌনসু মানা শাগদৌরিবা মী হায়বা পোৎশক অদু শুকখং খংদবা শাবা হেকতা হৌরকপনি। মরম অসিনা 'নমু' হায়বদি শুকখং খংদনা, সনামহী লাইনিংথৌনা মানা শাগদৌরিবা মীদু শুকউ উদনা খংদনা হেকতা শাবা হোৎনরকপনি। খংদা উদনা হৌরকপা অসিবু 'নমু' কৌই।

'মিতম': মি + তম, মফম অসিদা 'মি' হায়বদি তেংপালপা মপুগী মি, মমি হায়বদি মশক হায়বনি। 'তম' হায়বনা তমদুনা, মপু মান্নবা, মদুগুম্না হায়বনি। মপুগী মশক মতৌ অদু য়ৌনবা তমদুনা হায়বনি। 'ঙা' হায়বনা মপু মাগী মাশক মান্নবা তমদুনা শাবা অহানবা পোৎলম অদু 'ঙা' ওইনা মথৌৱাই হাপ্লগা ইশিংদা থাথোক্লপা 'ঙা' হায়বনি।

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা [illegible] মতাংদা ইরকপদা " মিতা সাইওন তৌতুনা পোকপা সিপা তাইপঙ মীনা। মীতৈ হাইনা কৌখলে।।০।।" হায়রিবা অসি মুন্না পাবিয়ু। সনামহী লাইনিংথৌনা মী শানবা হোৎনরকপসি পুয়াগী ৱাফম অসি তানবা হোৎনরকপনি।



মতাং অসিদা লৌশিং শোইরোম্বা মশাগী ওইজবা খকতা উবা কাংবু অমনা, 'মৈতৈ' হায়বা ৱাহৈ (concept) অমা পুথোক্কুনা, হিরম খুদিংদা লৈহৌমী (Indigenous) ঐখোয়বু মাংনবা শিল্লিবা অদু ওইথোকলোই, ঙল্লিঙৈদা হন্থোকচহৌবনা ফগনি।

মীতৈ মীয়াম্না তিন্নপা খন্ন-নৈনবা অমদা, ৱাঙাংলোই অমনা "ঐনা মীয়ামদা হংগৎচরি" হায়বসিগী মহুৎতা "ঐনা মৈয়ামদা হংগৎচরি" হায়বা য়াগদ্রা?

(২) [illegible] - ঐখোয়না হৌজিক "খোইয়ুম লাইরা, নমু তাইপঙ মীরা" হায়বা ৱাহৈ কয়া অরিবা লাইরিক, ৱারীদগী তাবা ফংলি। মসি কংলৈচা মীতৈশিংগী 'মীশেমলোন' তাকপা ৱাহৈ ৱাতানি। মথকতা সনামহী লাইনিংথৌনা, সলাইলেল সিতপনা মী শাও হায়রগা 'নমু মিতম ঙা' শারকপগী ৱাফম খংবিখ্রে।

অহানবা সনামহী লাইনিংথৌনা শারকপা, মী শারে হায়দুনা সলাইলেন সিতপদা কৎশিল্লকপা, সলাইলেল সিতপানা মীনি হায়বা য়াদদুনা 'নমু মিতম ঙা' কৌদুনা লাইচ ইশিংদা থাদোকখিবা, ঐখোয়না উখ্রে।

সনামহী লাইনিংথৌনা মথং মথং মীনি হায়দুনা অহিংবা পোৎশক কয়ামুক শাদুনা সলাইলেল সিতপদা কৎশিল্লে। পুম্নমক সলাইলেন সিতপানা মীনি হায়বা য়াদ্রে। ইকোন কোনবদা সনামহী লাইনিংথৌনা 'য়োং' অমা শারে। সলাইলেল সিতপাদা মী শারে হায়দুনা, য়াম্না থাজবগা লোইননা কৎশিল্লে। মদুসু সলাইলেন শিতপানা মীনি হায়বা য়াদ্রে।

মতাং অসি য়ৌরবদা, সনামহী লাইনিংথৌনা মপাবুং ইবুংঙো সলাইলেল সিতপাদা মহাক মী শাবা ঙমদ্রে হায়না চংজরে।

সলাইলেল সিতপনা, সনামহী লাইনিংথৌদা অদু ওইরবদি 'ঐগী সক য়েংদুন মদু মান্নবা সারো', মী ওইরগনি হায়না পাউতাক পীবদগী, সনামহী লাইনিংথৌনা মী শাখি (create তৌখি)। সলাইলেল সিতপানা সনামহী লাইনিংথৌনা ইকোন কোন্না, সলাইলেল সিতপাকী মশক, মমি য়েংদুন শাখিবা অহিংবা পোৎলম অদুবু মীনি হায়বা য়াখ্রে। সনামহী লাইনিংথৌনা শারিবা মী অদু মালেমগী খ্বাইদগী অহানবা তাইপঙমীনি, মমিং 'নমু তাইপঙ মী' হায়না থোনখি।

নোংচুপলোমনসু 'Man is created in the Image of God', 'Man is the Image of God' অসুম্না হায়।

A Bible study of MATTHEW by Rose A. Goodman says in Genesis 1;26-31 "A god said, let us make man in our image, after our likeness".

অৱাংবা থাক্কী ৱাখলগী মওংদা, মী হায়বসি তেংপালপা মপুগী মমিদা য়েংদুনা শাখিবনি, হায়বসি মালেমদা নোংপোক নোংচুপ পুম্নমকনা য়ানৈ। অদুবু মসিগী ৱাখলগী মওংসিদা, মালেমগী মী কাংলুপ অমতনা, মীতৈগী ৱাখল্লোনগী মওং অসিদা, মসিগা মান্নবা theory দি লৈতবগুম তৌই।

কংলৈচা মীতৈগীদি সনামীহ লাইনিংথৌনা মী শাবগী ৱাখল্লোন, Theory অমা লৈরিবসি, creation theory নি, Evolution Theory নি, অৱাংবা থাক্কী ৱাউলোন্নি, মালেমগী থাকতা। কংলৈচা মীতৈগীদি পুয়াদা তেংপালপা মপুগী মমিদা মশকতা য়েংদুনা মী শাখিবনি হায়না তশেং তশেংনা ইরিবনি।

(৩) [illegible] -ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক লোল্লিবা মীতৈ লোন্দা 'নোংপোক' হায়রগা ঐখোয়না মাইকৈ অমা, হায়বদি English না East হায়রগা থংনবা মাইকৈ অদুবু খংনৈ। তশেংবদি 'নোংপোক্কী' ৱাহম্বোকতি অহৌবদদি (original দদি) মসি নত্তে।

নোংপোক = নোং + পোক, 'নোং' হায়বদি নোংথৌ, অতীংআ, অতীংআ সিতপা অহাংবা, সলাইলেল সিতপা হায়বা ৱাহৈ/concept মরি অসি english না space হায়না খংনবা পোৎশক অদুবুনি। 'পোক' হায়বনা পোকপা হায়বদি মী পোকপা, শা পোকপা অসিনচিংবদা য়াওরিবা পোকপা হায়বদুনি।

শমনা হায়বদা 'নোংপোক' হায়বগী ৱাহম্বোকতি নোংথৌ, অতীঙআ, সলাইলেল সিতপা অতীঙআ অহাংপা, মরি অসিবু পোকপা হায়বনি। মথকতা ইজরিবা নোংথৌ, অতীঙআ, অতীঙআ সিতপা অহাংপা, সলাইলেল সিতপা মরি অসি পোকশক অমখকতগী মমিংশিংনি হায়বদি খংবিরমগনি।



পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোনদা ইরিবা অসি য়েংবিয়ু- "ই.নুঙলোননা নোংথৌ হাইনা কৌখলে। খুনুঙলোন অতীঙআ হ.ইনা হ.ইখলে।।" "তলঙ ই.পুঙলোইনপা অপকপনা ই.য়েক ১৮ অমতি সীংথালোন চৈসীঙ ই.য়েক ꯱ (অমা) সাইওনতুনা অতীঙআ সিতপা অহাংপ হ.ইনা কৌখলে।।" পুয়াগী মফম অসিদা অসুম্না ইরম্বা অসিনা, নোংথৌ, অতীঙআ, অতীঙআ সিতপা অহাংবা অহুম অসি অমতনি হায়বসি খংই।

অদুগা পুয়া অসিদা, সলাইলেন সিতপা হায়বা অসিদি হৌজিক ঐখোয়না ইপা সোরালেন কৌরিবা ঙমখৈ লৈতপা ঐখোয়গী ইথক অমদি অকোইবদা লৈরিবা অহাংবা কোইলৌ নোং অমদি অহাংপা অতীঙআ অসিবুনি হায়বসি মফম কয়াদা ইরি। মরম অসিনা 'নোংপোক' হায়বদি মায়কৈগী ৱাফম নত্তে, ইপা সোরারেলবু পোকপা, শেম্বা তিংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা অদুবু হায়বনি। মথকতা পুয়াদগী লৌথোকতুনা উৎচখিবদা, ꯱ (অমা) হায়বা সকতম অসিদি তাইপঙ পানবগী অহৌবা অমতা ঙাইপা ইপুঙলোইনপা অপকপা অদুগী মশকনি। নোংথৌ, অতীঙআবু পোকই হায়বদগী নোংপোক নিংথৌসু কৌই।

(৪) [illegible] - 'নোংপোক চীঙখৈ অপানপা' ৱাহৈশিং/ concept অসি মীতৈ শলাই তরেৎকী লাইপুঙথৌ তরেৎ লৈবা অদুগী অহানবা লাইপুঙথৌনি হায়বদি পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইহেলান পুকোক পাবিরিবা খুদিংনা শোয়দনা থেংনবিরল্লগনি। অনিশুবা লাইপুঙথৌনা অৱাঙপা কৌপালুনি। অসিনচিংবা...।

পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল অসিদা "মপুকী কোনপু ই.য়েক কোনপুঙ ৱাকোকপুঙ কৌয়ে।।" "কোনচীঙ কৌয়ে।।" "ৱাকোন কৌয়ে।।"

ই.য়েক [illegible] কী মতাংদা পুয়া অসিদা "কোনুপঙ ৱাকোনপুঙ" "কোনচীং", "ৱাকোন"হায়রিবা পুম্নমক অসি তাইপঙ মীওইবগী মশাদা লৈবা মফম, তেংপালপা মপু অদুনা তাইপঙপালপা মপু ওইরক্তুনা তাইপঙ মীওইবগী মশাদা লৈবা মফম, তেংপালপা মপু অদুনা তাইপঙপালপা মপু ওইরকতুনা তাইপঙ হকচাংদা লৈরকপা মফম লৈফমনি। মীওইবগী লাইপকতনি।

'চীঙখৈ' হায়বসিসু চীঙ + খৈ হায়বদি চীঙখৎপগী ঙমখৈ, হায়বদি অমুকসু চাখি থকখিবা পুম্নমক অদুবু চীংখৎলগা কোক্কী মনুংদা শেম্বা অপানপা হায়বদি সম্বোং অপানপা হায়বদি সনামহী লাই অদুবুনি।

খাইনগী কংলৈচা মীতৈশিংনা, তাইপঙ মীওইববু শেম্বা তেংপালপা মপু অদুনা কোকপু হান্না শেম্নগা লাইপকতা লৈদুনা হকচাংগী কয়াৎপুম্নমক শেম্নকই, অদুগা মীওইবগী হকচাংদসু চাখি থকখিবা পুম্নমক অদুদগী অফবা পুম্নমক চীংখৎলগা কোকতা 'অপানপা', 'শন্থোং অপানপা' 'সনামহী' 'তিললাং' মী শানবা মরু (seed) অদু শেম্মী হায়না খংলমই। science কী ৱানি।

মরম অসিনা "নোংপোক চীঙখৈ অপানপা" হায়বদি মীওইবগী মশাদা লাইপকতা "ৱাকোনপুঙ" দা লৈরিবা তাইপঙ পালপা মপু, তাইপঙ মীওইববু শন্থোক্লবগী মথৌ তৌরিবা লাই তাইপঙ মপু নোংপোক অদুবু হায়বনি। মায়কৈবু নত্তে।

পুৱারীগী য়াম্না তমথিবা মতম অমদা কংলৈচা মীতৈশিংবু হিন্দু ওলহল্লবা মতুংদা, ঐখোয়না 'লাংমাইচীং' 'লংমাইচীং' হায়না মীশেল্লোনগা মরি লৈননা কৌজবা চীং অসিবু 'নোংমাইজিং' হায়না মমিং ওন্থোকখি। মফম অসিদা ঐখোয়না খুফম য়াদুনা লাৎচরম্বা 'নোংপোক চীঙখৈ অপানপা' লাইনিংথৌবু "নোংপোক মহাদেবা" হায়না মমিং ওন্থোকখি। মীতৈগী পুৱারী অমসুং ইনাৎপু নোংচুপকী মপুং ফাদবা লাইনিং ইনাৎ ওন্থোকখি।

(৫) **ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ (নোংপোক মায়কৈ)**- কংলৈচা মীতৈ কংলৈ তম্পাক্কী মমাং থংবা মায়কৈদা লৈবা শেলোই লাংমাইচীংদা লৈবা মায়কৈ অসিবু নোংপোক মায়কৈ কৌই। শেলোই লাংমাইচীংনা লৈবা মায়কৈ অসিবু মতৌ করম্না নোংপোক কৌরিবনো হায়বদো খংমিন্নসি।

মালেমগী মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না হায়বদি মালেম্না মতোমতা মশাগী Axis তা ঘরি (খোংচৎকী ওন্নতৈনবদা লৈরকান্দা, মফম অমগী 'নুমিৎ থোকপা', নুমিৎ তাবা থোকই। মতাং অসিদা 'নুমিৎ থোকপা' হায়রিবা অসিমমক 'নোং ঙানবা' হায়রগসু খংনৈ। 'নোং ঙানবা, হায়বসিগী ৱাহন্থোকতি, 'নোং' হায়বদি নোংথৌ, অতীঙআ (space) অসিবু হায়বনি, অদুগা 'ঙানবা' হায়বনা ইঙান ঙান্না উবা হায়বনি।

মতাং অসিদা 'নোংপোক' কৌখিবনা নোংথৌ, অতীঙআ অসি 'নোং ঙানবা' হায়বা মতম অসিদা, থোক্লকই, উরকই, পোক্লকই হায়বনি। হায়রিবা 'নোং ঙানবা' হায়বা মতম অসিদা, নোংথৌ, অতীঙআ (space) অসি



উরকপা থোক্লপা, পোক্লকপা অসি নুমিৎ খুদিং থোকলিবনি। মতৌ অসুম্না চহী মশিং খংদনা অয়ুক খুদিংগী মায়কৈ অশোমদগী নুমিৎ থোকপা, অতীঙআ নোংথৌ, (space) পু উরকপা, পোক্লকপা উরকপা অসিদগী কংলৈচা মীতৈশিংনা মায়কৈ অসিবু 'নোং' বু 'পোকই' হায়না অসুম খনখিবা মায়কৈ অসিবু 'নোংপোক'হায়না খংনরমই।

অইবনা 'মতমগীখোঙলৈ', 'নোংপোক', 'নোংঙানবা' অসিনচিংবা হায়রিবা অসিদা, নোংচুপলোম্না ইকুই কুইদনা খংলকপা Modern Science কী ৱাফমদা কয়ামুক য়াওরি। খংবিবদি খংবিরে, খংবিদবা ইকাই খুম্নরবা অপাবাশিংনা খংনবা হোৎনবিয়ু।

(৬) **ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ** - 'নোংপোক' হায়বা ৱাহৈ অসি, মায়কৈ অসি মতৌ করম্না কৌনরকখিবনো, খংনরকখিবনো হায়বসি খংবিরবদি, 'নোংচুপ' হায়বা মায়কৈ অসিবু, ৱাহৈ অসিবু খংবদা য়াম্না লাইরগনি। 'নোংচুপ' হায়বা ৱাহৈ অসিদা য়াওরিবা 'নোং' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা অইবনা মথকতা ইজখিবা অদুগা চপ মান্নে, নোংথৌ, অতীঙআ অসিনচিংবা, English তা space হায়রগা খংনরিবা ৱাহৈ অদুনি। মতাং অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈ মচেৎ 'চুপ' হায়বা অসিগী ৱাহন্থোক্লা চুপখিবা, মাংখিবা, লৈখিদবা, উখিদবা হায়বনি। মরম অসিনা 'নোংচুপ' হায়বা ৱাহৈগী ৱাহন্থোকসু খংবিরম্লগনি।

নুমিৎনা ঙান্না লংনা অতীঙআ অসিদা ঙাল্লম্বদগী নোংচুপ হায়না খংনবা মায়কৈ অশোমদা, নুমিৎনা তাখিবগা লোইননা, নোংথৌ, অতীঙআ অসিসু উখিদে, মাংখি, চুপখি হায়বা থৌদোক অসিচ চহী মশিং খংদনা কংলৈচাশিংনা অদুম উদুনা লাকপদগী মায়কৈ অসিবু 'নোংচুপ মায়কৈ' কৌনখি। অসুম্না 'নোংচুপ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি পোকখি।

(৭) **[illegible]**- ১৮ শুবা চহীচাদা হিন্দুশিংনা কংলৈপাকতা পান্দ্রিঙৈগী মমাংদা, নিংথৌ কোনুং লৈরিবা মফম কংলা (ইম্ফাল কংলা) দা লৈরম্বা কোন্নুংদা লৈমাশিংগী অঙাং উনফম ওইবা শঙলেন অমগী মমিংনি। 'ৱাঙকোনশঙ' হায়না খংনবা কোন্নুংগী লৈমাশিংগী অঙাং উনফম শঙলেন অমসু লৈরমই।

নোংহুমসঙ = নোং + হুম + সঙ, মফম অসিদা ‘নোং’ হায়রিবা অসি তেংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপনা কুমথরকপা মফম, হুমথরকপা মফম হায়বনি। ‘নোং’ হায়বদি নোংথৌ, অতীঙআ হায়বনি, ইপুঙলোইনপা অরুপপনা শাইওনবনি। থাইনা মমাংঙৈদা, কংলৈচা মীতৈশিংনা তেংপালপা মপু (তিংপালপা মপুসু কৌবা) ইপুঙ লোইনপা অপকপনা, তাইপঙ মালেমদা কুমথরকপা মফমনি হায়না থাজনবা মফম অমদা সঙলেন লাইশঙ অমা খুফম য়াদুনা শঙলেন অমা শাদুনা মপু মাবু খুরুম্বা মফমনি।

‘নোংহুমশঙ’ হায়না খংনবা শঙলেল অসি, ইপুথৌ পাখংপাগী লোইনবী খ্বাইদগী অতোনবী ‘নোংহাইনু লিলী লৈমানা মহাক্কী অহানবা মচা ইবুংঙো ‘সলাই লৈশাংথেম’ পোকখিবা মফমনি।

(৮) **নোংতমলেন অৱাংপা** - ‘নোংতমলেন অৱাংপা’হায়বসি, ইপুথৌ পাখংপাগী অনিশুবা মচা ইবুংঙো লুৱাঙ নিঙথৌকা, লাইলেলপী অঙাইপীকা পানতুনা পোকপা, ইপুথৌ পাখংপাগী অনিশুবা মশুনুপাগী মমিংনি। কংলা কোন্নুংগী নিঙথৌ মশাইকোন্দা পোকপনি।

(৯) **নোংতমলেল অখুপা** - ‘নোংতমলেল অখুপা’ হায়বা অসিনা, ইপুথৌ পাখংপাগী অহুমশুবা মচা ইবুংঙো খুমননিঙথৌকা লাইলেলপী খুঙাইপীকা পানদুনা পোকপা ইপুথৌ পাখংপাকী অহুম শুবা মশুনুপাগী মমিংনি। মহাকসু কংলা কোন্নুংদা পোকপনি।

(১০) <u>নোংতম</u>- ‘নোংতম’ = ‘নোংতম’ হায়বা ৱাহৈ অসি হৌজিক্কী মতমদা ‘নোংদম’ হায়না মফম মরাং খংদনা শিজিন্নে।

‘নোংতম’ = নোং + তম, ‘নোং’ হায়বনা তেংপালপা মপু তিংপলিপামপু ইপুঙলোইনপা অপকপা মহাকপু হায়বনি। ‘তম’ হায়বনা ‘তমপা’, লাইপক্লা তম্বা, মীওইবগী মপুনসিদা শিদ্রিফাওবা লেংদনা মীওইবগী লাইপকতা লৈবা লাইনিংথৌ তেংপলিপা মপু (তাইপঙপালপা মপু) মহাক্লা ‘তমপা’, পুনসিদা ওইয়ু হায়না তম্লকপা অদুবু হায়বনি। কংলৈপাক্তা ‘নোংদম’ কৌবা খুনসু, মীগী মমিংসু লৈ।



(১১) <u>নোংমাইচীং</u> - ‘নোংমাইচীঙ’ নত্রগা নোংমাইজিং হায়বা ৱাহৈ অসি ১৮ শুবা চীহচা হিন্দুশিংনা কংলৈপাকতা পাল্লকপদগী, কংলৈপাক্কী হৌখিবা মতমগী মঙাল অমদি কংলৈচাশিংগী অৱাংপা ৱাখলগী পুককৈবু মাংহন্নবা, ‘লংমাইচীঙ’ নত্রগা ‘লংমাইচীঙ’ হায়বা ৱাহৈগী মহুৎতা শেমজিনখিবা ৱাহৈনি।

১৮শুবা চহীচাগী মমাংদা নোংমাইচীং নত্রগা নোংমাইজিং হায়বা লৈরমদে। নোংমাইচীং নত্রগা নোংমাইজিং কৌবা মফমসু লৈরমদে। মসি হিন্দুশিংনা পাল্লিবা মতমদগীদা লৈরকপনি।

হৌজিক ঐখোয়গী ইম্ফাল তম্পাক অসিগী নোংপোকলোমদা লৈরিবা চীং অসিসু নোংমাইচীং (নোংমাইজিং) চীং কৌদে শেলোই লাংমাইচীং কৌই। কংলৈচা মীতৈ ঐখোয়গী লংমাইচীংদগী হৌরগা থাঙচনা লোইবা নুমিৎ ৭ নি লৈ। নুমিৎ তরেৎনি অসিবু কংলৈচাশিংনা ‘চৈওন’ কৌই, নুমিৎ অমমম্বু ‘চৈওন অমা’ কৌই। ‘চৈওন’ হায়বগী ৱাহন্থোকতি, চৈওন = চৈ + ওন, মফম অসিদা ‘চৈ’ হায়রিবা অসি চা + ঈ, অমুক ‘চা’ হায়বনা অঙাং, মী, ‘ঈ’ হকচাংগী ই. (ঈ), ‘ওন’ হায়বনা ওল্লকপা হায়বনি। ‘চৈওন‘ হায়বদি, মরম অসিনা, তেংপালপা মপুগী ‘ৱাকোন’ দা লৈবা ‘মি’, ৱাখলগী ওইবা শকতম ওইদবা অদুবু শকতম লৈবা ঈ তোংনা শাবা মী ওল্লকপা হায়বনি, শম্লা হায়বদা তাইপঙ মী শেল্লকপা হায়বনি।

মী শেম্বসি কোকতগী হৌই। তেংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা কোক্কী শরুকতা মীওইবনা ‘লাইপক’ হায়না কৌরিবা মফম অসিদা লৈবা মপুগী কোন ওইগদৌরিবা পুয়ানা ‘ৱাকোনপুঙ’ হায়বা মফম অসিদা লৈরগা, মীওইবগী কোক্কী শরুক অসি শাবা হৌই। মফম অসিদা মপু মানা মৈ, ইশিং, নংশিৎ, লৈপাক, অতীঙআ মঙা অসিবু চিংশিল্লগা মী শাবা, তাইপঙ মী শেম্বা হৌই। মী শাবা হৌবা নুমিৎ অসিবু ‘লঙমাইচীং’ কৌই। নুমিৎ অসি English না Sunday, অদুগা হিন্দুশিংনা Rabibar কৌই। মপু মানা তাইপঙ মী শেম্বা হৌবা নুমিৎনি।

মীতৈ তাইপঙ মী শেম্বা হৌবা নুমিৎপু করিগী 'লংমাইচীঙ' কৌরিবা?

লংমাইচীং = লাং + মাই + চীঙ, মফম অসিদা 'লাং' হায়বদি 'লাংওন' লকপা তাইপঙ মী ওল্লকপা হায়বনি, 'মাই' হায়বনা মায়দা লাইপক্তা হায়বনি অদুগা 'চীঙ' হায়বনা চীঙশিন্দুনা, চীঙখৎতুনা হায়বনি। পুন্নমক অসিগী ৱাহন্থোকতি, 'মি' গী মশক ওইরবা মপু মানা থৌৱাই মঙা হায়বদি মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক অমদি অতীংআ মঙা অসিবু লাইপক হায়রিবা মায়গী শরুক অসিদা পুনশিল্লগা 'লাংওন' লকই, 'হে থৌৱাই মঙামক মিগা থানা তরুকমক' হায়বা থৌৱাই + হকচাং অদুবু শেম্বা হৌরকই হায়বনি। মালেমদা করিগুম্বা মফমদা লৈতবা তাইপঙ মী শেম্বগী ৱাংউলোন (মীশেমলোন) অসিবু, ১৮ শুবা চহীচাদা হিন্দুশিংনা লাকপদা থেংনবদগী কল্লমনখিদুনা মসিগী খ্বাইদগী হেনবা ৱাংউলোন (Theory) অসিবু তুংগী কংলৈচা মীরোলনা খংদনবা মুথৎনবা হোৎনখি। চীন্দা পুবা, কোকতা চুখ্রবা 'লাংমাইচীঙ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি পুয়া মৈ থাবদা য়াওবা য়াদবনা, মৈ থাবনা মুথৎপা য়ারকত্রদুনা, 'লাংমাইচীঙ' গী মহুৎতা মফম মরাং খংদবা ৱাহৈ 'নোংমাইজীঙ' হায়বা ৱাহৈ অমা শেমজিল্লগা হিন্দুগী মতমদা চৎনবা (চৎহনবা) হৌরকখি।

(১২) <u>নোংসাপা চৈলাক</u> - 'নোংসাপা চৈলাক' হায়বা ৱাহৈশিং/concept শিং অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা য়াম্না শেংনা ফজনা য়াওবা ৱাহৈশিং, ৱাখল্লোনশিংনি। 'নোংসাপা চৈলাক' হায়বা অসি হৌজিক্কী মতমদা হিন্দুশিংনা 'দন্দি', English লোন্দা 'Punishment' হায়বা ৱাখল্লোন অদুনি।

কংলৈপাক্কী অৱাং নোংচুপতা লৈবা 'কৌপালু' (কেব্রু) চীঙশাংগী শরুক অমদা তেংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপনা শেম্বা 'লাই' হায়বা মী কাংলুপ অদুনা কৌরু চীঙদোন্দা, পাকশন্না নুঙাই য়াইফনা পানবা হৌরকলে। কৌব্রু চীঙদোন্দা পাল্লম্বা মীয়ামশিং অসি নুপানা 'লাই', নুপীনা 'লৈমা' হায়রগা খংনরমই।

হৌজিক ২১ শুবা চহীচা অসি ফাওবদা কংলৈ খুন্নাইনা 'কংলৈ সনা লৈময়োল' 'অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা, লৈমা-লাই খুন্দা অহানবা,' 'অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা, লাইয়াম খুন্দা অহানবা', হায়না য়াম্না ইকায় খুম্নমা লাইনিংঙথৌ



কৌব্রুবু অমসুং মফম অদুদা তাইবংদা ইহান হান্না খুন্দারম্বা ইপা ইপু অমসুং ইবেনশিং অদুবু কংলৈচাশিংন শৈরোল শৈথারি, নিংশিংলি অমসুং চহী খুদিংগী মফম অদুদা খুরুম্বা চৎনরি। কংলৈচাশিংগী খুন্নাইদি কৌব্রু (কৌপাল) চীঙদোন দগী হৌরকপনি।

কৌব্রু চীঙদোদা, লৈমা-লাই হায়রিবা মী কাংলুপ অহানবা অসিনা মতম শাংনা নুঙাইনা য়াইফনা পাল্লকপা মতম অসিদা 'সলোই ফুলুপ' হায়বা কাংলুপ অমনা অয়েৎপা পীরকলে। লৈমা-লাইশিংদা অয়েৎপা অৱাবা পীরকপা অসি তেংপালপা মপু ইপুঙলোই অপকপা অদুনা উবিরদুনা, ইপুঙলোই অপকপা মহাক্ল সলোই কয়াবু চৈলাক (Punishment) পীননবগীদমক, নোংসাপা কৌপা শাগী শকতম লৌদুনা শাইওল্লকলে। নোংসাপানা শালোই ফুলুপ তুম্না হাৎখরে। মসিবু কংলৈ খুন্নাইনা ঙসিফাওবা 'নোংসাপা চৈলক' হায়রগা খংনৈ।

(১৩) [illegible] - নোংখোঙ হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী মতাংদা, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা ইরিবা অসি য়েংবিয়ু- "নোংথৌ মলোন ৭ কী য়াফমতা তিংপালপা মপুনা সাইওন কৌতুনা তাইপঙপালপা সনথোকনফমনি হাইতুনা সনথোং অপানপা কৌনা। মলা লেলফু ওইখলে।। মালেম লৈখালোন ৭না অমমপা লৈমুলোনকী মসককুমনা। তাইপঙপালপাকী তুঙনাফম লৈসা ওইনা লৈখলে।। লৈলিপা অসি কী মওংপু। নোংথৌ মওং লেপপবু নোংখোঙ হায়না হাইখলে।। লৈখালোন মওং লেপপাপু লৈখোঙ হাইনা কৌখলে।। অসুম তৌনা লৈলোন নোংলোন লেপখলে।। লৈহৌ নোংহৌ নাইখলে।।"

তশেংনমকতি 'নোংখোঙ' হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিদা য়াওরিবা 'নোং' হায়বা অসিগী 'খোঙ' হায়বদি মখোঙ লৈবা হৌনদে। লৈফম থোকতে হায়বা অসি খংবিরমগনি।

অদুবু পুয়াদা হায়রমলিবা ৱাফম অসিগী মতুংইন্না, পুয়াগী ৱাখল্লোন্দা 'নোংখোঙ' হায়বদি 'নোং' গী 'মখোঙ' অমদি লৈরে। খরা থাপ্পা উবা য়াবা, য়ুমকৈ উমং ৱামং লান্থোক্লা য়েংবা য়াবা মফম অমদা লেপ্লিরো, অদুগা খরা থাপ্পা য়েংবিয়ু। অদোম্না শোয়দনা, ঐখোয়ময়ামগী মমা ওইরিবী মালেম অসিগা, 'নোং', 'নোংমতোন', 'নোংথৌ', অতীঙআ অসিগা সমনৈ হায়না খনবা মফম অমা শোয়দনা উগনি। মফম অদুনি মফম অসিদা পুয়ানা 'নোংখোঙ' হায়রিবা মফম (ৱাখলনা শাবা মফম) অদু। মফম অদুমকনি পুয়াগা 'নোংথৌ

মলোন ৭কী য়াফম', 'সনথোং অপানপা' লাইনিংথৌনা 'মলা লেলফু ওইখলে।।", হায়রিবা মফম অদু মফম অসিনি ঐখোয় ময়ামগী ইমা মালেম লৈমাগা শন্নে হায়রিবা মফম অদু। মীয়াম্না থাজনরিবা নোংখাং কোইবগী ৱারিদা সনামহীনা কোইবা চৎখিবা নোংখোং অদু।

নোংখোং কোইবগী ৱারিদা য়াওরিবা 'নোংথোং' হায়বা অদুগা মথক্কী ৱাখল্লোন অসিগা খরা খেন্নে। মীতৈগী ৱাঙউলোনগী মতুং ইন্না, সলাইলেল সিতপা, নোংথৌ অসিনা ইপানি, ইমা লৈমলেন সিতপী মালেম অসিনা ইমানি। থাইনা মমাংঙৈদা মীতৈশিংনা ইপা মহাক্না মালেমদা কুল্লকতুনা খোংদরম্মি হায়বা মফম অমদা ইপা সলাইলেল সিতপা মহাকপু ফমপাল অমা লাংতুনা খুরুমজৈ, মসিদা নোংখোং কোই।

(১৪) <u>নোংথৌ মলোন ৭, নোংলোন ৭</u>- 'নোংথৌ', অতীঙআ, সলাইলেন সিতপা হায়বা ৱাহৈশিং (ৱাখল্লোন) শিং অসি পোৎশক অমতনি। ঐখোয়না ই.য়েক [illegible] কী মতাংদা পাবা মতমদা, 'ৱাকোন', 'ৱাকোনপুঙ', 'নোংলোন ৭ মাকী মচু ৭ মক', অসিনচিংবা ৱাহৈ, ৱাফম পুন্নমক থেংনবিখ্রে। 'নোংথৌ', অতীঙআ, সলাইলেন সিতপা হায়বা পুন্নমক অসি, তিংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপকী শাইওন ঙাকতনি। হায়রিবা 'ৱাকোন' 'ৱাকোনপুঙ' হায়রিবা কোক্কী শরুক অসিদা লৈবা মফম (পুয়ানা লাইফম) অসিদা ইপুঙলোইনপা অপকপনা 'তাইপঙপালপা মপু' কৌনা লৈ। মফম অসিদা 'ৱাকোন', 'ৱাকোনপুঙ' তা মচু ৭ লীদুনা লৈ হায়বনি। নোংথৌ সলাইলেল সিতপানা, 'মচু ৭ সলাই ফিসেৎ ৭, 'নোংলোন ৭' পুরকতুনা কোক্কী 'ৱাকোন' 'ৱাকোনপুঙ' তা কংলৈ সলাই ৭ শন্দোক্লবা লৈরবনি। নোংলোন ৭ হায়বদি অতীঙআসি মরোল ৭ নি, মচু ৭ নি হায়বনি। ইনবা ইয়েক [illegible] কী মতাংদা পুয়ানা ইরকলিবা অসিনা তাকপদি কংলৈচা মীতৈশিংনা, 'নোংথৌ' অতীঙআ, সলাইলেল সিতপা (সোরারেল) অসিগী মনুংদা মচু ৭, সলাই ফিজেৎ কী মচু ৭ অসি লোৎতুনা লৈ হায়বসি মালেমগী মীয়ামদগী হান্না খৃ: গী মমাংদা খংলমলে হায়বসিনি।

(১৫) [illegible]- পুয়াদা 'নোংথাঙ' হায়বা ৱাহৈ অসি পুয়াগী মফম অমখকতা ফংই। পুয়াদা হায়রিবসি "ই.নুংলোন খুনুঙলোননা নোংথাঙ কুপ্পা হাইনা হাইখলে।।" ৱাহৈ পরেং অসিদনি। ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা 'নোংথাঙ' হায়না শিজিন্নরিবা অসি, পুয়াদা ইরমলিবা অসিদা য়েংলগদি,



থাংগৈশেংবদি পুয়াদা 'নোংথাঙ কুপপা' হায়রিবা অসি English তা Lightning হায়রিবা ৱাহৈ অদুনি হায়না খল্লি।

থাইনা মমাংঙৈদা, কংলৈপাক অসি মী য়াম্না তাদ্রিঙৈদা লমহা তুহাংনা য়ামলিঙৈদা 'নোংথাঙ কুপপা' য়াম্না থোক্লমগনি অদুগা, নোংথাঙ কুপপানা মীশি মীনাসু য়াম্না থোক্লমগনি। নোংথাঙ কুপপদা য়াওবা Electric Charge তৌরবা মঙাল অদুনা, নোংথকতগী থাংশাং অথৌবাবনা য়াম্থরকপগুম, মীশি মীনা য়াম্না মতম অদুদা থোক্লমগনি হায়বসি মশানা তাবনি। 'নোংথাঙ'গী ৱাহন্থোকতি, নোং + থাঙ হায়বদি নোংথক্তগী থাঙ হায়বনি, কুপপকপা মঙাল থোক্লকপা মতম অদুদা নোংথকতগী থাঙ য়াম্থরকই হায়বগী ৱাখলদা 'নোংথাঙ কুপপা' হায়না খংনরকপনি।

(১৬) [illegible] - কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাহৈ 'নোংকাপা'(হৌজিক্লা নোংগাবা) ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোকতি, তাইপঙ মীওইবনা তাইপঙ পুনশি লোইরদুনা শিববু 'নোংকাপা' কৌই।

'নোংকাপা' হায়বা অসিদা থোকপা থৌথোকশিংদি অসিনি। তাইপঙ মীওইপা হায়বা অসি অহকপা পোৎলম মঙানা ঐখোয়গী উরিবা শকতম অসি শাই। মখোয় অদুদি মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতীঙআনি। মঙা অসিনা শাবা শকতমবু 'হুকসাঙ', হৌজিক্লা হকচাং কৌই। হকচাং অদুগী মনুংদা, তিংপালপা মপুনা তাইপঙ পালপা মপু কৌদুনা মফম অদুদা লেংশিন্দুনা লেংদনা লৈ। মরম অমা নত্রগা মরম অমদগী মীওইবগী হকচাংনা 'চাং' অদু থন্বা ঙম্লত্রবা মতমদা, তাইপঙ পালপা মপুনা মহাক্কী য়ুম ওইরিবা অদুদা লৈবা য়ারকত্রদুনা, তাইপঙ পালপা মপুনা মহাক্কী হৌরকফম ওইরিবা তেংপালপা মপু অদুদা চৎখি, অমুক তিনখি। মসিবু 'নোংকাপা' কৌই। 'নোংকাপা' . নোং + কাপা, নোং হায়বদি নোংতোল, নোংথৌ, অতীঙআ, সলাইলেল সিতপাদা + কাপা হায়বদি কাখিবা হায়বনি। 'নোংকাপা' অসিনা ফোংদোকলিবদি, মীওইবগী থৌৱাই ওইনা লৈরিবা তাইপঙ পালপা মপু 'মি' অদুনা তাইপঙ হকচাং থাদোক্তুনা নোংমতোন চৎখ্রে হায়বনি।

(১৭) [illegible]- 'নোংদা লাইরেল পাখংবা' হায়বা মিং অমা কংলৈচা মীতৈগী পুৱারীদা চংলকখিবসি অসি ১৮শুব চহীচাদা হিন্দুশিংনা

কংলৈপাকতা নিংথৌ ওইরকপা মতমদগীনি। ১৮ শুবা চহীচাগী মমাংদদি শুকলৈ লৈরমদবা মিংনি।

লিলবু লাইনি হায়দুনা ইরাৎ থৌনি তৌবা,(পুজা) তৌবা অসিদি হিন্দুশিংগী মনাৎনি। কংলৈচা মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসিদি কৌব্রু চীংদগী তমপাকতা কুমথরক্লগা লৈরকপা অসি চহী লিশিং কুন (২০,০০) মুক শুরে। হিন্দুশিংদি ভারততা লাকতুনা ঐখোয় কংলৈচাশিংগা য়ুমলোন্ননা লৈরকপা অসি চহী লিশিং মরি (৪০০০) ফাওবা ফাদ্রি। মখোয়না কংলৈপাকতা নিংথৌ ওইখিবা অসি চহী চহুম (৩০০) ফাওবা ফাদ্রি।

হিন্দুশিং অসিনা কংলৈপাকতা খৃ: ১৭০৯ দা পামহৈবা গারিবনিৱাজনা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবদগী মখোয় হিন্দুশিংনা ভারততা ফাওবা খোংদাদ্রিঙৈদা কংলৈপাকতা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্বা কোনচীন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপাবু, খৃ: ৩৩ AD না পাল্লি, মিংনা কোজিন তুথোকপা নোংদা লৌইরেল পাখংবা হায়না ওন্থোকই। 'পাখংপা' হায়বা কংলৈ খুন্নাইগী ৱাংলবা লেন্নবা মিংথোন অসিবু লিনজাওনি হায়জিন্দুনা লাইনি হায়না খুরুম্বা কাংবুনি। হিন্দুশিংনা লিল খুরুম্বগী খুদম ওইনা লাইরিকসিদা মমাংদা 'পাখংপা' গী মখাদা ফোতো কয়া য়াওরিবা অদু য়েংবিয়ু।

হিন্দুশিংনা পামহৈবা গরিবনিৱাজ অমসুং ভগ্যাচন্দ্রগী মতমদা ইপুথৌ পাখংববু লিল হায়ননবা হায়জিল্লগা মীনম তৌরকপগী খুদম খরামুক য়েংবিয়ু. "৬নি য়ুমশকৈশদা পাখংবা নোংথৌদগী খাওরৌ ওইনা ফিফৌ মাংদা তারকএ।" লা: ৯৯ চৈথারোল কুম্বাবা, ১৯৬৭ ইডিসন। পামহৈবা মতম। "১০ নি নিংথৌকাবা স্না য়ান লোকচাওদা লাইরেল থোকএ" লা: ১২৯ চৈথারোল কুম্বাবা, ১৯৬৭ ইডিসন। ভগ্যাচন্দ্র মতম। মথকতা পনজখিবা, হায়জখিবা পুম্নমক পুৱারীগী অইবা খুদম ঙাকতনি।

(১৯) [illegible]- 'নীংখম সমচীন' হায়বা ৱাহৈ অসি করিবু হায়রিবনো, করিবু খংনবগে হায়বসি কংলৈচা অয়াম্বনা খংবিরমগনি। 'নীংখম সমচীন' হায়বা অসি হৌজিক্কী মতমদদি খন্বা থোইবী জগোই শাবা মতমদা, লাই হরাওবদা, ফৈজোম শেৎলগা, ফুরিৎ 'রেসম' গী অশংবা অমা লিৎলগা নুপাগী কোক্কী লৈতেং ওইনা শিজিন্নবা, খদাংচেৎ লাকপা, কোক্কী মথকতসু য়েনতুনচিংবা থেৎপা পোৎসক অদু খংনৈ।



অদুবু থাইনগী মতমদা, হিন্দুনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈদা, কংলৈচা মীতৈশিংগী ইনাৎকী মওং মপুং ফানা চৎলিঙৈদদি, মসি নিংথৌ অমসুং ফমনাইবা অচৌবশিংনা লৈপাক মীয়ামগী ৱায়েন থৌদা পাংথোকপা, অমদি লাইগী থৌরম পাংথোকপা মতমদা মরু ওইনা শিজিন্নবা কোকতা উপ্পা, মালেমগী মনুংদা তোপ তোপ্পা ইনাৎ অমসুং ৱাংউলোনগী পোৎশক অমনি।

'নীংখম সমচীন', নীংখম = নীং + খম, মফম অসিদা 'নীং' হায়বরিবা ৱাহৈ মচেৎ অসিগী ৱাহন্থোকতি নীংবা, পুক্লিং ৱাখলনা খনবা, পুকনিং ৱাখলনা ৱাংনা খনবা হায়বনি; 'খম' হায়বনা খ্বাইদগী ৱাংবা, ৱাখল পুকনিংনা খনবদা অখম্বা, খনবদা মসিদগী অমুক ৱাংনা খন্নিংঙাই, পুকনিংনা নিংনিংঙাই লৈত্রবা অখম্বা হায়বনি। 'নীংখম' হায়বসিনা 'নীঙংম সমচীন' হায়বা ৱাঙউলোনগী ৱাহৈশিং অসিদা ফোংদোকলিবসি, ইপুঙলোইনপা অপকপা, তেংপালপা, তিংপালপা মপু ঐখোয় পুম্নমকপু শেমপা মহাকপু ফোংদোকপা ৱাখল্লোন সকতমনি।

নীংখম সমচীন হায়বসিদা য়াওরিবা 'সমচীন' হায়বসিনা তাকলিবনা সমচীনবা, সমজিন্নবা, অমতা ওইবা হায়বা ৱাখলনি। মরম অসিনা কংলৈ মীতৈ নিংথৌশিংনা নত্রগা অচৌবা ফম্নাইবশিংনা, কোকতা 'নীংখম সমচীন' উপতুনা কংলা উতা সংলেনদা ফমদুনা লৈপাক্কী ৱায়েন লৈপাক মীয়ামগী থৌরম অমা পাংথোকপা মতমদা, নিংথৌ নত্রগা ফমনাইবা মহাক অদু তাইবংগী মপা ওইরিবা তেংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা মহাক্কা সমনরে, অমতা ওইরে মপু মহাকমকনি হায়না লৌগনি, নিংথৌ নত্রগা ফমনাইবনা ঙাংলিবা তৌরিবা অদু, নিংথৌ নত্রগা ফমনাইবনা ঙাংবা নত্রগা ফমনাইবনা ঙাংবা নত্রগা তৌবা নত্তে, মপু মহাক্না ঙাংবা তৌবনি হায়না লৌগনি। মতাং অসিদা অইবনা পুশিনজনিংলবনা, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা ৱাংউলোনগী (Idealism) 'The King does no wrong' হায়বা ৱাখল্লোন অদু কংলৈপাকতদি হান্না য়াম্না ঙল্লিঙৈদা চৎনরমলে হায়বা অসিনি।

(২০) [illegible] - মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসি মালেম অসিদা য়াম্না লীরবা, মালেমগী খুন্নাইগী পুৱারীদা য়ামনা ঙন্না খুন্নাই অমসুং ইনাৎকী ৱাংলবা ৱাংউলোন লৈজবা মীওই কাংলুপ (Race) অমনি হায়বসি, মীতৈ কাংলুপনা ঙাংনরম্বা ৱাহৈ /লোন/concept নৈনবদা ইতৎ তৎতনা ফন ফন হেকতা চোংথোক্লকই। 'নিংথৌ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিনা থাইনগী কংলৈচা মীতৈশিংনা করম্বা খুন্নাই (civilisation) অমা শেমগৎলমই, করম্বা ইনাৎ (culture) অমদা হিংলমই হায়বসি তশেং তশেংনা হৌজিক্কী মীরোলদা তাকই।

নিংথৌ হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোক য়েংবিয়ু:-

নিংথৌ = নিং + থৌ, মফম অসিদা 'নিং' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসি 'নিংবা' হায়বনি, নিংবা হায়বা ৱাহৈ অসিগী য়াম্না নক্নবা ৱাহৈ অমদি 'ৱাখল' হায়বনি। 'থৌ' হায়বনা থৌবা, থৌরিবা, হায়ৰদি মীওইবগী হকচাংবু পুরিবা, ৱাখলবু লমজিংলিবা, মমায় চুমলিবা হায়বনি। মরম অসিনা 'নিংথৌ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি খুনাই শাগৎলকপা ওইরিবা য়ুমফমসি, তেংপালপা মপু অদুনা তাইবংবু শেম্লকপা, য়াম্না নুংশিনা তাইবংবু য়োকপা, 'নুংশিবা' হায়বা মপু মহাক্কী অতোপ্পা মমিং ওইরিবা ৱাখল্লোন্না ওইবনি। কংলৈচা মীতৈশিংনা নিংথৌবু পাখংপা কৌই, নিংথৌ মাগী লৈফম্বু 'কোনুং' কৌই, পুন্নমক অসিগী য়ুমফম অমতনি।

পুন্নমক অসি ঐখোয় মীতৈগী লৈঙাকলোল, (state craft) নিংথৌ পানবা লৈপাক শাগৎলোন, লৈপাক শাগৎলোন, লৈপাক শেমগৎলোনগী য়ুমফমনি। 'নিংথৌ' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক নিংবা, পুক্নিং ৱাখলবু থৌরিবা তেংপালপ মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা অদুবু হায়বনি।

মথকতা-নীংথম সমচীন' গী ৱাহন্থোকতা উবিখ্রে, মদুদি নিংথৌনা নীংখম সমচীন উপতুনা ৱায়েনশংদা ৱায়েন চৈ পায়দুনা, নিংথৌ ফমপাল থকতা ফমদুনা ৱায়েন থৌদাবদা, নিংথৌসি, তাইপঙ থৌলম পাংথোকপদা, তাইপঙ পালপদা, তেংপালিপা মপু তাইবংগী মপা মহাক্কী মহুৎ শিনবা নুপানি।

নাকল অমরোমদা অমুক য়েংবিয়ু! 'নিংথৌ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিদা য়াওরিবা ৱাখল্লোন, ৱাংউলোন, লৈপাক ঙাকলোন (state craft) অসিনচিংবা পুন্নমক অসি মুন্না য়েংলুরগা, কংলৈচা মীতৈ কাংলুপ (Race) কী নিংথৌপানবা লৈপাক শেমগৎলোন (Origin of state, origin of Monarchism) অসি, তেংপালপা মপু মহাক্কী ৱাখল্লোন্দগী থোক্লকপনি (Divine origin নি) হায়বসি চিংননিংঙাই লৈতে।

মতাং অসিদা ব্রিতেনগী অইবা T.C. Hodson না মহাক্কী লাইরিক, The Meitheis দা page 105 দা "O son of heaven, Ruler of the kings, great and ancient Lord, incarnation of God, The great Lord Pakhangba..." হায়না ইরম্বা অদু অপাবশিংনা নিংশিংবিবা য়াই।



কংলৈপাক্কী নিংথৌগী মখাদা ৱায়েন থৌদা লানবা লেমজদবা য়াওবগী ৱাফম লৈতে। হৌজিক থোকলিবা পুন্নমক অসিদি ১৮ শুবা চহীচাদগী হৌরকপা ঙাকতনি।

(২১) ꯅꯤꯡꯊꯤ ꯇꯨꯔꯦꯜ - নিংথি তুরেল হায়বা তুরেল অসি ১৮ শুবা চহীচাদা হিন্দুশিংনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈগী মমাংদদি কংলৈপাক অমসুং কবো (Burma, হৌজিক্কী Mayanmar) লৈপাক অনিসিগী তাইনবদা চেনবা, ঙমখৈ ওইনবা তুরেললনি। তুরেল অসি কবো (Burma) না চিন্দু ইন তুরেল অদুগা কংলৈচা মীতৈশিংনা নিংথি তুরেল হায়রগা খংনবা তুরেললনি। তুরেল অসি অৱাংদগী মখারোমদা চেল্লগা, ইরাৱাদি তুরেলদা তিল্লি। তুরেল অসিগী নোংপোক্লা কবোগী লমনি, অদুগা তুরেল অসিগী নোচুপনা কংলৈপাক্কী লমনি। তুরেল অসিনা লৈপাক অনিসিগী ঙমখৈ (লমগী-ঙমখৈ) ওই।

অদুবু লাইবক থীবদি, হিন্দু নিংথৌ গম্ভীরসিংহনা কংলৈপাক (মনিপুর) দা পাল্লিঙৈদা, ১৮৩৪ দা তৌনবা সন্ধি অমনা কবো তমপাক, অংগোচীংনচিংবা মফমশিং অসি কবো (Burma) গী ওইখিবদগী, হৌজিক্কী মোরেনচিংবা মফমনা কংলৈপাক অমসুং কবো (Burma) গী লমগী ঙমখৈ ওইদুনা লকখিবনি।

(২২) ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ (ꯅꯤꯡꯉꯣꯟ)- নিঙোল নত্রগা নিংঙোন (তশেংবা হৌরকফম ৱাহৈদি নিংওন নত্রগা নিংওল) হায়বনি। ইচম চম্বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোকসি অয়াম্বা মীনদি খংদবসু য়াওরি।

নুপী অমনা মমা মপাগী ময়ুমদা পোক্লগা, চাওবা শাংবা মপুং ফারকতুনা ময়ুম পানবা য়ারবসু পান্দনা লৈবা মতম অসিবু নিংঙোল নিঙোল হায়রগা খংনৈ। নিংঙোলগী ৱাহন্থোকতি - নিংঙোল, নিঙোল হায়বদি নিংওন হায়বনি। নিংওন = নিং + ওন, 'নিং' হায়বদি নিংবা, খনবা, 'ওন' হায়বনা 'ওনবা', 'ওইখিবা' হায়বনি। ৱা।/ৱাহৈ অসিনা ফোংদোকলিবদি নুচা (নুজা) নুপীচা (নুপী ওইনা পোক্লবী) মহাক্লা পন্থৌগী সংকাইদা চাওরক্লগা, মহাক্লা নুংশিবা পামজবা শাগৈ কাংলুপ অমগী নুপা অমদা য়ুম্নাক শাগৈ ওন্দুনা ময়ুম পানখিবা য়াই হায়রিবনি। নিংবা মতুং ইন্না ওনখিবা য়াই হায়রিবনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা, ময়ুম পাল্লুরবী নুপী অমনা, নুপা নুপী চানদবদগী নত্রগা করিগুম্বা মরম অমদগী য়ুমপান পুনশি কায়দুনা, পন্থৌগী সংকাইদা অমুক হল্লকতুনা নিংঙোল ওইনা লৈবা য়াই। কনাগুম্বা নুপা অমনা, মাগা শামান লেংমান্নবা নুপী অমা থেংনরে, নুচা মহাকপু নংশিবা পামজবা পোক্ল রে। অদুবু নুপীচা মহাকপুদি নিংঙোল ওইনা লৈরিব্রা নত্রগা শাগৈ অমগী মৌরা হায়বদি খংবা ঙমদ্রে। ফীভম অসিদা নুপা অদুনা নুপী অদুদা 'ইবেম্মা নহাকপু নিংঙোললা মৌরা খংজবা য়াগদ্রা?' হংলিবা ৱাহং অসি নুপী অদুনা য়াম্না মুন্না খংগনি। নুপী অদুনা "নিংঙোল ওইনা লৈজরি" নত্রগা ঐদি য়ুম পাল্লবীনি, শাগৈ ওল্লবীনি" হায়না খুল্লক্কনি।

নিংঙোল হায়বা ৱাহৈ অসিগী য়াম্না নক্লবা ৱাহৈ অমনা 'চনু' নত্রগা 'চানু') হায়বা ৱাহৈ অসিনি। শাগৈ অমদা মমা মপা অমনা পোকপা নুপী, মমোমবু 'চনু' কৌই। 'চনু' গী ৱাহন্থোকতি চ + নু (চা + নু), 'চা' হায়বদি মচা, অঙাং, নুপী ওইনা পোক্লবী অঙাং অমবু কংলৈচা মীতৈশিংনা 'চনু' হায়রগা খংনৈ, চাওবা শংবা মপু ফরক্লবা মতমদা, চনু অমনা শাগৈ অমগী নুপা অমদা ময়ুম পাল্লগা 'মৌ'; 'লৈমা' ওইখি।

চাইনিজশিংনা মচা নুপীবু, (Daughter) বু 'nei' কৌই, ইমাবু ma নত্রগা mama কৌই। অদুগা কংলৈপাক্কী খা-নোংচুপতা লৈবা খোংচাই-কুকি মী কাংবুনা মচা নুপীবু 'চনু' অদুগা মচা নুপাবু 'চপা' কৌই। মী কাংবু অসিনা মমাবুসু 'নু' কৌই। মরম পুন্নমক অসিনা এসিয়া মফম পুন্নমকতা লৈরিবা শাওং শাদা, চাকচা য়ুথক মান্নবা মী পুন্নমক অসি হৌফম শাৎফম তিন্নবা মী ঙাকতনি, কংলৈপাক্কী কৌব্রু চীংদানদগী হৌখিবা 'লাই' নত্রগা 'লৈমা-লাই' হায়বা মী কাংলুপ অদুদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অসিদা মতম কুইনা চৎলগা খুন্দাখিবদগী মমিং তোঙান তোঙান লৌদুনা লৈখিবা ঙাকতনি হায়বসিগী অরেপ্পা খুদম চাংদমশিংনি হায়বসি খংই।

(২৩) ꯅꯨꯡꯁꯥ- 'নিংসা' নত্রগা 'নুংসা' হায়বা পুয়াদা য়াম্না শেংনা ইবা ৱাহৈ অনি অসি পুয়াদা ৱাহন্থোক ইমান মান্ননা শিজিন্নবগুম তৌই। ইহান হানবদা পুয়ানা অসুম্না ই: "তিংপালপা মপুনা অয়ুঙপা ৱাকোন ফোলাংতা ফাউলকলে হ.ইপগী ই.নুঙলোন কৌয়ে।। ই.নুঙলোন কৌপতি মপুকী নিংসাকী



মসকনে। মসিপু লাইকী লোলনে।।" মফম অসিদা "ৱাকোন ফোলাং তা ফাউলকলে" কোক মনুংদা থোক (Brain) দা লাংওল্লক্লে হায়বনি। 'মপুগী নিংসাকী মসকনে' হায়বসিনা তিংপালপা, তেংপালপা মপু মানা নি বগী মতুং ইন্না, অনিংবা ৱাখল (Spirit, concept) অদুনা সা হায়বদি হকচাং ওল্লকলে, লাংওল্লক্লে হায়বনি। মফম অসিদা নিংসা = নিং + সা = নিংবা + সা (হকচাং) নি।

পুয়ানা মথংদা অমুক ইরি - "নৌয়োমনে। ফমপীনে। মফম অনিমকতা <u>নুংসানা</u> লেঙলে মমিংতি খোইলীল নাউথিঙকোন কৌয়ে। নিংসা অতুনা মাইওকননা লৈলে।"

মফম অসিদা অমুক হায়রিবনা, অহানবগীদা মপু কোন্দগী তাইবং মরু শেল্লকখিবা অদু লৈপাক অহিংপীদা মরু হুন্দুনা নোংমা নোংমগী চাওখৎলকনবা পুকনুং নৌৱা অদু লেংলকলে, 'নিংসা' (হৌজিক্কী লোন্দা নুংশা হোল্লে, কনাগুম্বা নিংশা হোল্লে) হোল্লে (ময়াংগী লোলগা য়ান্নরগা নুংশা শ্বর হোল্লে) হায়বনি।

ইকোন কোনবদা পুয়ানা অমুক হায়রিবনা "নিংসাগী ই.ৱাই ই.নিল অদুকী ই.য়েকপু লোনচন চৈতপ কৌকাতনে" ইকোন কোনবগী পুয়ানা হায়বা অসিগী মতুং ইন্নদি, 'নিংসা' হায়বা ৱাহৈ অসি ঐখোয় মীওইবনা নাতোন্দা নত্রগা য়াকাথোক্লগা নুংশিৎ চিংথোক চিংশিন তৌরিবা অসিবু তশেং তশেংনা হায়রে। মরম অসিনা অইবনা হৌজিক, তশেং তশেংনা হায়রিবদি, 'নিংসা' হায়বা ৱাহৈ অসি 'নিংশা হোনবা' হায়বনি, হায়বা ৱাখল্লোন অদুনি।

(২৪) ꯅꯥꯍꯥ- না + হা হায়বনি। অসিদা 'না' হায়রিবা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা ফোংদোলিবদি, নাবা হায়বদি হোৎনবা, থবক পাংথোকপা, থবক তৌবা হায়বনি। অদুগা 'হা' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা ফোংদোকলিবনা, হাবা, থুবা, থবক তৌবদা য়াংবা হায়বনি। মরম অসিনা 'নাহা' গী ৱাহন্থোকতি, থবক থুনা য়াংনা তৌ ঙমলিবা, চহী য়ামদ্রিবা মী হায়বনি।

(২৫) ꯅꯥꯑꯣꯁꯨꯝꯁꯪ - নাওশুমশঙ হায়বদি ইচম চমপা লোন্দা পোক্লকপা অঙাং নৌৱাবু থেমদুনা, শুমদুনা থমফম (অঙাংগী লৈফম) হায়বনি।

নাউশুমশঙ = নাউ + শুম + শঙ হায়বনি। মফম অসিদা 'নাউ' হায়বসি অঙাং হায়বনি।

ইপুথৌ পাখংপাগী অনিশুবা মচা ইবুংঙো লুৱাং অসি হেক পোকপগা নাউশুমশঙদা থমখি। নাউশুমশঙ হায়রিবা শঙ অসি য়োকচবী কয়ানা শেন্নদুনা লৈবা, নিংথৌ কোনগী অঙাং য়োকফম শেন্নফম শঙ অমনি।

(২৬) ঐম্লঠ (ঐঁঠ)- নাউতা হায়রিবা ৱাহৈ অসি পুয়াদদি 'নৌতা' হায়না ই। নাওতা হায়বদি চাতা -নাউতা, মচা-মশু হায়.বনি। মীতৈ শলাই ৭ (তরেৎ) অসি কোনচীন তুকথবা ইপু অথৌবা পাখংপাগী চাতা নাউতানি। ইপু অথৌপা পাখংপানা লাই চনু তরেৎ পান্নদুনা মচা নুপা তরেৎ পোক্লমই, মখোয় তরেৎ সলাই তরেৎ কৌই। মীতৈ ঐখোয় অসি ইপুথৌ পাখংপাগী মচা নুপা তরেৎ অদুগী চাতা নাউতানি।

(২৭) ঐস্লৈ ঐঁ - কংলৈচা মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ (Race) অসি অকোইবদা লৈরিবা মী কাংলুপ কয়াদগী হেন্না লিবা অমসুং হান্না ঙন্না খুন্দারোল (civilization) অমসুং ইনাৎলোন (cultural Ideology) লৈরকপনা, মীতৈ কাংলুপকী লোন অসি য়াম্না লুবা (complex ওইবা), ৱাহৈ অমগী মনুংদা ৱাহৈ কয়ামুক ফুমদুনা লৈবা লোন মখল অমনি। লোনগী মনুংদা খুন্নাই (civilization) অমসুং ইনাৎ (culture) হৌথোক্লকপগী অমসুং চাওখৎলকপগী মওং ফুমদুনা লৈ।

মীতৈলোনগী অসুমনা অকোইবদা লৈরিবা মীশিংদগী হেন্বা খুন্নাই অমসুং ইনাৎ কী মওং মতৌ অসি নোংচুপলোমগী লম শন্দোকপা (Colonial expansion) লাকপা মীওইশিং অসিনা '১৮ শুবা অমসুং ১৯ শুবা চহীচাদা মুন্না খংলমই। সাহেব অঙৌবশিং অসিনা হেল্লি হায়বদি খংলগা কয়াম্না হেল্লি হায়বা অদুদি ওনবা ঙল্লমদে।

"Meithie is the Chief Language of the Manipur valley, and has apparently had a long and indepedent development. The Manipuris are mentioned in the Shan Chronicles so early as 777A.D. Probably owing to the fact that it has developed into a litrary language, thier form of speech give the impression of possessing a



peculiarly archaic character. Although they have become throughly subjected to Hundusim, they have not adopted any Aryan tongue. But this much seems certain, that Meithei has preserved some traces of a more ancien stage of phonetical development". মথক্কী comment অসি G.A. Grierson না মহাক্কী Linguistic Survey of India গী Vol. III part III দা ইরম্বনি। মহাক্কী মথক্কী comment অসিদা হায়রিবসি মীতৈ কাংলুপ (Race) অসি ময়েক শিজিন্নদুনা অইবা লোন ওইবা লীরবা লোন্নি হায়বনি, সম্না হায়রবদা।

মথক্কী Grierson গী comment অসিদা মান্নবা comment অমদা Prof. H. dwijasekhar Sharma (Nagamapal) না ইবা article 'A white paper on kangla and sanamahi faith. (webcasted on Nov. 20,2008) for Sangai Express তা অসুম্না ইরি "without doubt, the true index of a culture's vitality is its adherence to its language, historical memory and religious traditions. Like the Tibetan culture, sanamahi has also lived through ages despite vicissitudes."

মথক্কী Dwijasekhar Sharma গী article অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈ 'Vicissitudes' হায়বা অসিগী ৱাহন্থোকতি, পুনশিগী (কাংলুপ অমগী) অৱা অনা, অকি অখং, মীতৈ কাংলুপ (Race) কি মপুনসিদা লৈপাক মমিং ওনখ্রে লীচৎ (ধর্ম্ম) ওনখ্রে, হিন্দু ধর্ম্ম লৌনবা ৱাশকহনখ্রে, য়াদবা কয়া হাৎখ্রে, পুয়া মৈ থাখ্রে, চহী তরেৎ (৭) খুন্তাকখ্রে...... অসিনচিংবা। অদুবু ঙসি অমুক সনামহী লীচৎ অসি হেকতা হিংগৎলকই হায়বনি।

অচুম্বনি! সনামহী লীচৎ চৎপা মীতৈ কাংলুপ (Race) না পুয়া মৈ থাবা কাংবু অদুদগী লীচৎতা, খুন্নাইদা, ইনাৎতা ..... পুম্নমকতা হেন্বদগী মুথৎপা ঙল্লকতবনি।

হৌজিকতি অমুক 'নাহাননোং' হায়বা ৱাহৈ/concept কী ৱাহন্থোক খংমিন্নসি। নাহাননোং = না + হান + নোং, নাহাননোং, হায়বা ৱাহৈ/concept অসি লিরবা মীতৈগী ইনাৎ (culture) গী অমদি খুন্নাই (civilization) গী শাংলবা খোংচৎতা শেমগৎলকপা ৱাখল্লোন অহুম

ফোংদোকপা, ৱাখল্লোন অহুম্না অমত্তা ওইনা শেমখিবা ৱাহৈ/concept নি।

মফম অসি অসিদা 'না' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা ফোংদোকলিবদি হোৎনবা হায়বনি। থাইনা অহল লমনশিংনা "নাবা ইবুংঙৌ নথৌ নিংথিনা তৌ", মফম অসিদা অহল অসিনা হায়রিবসি, 'নংনা হোৎনরিবা তৌরিবা অদু নিংথিনা চংখোন্না তৌ' হায়বনি। মথংগী ৱাহৈ মচেৎ 'হান' হায়বসিনা ফোংলিবা, ওইরিবনা 'হান্না' ইহান হান্না হায়বনি। অরোইবদা, ইকোন কোনবগী ৱাহৈ মচেৎ 'নোং' হায়রিবা অসিনা ফোংলিবা ওইরিবনা নোংথৌ, অতীংআ সিতপা, সলাইলেল সিতপা হায়বনি। মীয়াম্না শোয়দনা তাবিরমগনি, মদুদি 'ঐগী লাইপক্লা নোংতম থীবদগী থোকলিবনি' অসিনাচিংবা। নোংথৌ, অতীংআ, সলাইলেল সিতপা (ইপা সোরারেল) অসি তেংপালিপা, তিংপালপা মপু ইপুঙ লোইনপা অপকপগী সাইওন্নি। (ৱাকোকলোন হীলেল পুয়াদা য়েংবিয়ু)।

মরম পুন্নমক অসিনা 'নাহাননোং' হায়বা ৱাংহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোকতি, তিংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা, তেংপালপগী মপা ওইরিবা মহাক্লা তেংপালপা, তাইপঙপালপা অসিবু ইহান হান্না শেম্নবা হোৎনরকপা মতমদা হায়বনি।

মীয়াম্না শোয়দনা তাবিরমগনি, মদুদি পেনা শকপশিংনা পেনা শকপা হৌরকপা মতমদা "...নাহাননোং তাইবং শেমঙৈদা..." অসিনচিংবা।

(২৮) ꯅꯥꯎ (ꯅꯥꯎ)- কংলৈ মীতৈগী ৱাহৈ পুক্কৈদা য়াওরিবা 'নাউ' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোকতি 'অঙাং' হায়বনি। ঐখোয়না ইতৎ তৎতনা তারিবনি, মদুদি 'নুপী অসি নাউপুরে', 'মহাক অসি থা ৩ গী নাউ পুরবী নুপীনি অসিনচিংবা। মফম অসিদা ফোংদোক্লিবসি, নুপী অদু মপুক কংলে, মপুকতা অঙাং লৈরে হায়বনি।

ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংগী মরকতা, 'নাওচা' 'নাওতোন', 'নাওবী', 'নাওবোই', 'নাওবা' অসিনচিংবা কৌবা অঙাং কয়ামরুম লৈ। ককচীংগী লমদা 'নাওহন লাই' কৌবা লাই মীতৈনা ঙসি ফাওবা লাৎনরি, খুরুম্নরি। মরম পুন্নমক অসিদগী নাউ (নাও) হায়বদি অঙাং হায়বনি। কংলৈচাশিংগী কংলৈপাকতা হৌবা ৱাহৈনি।

য়াম্না ঙকপা অমনা, 'Naomi' হায়বা ৱাহৈসি Bible দা য়াওই। নুপী অমগী মমিংনি। মসিগা লোইননা europe কী নুপী কয়াগী মমিং 'Naomi' কৌই। ময়ামনসু শোয়দনা থেংনবিরমগনি, T.V. য়েংবা, English Daily Paper পাবদা, 'Naomi Cambell, Naomi Van, Naomi Watts.' অসিনচিংবা। 'নাওমী' হায়বসি ১০০% কংলৈ মীতৈ ৱাহৈনি।



মরম অসিনা কংলৈপাক অসি মীওইবগী হৌফমনি হায়বদু হেন্না থাজরকই। Europe কী অঙৌবা কাংবু অসি কংলৈপাক্কী কৌব্রু চীংদোন্দগী চৎখিবা, এসিয়াদা পাক শন্নসু তারিবা, 'লাই' হায়বা মী কাংলুপ অদুদগী ওল্লকপনি হায়না অইবনা থাজৈ।

(২৯) ꯅꯨꯄꯥ-ꯅꯨꯄꯤ- মীতৈ কংলৈচাশিংগী ৱাহৈ পুক্কৈদা য়াওরিবা নুপা, নুপী হায়বা ৱাহৈশিং অসি য়ুম খুদিং, কৈথেলদা, মীয়াম তিনবা মফম কয়াদা য়াম্না তোয়না শিজিন্নবা ৱাহৈশিংনি। অদুবু মীয়াম্নদি হৌজিক্কী মতমদা ৱাহন্থোক নিংথিনা খংদবা ৱাহৈশিংনি। খংদবনা মরম ওইদুনা, মীয়ামনা শিজিন্নবদা, 'নিপা, নুপী' করিগুম্বা মতমদা 'নিপা নিপী' হায়না শিজিন্নরকই। নুপাগী মিং থোনবদা 'নিপা মচা' হায়না থোল্লকই। খল্লুরগদি য়াম্না নোকনিংবা ৱানি, মানা ঙাংলিবা লোল ফাওবা ৱাহন্থোক খংদবসি।

হৌজিক ঐখোয় কংলৈচা মীয়াম -ৱাহৈ অনি অসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খংমিন্নসি: নুপা = নু + পা, নুপী = নু + পী, নুপা নুপী হায়বা ৱাহৈশিংদা য়াওরিবা ৱাহৈ মচেৎ 'নু' হায়রিবা অসি কংলৈচা মীতৈগী লোনদা 'মী' হায়বনি, নুপা নুপী অনিমকপু খংনবা (Common gender) ওইবা ৱাহৈনি।

পুৱারীগী অইবা, থাজনবীগী ৱারীদা য়ুমফম ওইবা অরেপ্পা খুদম উৎচগে য়েংবিয়ু। মীওইবা অমনা অহন ওইরকতুনা সিবগী মতম য়ৌরক্লবা মতমদা, সুমাংগী খাংলেনফমদা খাংপোকশঙ অমগী মনুংদা লোংনা হিপতুনা, মপু মাবু নিংদুনা শিবা ঙাইদুনা লেল্লকই। মতম অসিদা মচা মশু শাগৈ নাতৈনা মখাগীলাইশোন ইশৈ অসি শক্লকই:

লানসন্বী লময়াইদা
মুনুনা ৱারে পোৎথাবা
ইপাম লমদম য়েংলুবদি
নুংসিবা মায়কৈ তামখরে।

মথক্কী ৱাহৈ পরেং মরিগী শৈরেং ইশৈ অসি কংলৈচা মীতৈশিংগী

লান্ন-ইশৈগী মচেৎ অমনি। মথক্কী চহী লিশিং কয়া কংলৈচা মীতৈশিংনা থাজনবীগী য়ুমফমদা শকতুনা লাকক্লবা লান্না-ইশৈ অসিদা য়াওরিবা 'মুনু' ৰাহৈদা য়াওরিবা 'নু' হায়বা ৰাহৈ মচেৎ অদু নুপা, নুপীদা য়াওরিবা 'নু' হায়বা ৰাহৈ মচেৎ অদুগা চপ মান্নে।

লান্ন-ঈশৈ অসিদা 'মুনু' = মু + নু না ফোংদোকলিবদি, 'মু' হায়বদি মীওইবনা হিংলিঙৈ মতমদা কলক মিহৌ, অপাম নুংশি, কলক য়েংথি অসিনচিংবনা চিংদুনা ঐগী' অরোইবা করিনো, ঐনা কদাইদা চৎকনি, কদাইদা থুংগনি অসিনচিংবা খংদনা লেনবা পুনশিবু 'মু' হায়বা ৰাহৈ মচেৎনা ফোংদোকই। মফম অসিদা য়াওরিবা 'নু' হায়বদি মী হায়বনি, নুপা ওইবা য়াই, নুপী ওইবা য়াই। অসুম্না লেল্লক্লবা মী মীওইবনা শিরমদাই য়ৌরক্লবামতমদদি মীওইবা মাগী হৌরকফম, হায়বদি 'ঈপাম লমদম' হায়বদি মপু মাগী লৈফম য়েংলকই। লান্ন-ইশৈ অসিদা য়াওরিবা 'নুংশিবা' হায়রিবা ৰাহৈ অদুন তাইপঙ শেম্বা মপু মহাকপু হায়বনি, কংলৈচা মীতৈশিংনা তেংপালপা, তাইপঙপালপা শেম্বা তাইবংগী মপা মহাকপু 'নুংশিবা' হায়রগা খংনৈ।

মরম পুম্নমক অসিনা নুপা নুপী ৰাহৈশিংদা য়াওরিবা 'নু' হায়বা ৰাহৈ মচেৎ অসি নুপা নুপী অনিমকপু খংনবা য়াবা মী, মীওইবা হায়বনি, Common gender ওইবা ৰাহৈ/concept নি হায়বসি তশেংলে।

নুপা = নু + পা, তশেংনা হায়বা তারবদি 'নু' মী, মীওইববু, 'পা' হায়বদি পাথোক্লকপা, মঙোন্দগী চেনথরকপা হায়বনি, অদুগা নুপী = নু + পী হায়বদি 'নু' মী, মীওইববু 'পী' হায়বদি পীথোক্লকপা হায়বনি। ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক নুপা অমদগী পাথরকপা, চেন্থরকপা থৌৰাইনা, পলেম ওইবী অমগী মশাদা তারগা থাপুঙ তরা ফারকতুনা পলেম ইমাদগী থোক্লকপা, ইমাগী মশানা পীথোক্লকপা ঙাকতনি।

(২৯) **ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ** - নুংশিবা হায়বা ৰাহৈ/concept অসিগী হৌরকফমগী ৰাহৈ/concept তি 'নুংশিপা' হায়বনি। মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা চহী লিশিং কয়া চংনা, মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা খুন্নাই অমনা, শেমগৎলকপা ইনাৎকী ৰাহৈ/concept অমনি। নুংশিবা (নুংশিপা) হায়বা ৰাহৈ/concept অসিগী ৰাহস্থোক খংমিন্নসি- 'নুংশিপা' হায়বা ৰাহৈ/



ৰাখল্লোন অসিনা কংলৈচা মীতৈশিংগী য়াম্না ৰাংলম্বা ৰাংউলোন (Philosophy) গী ফিদম অমা উৎপনা, হৌজিকতসু মথকতা ইজথ্রবা কংলৈচা মীতৈশিংগী লান্ন-ইশৈগী পরেং মরিগী শৈরেং মচেৎ অসি অমুক হন্না ইদুনা অপাবশিংদা উত্তবা ঙমদ্রে।

লানসম্বীগী লময়াইদা,<br>
মুনুনা ৰারে পোৎথাবা,<br>
ঈপাম লমদম য়েংলুবদি,<br>
নুংসিবা মায়কৈ তামখরে।

মথক্কী কংলৈচা মীতৈশিংগী লান্ন- ইশৈ অসিদা য়াওরিবা 'ঈপাম', 'ঈপাম লমদম' লোইননা 'নুংশিবা' ৰাহৈশিং অদু মুন্না য়েংবিয়ু, ৰাহৈশিং অসিনা করি হায়রি মুন্না খনবিয়ু।

কংলৈচা মীতৈ মীওই অমনা, পুনসিগী পন্থুং/পোলোই অমা খংদনা নুপা নুপী লৈমিন্নদুনা, কল্লক মিহৌ পুনসিদা, মরু কেম্বামখৈ নোমদুনা মচা মশু য়োকতুনা থাকতুনা পুনসি লেল্লকলে। অদুবু ঙসিদি, পুনসিগী লানফম মায়ওক্লবা ঙমদ্রদুনা, পুনসিগী অরোইবা পোৎথাবা ওইনা, শুমাংদা খাংপোকশং অমগী মনুংদা, অরোইবা মিকুপ ঙাইদুনা, তেংপানবা মপু মহাক্কী মিংখৈ শোন্দুনা, লোংনা হিপতুনা লৈরক্লে।

মথক্কী লান্ন-ইশৈ অসি, মিকুপ খরগী মতুংদা পুনসি লোম্নগদবা কংলৈ মীওই অদুগীদমক মহাক্কী মরুপ মপিচা, মচা মশু, শাকৈ নাতৈনা শকপনি।

মথক্কী লান্ন ইশৈ অসিদা য়াওরিবা 'ঈপাম', 'ঈপাম লমদম' (ঈপাম লমতম) হায়বদি ঐগী ঈ ঐগী পুনসি অসিগী হৌরকফম হায়বনি। ঐগী ঈশাদা য়াওরিবা ঈ অসিগী হৌফমদি তেংপালপা মপু, ইপুঙলোইনপা অপকপা মহাকনি। মপু মহাক্কী ঈ মরিক অমদগী তাইপঙপাল অসি শেন্নকপা/লান্ন-ইশৈ শৈরেং অসিদা হায়রিবনা, মপু মহাক্কী লৈফমবু 'ঈপাম', ঐগী ঈগী হৌরকফম, 'ঈপাম লমদম' হায়বনা, ঈগী হৌরকফম লম, লমতম হায়রকপনি। লান্ন-ইশৈ অসিদা 'নুংশিবা' হায়বনা ফোংদোকলিবসি, ঐগী ঐগী হৌফম ওইরিব মপু, তাইপঙপালপবু শেমখিবা মপু, মহাক্না মীচং মীখায় নাইদনা তাইপঙ মীওই খুদিংবু য়োকলিবা নুংশিবগী শকতম ওইরবা তেংপালপা মপু

(Universal God Father) মহাকপু হায়বনি। 'নুংশিবা' (নুংশিপা) গী ৱাহন্থোকতি, নুংশিপা = নুং + শিপা হায়বনি।

তেংপালপা মপু, ইপুঙলোইনপা অপকপা মহাক্কী মথকতা ঐখোয়না করিসু ৱাকৎনিংঙাই লৈতে। মহাক্কী মফমদা ঐখোয়বু শেম্বিবা য়োকপিবগী তৌবিমল খংবা উৎপা নত্তনা, তাইবংগী মপা মহাকপু নুংশিবা নত্তনা। কংলৈচা মীতৈশিংনা তেংপালপা মপু মহাকতি নুংশিবগী সাইওননি হায়না লৌই।

অমরোমদা অমুক য়েংবিয়ু তাইবং মীওইবনা মচাবু অসুক্কী মতিক নুংশি মদুদি, নুপী অমনা মপুকতা মচা লৈখিবা নুমিৎতগী মচা অদুবু নুংশিবা হৌই, মচা অদুবু মাংদনবা শেন্নবা হৌই। মচা কন্নবগীদমক মমা মপা শিবা য়াওই। ফিভম অসি থৌৱাই পানবা পুন্নমক্কীসু চপ মান্নে। মসি তাইপঙকী মমা মপা পুন্নমকতা, মহাক্কী খুৎশেম মুৎতনবা নুংশিবগী মশক ওইরবা মপু মহাক্ল া চংদুনা লৈবদগী থোকপনি। নুংশিপা = নুং + শিপা, হায়বদি 'নুং' হায়বদি পুকনিং ৱাখল, লৌশিং, 'সিপা' হায়বনা শিবা, হিংদবা হায়বনি। নুংশিরিবা নুপা নুপী অদুনা নুংশিরিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা শাওবা, ৱাকৎপা করিসু ঙমদে, নুংশিদুনা অদুম লৈ হায়বনি। অমরোমদা অমুক 'নুংশিবা' হায়বদি 'কৎথোকপা' হায়বনি। তেংপালপা মপু মহাক্লা তাইপঙ পালপবু শেমবিরে, তাইবংবু মহাক্লা য়োকপিরে, অদুবু নোংমতা মহাক্লা ঐঙোন্দগী লফোই অমতা চাগে হায়রক্তে, মঙোন্দা ঐনা ঐগী ওইবা করি পিনিংঙাই লৈ, লফোইসু মহাক্লা শেম্বনি। মরম অদুনা মপু মহাকতি কৎথোকপা ঙাকতনি, কৎথোকপা।

অরোইবদা অইবনা পাবিরিবশিংগী মফমদা হায়জনিংবা অমখক্তি, তাইপঙ মালেম অসিদা লৈরিবা মীওই কাংলুপ (Race) শিংগী মরক্তা, কংলৈচা মীতৈশিং অসি খ্বাইদগী ৱাংনা ৱাংউলোন (Philosophy) গী মতাংদা খনবা ঙম্বা কাংবুনি। মখোয়না মালেমদা তেংপালপা মপু অমখকতা লৈ (Unity of the Universe), মহাক্লা তাইপঙ পালপদা থৌৱাইপানবা খুদিং শেমই, মহাকতি মশক নাইদে (The only universal God Father is formless, shapeless, and is spiritual) হায়বসি খংবা মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা মীওই কাংলুপনি।

(৩০) ৰ্ন্লে- 'নুংশা' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াগী লামাই কয়াদা য়াওবা



ৱাহৈনি। ৱাহৈ অসি থাইনগী কংলৈচা মীতৈশিংগী হৌজিক্কী science ক্কী মতাংদা থিজিল্লোন ৱাংলম্বগী খুদম অমনি।

অদুবু, কংলৈচাশিংনা ২১শুবা চহীচাদা শিজিন্নরিবা ৱাহন্থোক অসিগদি পুমখেন খেন্নরে/ঐখোয়না হৌজিক শিজিন্নরিবদি- 'নুংশা শারে', 'নুংশাশি ঙসিদি য়াকখ্রে' অসিনচিংবা, হায়বদি 'নুংশা' হায়বসি 'নুমিৎকী মঙাল', 'ইংবা, শাবা' অসিনচিংবদা শিজিন্নে।

অদুবু পুয়াদদি মথক্কী ৱাহন্থোক অসিগা পুমখেন খেন্নে, science ৱাহৈ/concept ওইনা শিজিন্নে।

মথকতা মমিং পনখিবা পুয়া অসিদা অসুম্না ইরি "ই.পুঙলোই অপকপকী নুং-সা সা- তুমপু খাইথোকপা অতুনা ৱাকোনপুঙতা লৈপা লাইপুঙথৌ ৭ তা য়েনথোকলে'।

তেংপালপগী মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা অসি 'সকনাইদপা' পোৎশকনি, লাইনি হায়বসি ঐখোয়না পুয়া অসিদগী খংখ্রে। 'তলঙ', 'তলঙ মালঙ' ওইবা মপু মহাক্কী 'নুং-সা 'সা-তুমপু' 'লাইপুঙথৌ তরেৎতা য়েনথোকলে' হায়রিবসি science নি। পুয়াদা য়াওরিবা 'নুংসা', ৱাহৈ/concept কী ৱাহন্থোকতি য়েংবিয়ু: নুং + সা = মফম অসিদা 'নুং' হায়রিবা অসি তেংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপগী 'নুং' নি, মশক লৈতবা মপু মাগী 'নুং' নি, মরম অসিনা 'নুং' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি spiritual ওইবা পোৎনি, Material ওইদবা পোৎনি। ময়াম্না হৌজিক ঙানরিবা 'নুংগী ওইবা ৱাফমদি', 'নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি' 'নুংশিবা', 'নুংঙাইবা' অসিনচিংবদা য়াওরিবা 'নুং' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অদুনি/ Material ওইবা পোৎ অমতা নত্তে।

মখা তারকপদা + '-সা' হায়রিবা অদুদা য়াওরিবা 'সা' হায়রিব অদু 'Material body', 'Material Lump' হায়বনি। অমুক 'সা' গী মমাংদা য়াওরিবা 'নুং' অদুনা হায়রিবসি 'সা' Material, অমথক মশক নাইপা পোৎ অদু মশক নাইদবা 'নুং' দগী খায়দোকলকই, থোক্লকই হায়রিবনি। Science কী হৌজিক্কী science না য়ানরবা, অয়ৌবী science কী থিজিল্লোননি। মশক লৈতবা অমতা ঙাইবা মপু মঙোন্দগী, মশক লৈবা (Material body) তাইপঙ শেম্লকপগী অহৌবনি।

মরম অসিনা 'নুংসা' হায়বদি মপুগী ৱাখল লৌশিংদগী মশক নাইবা তাইপঙ শেন্নকই হায়বনি।

মসিগী ৱাখল্লোন অসিগা চপ মান্নবা মওংদা অসুম্না ইরি "ই.পুঙলোই অপকপনা মথননাতা লৈপা য়াততুনা হাইনা হুমলকপকী হুঙ হুং কী ই.ৱাই ই.নিননা নীকসিল্লক্তুনা ফমচিললকপাতা। থেংনালুপা অতুপু লাইকী মসানি হাইতুনা লাইসা (লৈসা) হাইনা কৌখিপা ...।।" ৱাফম অসিসু মপুগী ৱাখলদগী লৈসা (মালেম) ওল্লকপগী অশেংবা খুদমনি। মতাং অসিদা অইবনা হায়জনিংবদি, য়াম্না খুমাং চাওশিন্না লাইরিক খবর পাবিবাশিংনা হৌজিক্কী মতমগী science না পুথোক্লকপা Higgs field, Higgs Boson (God Particle) অসিগা ঐখোয়গী পুয়াগী ৱাফম অসিগা চাংদমনদুনা য়েংবিয়ু হায়বশিনি।

(৩১) ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ- মথক্কী ৱাহৈ/concept কয়াগী ৱাহন্থোক পীবদা 'নুং' ৱাহৈ মচেৎ অসিগী মতাংদা ৱাখল্লোন কয়া অইবনা পীজখ্রে। মথক্কী ৱাহৈ/concept কয়া নৈনখিবা অদুদগী 'নুংঙাইবা' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোকসি অপাবনা খংবিরম্লগনি খল্লি। অদুবু অমুক খংমিন্নসি।

নুংঙাইবা = নুং + ঙাইবা, মফম অসিদা য়াওরিবা 'নুং' হায়বসি, মথকতা কয়ারক হন্না হাইখিবগুম, পুকনিং, ৱাখল, অপাম পামদ খংলিবা পুকনিং ৱাখল অদুবু হায়বনি। মথংগী 'ঙাইবা' হায়বা অসিনা হায়রিবনা, পুকনিং ৱাখলনা য়ানিংদবা নত্তবা, পুকনিং ৱাখলনা পামজবা, পুকনিং ৱাখলনা থোকহন্নিংবা, ঙাইদুনা লৈবা হায়বনি। ঐনা নুংশিজবা মী অদুনা শাওদুনা চৈরকপা নত্তবা, মানা নোকমি নোকমি তৌরগা য়েংলকপা অদুনি, ঐগী পুকনিংনা ঙাইদুনা লৈরিবা অসি মসিনি 'নুংঙাইবা' গী ৱাহন্থোকসি শেংনা খংবিরম্লগনি খল্লি। 'নুংঙাইবা' হায়বা ৱাহৈ অসিগী খ্বাইদগী নক্লবা ৱাহৈদি 'নুঙাইতবা' হায়বা ৱাহৈ অসিনি।

নুংঙাইতবা = নুং + ঙাইতবা হায়বনি/ৱাহন্থোকতি, থম্মোইনা, ৱাখলনা, পুকনিংনা থোকহন্নিংদবা, পামদবা থৌদোক হায়বনি। মসিগী ৱাহন্থোকতি, ঐনদি য়াম্না নুংশিজদুনা, ঐনদি মাগী মতুং ইন্দুনা চৎলুবা, অদুগা মানদি মদুগী ওন্ন-তৈনবদা শুকতোকতুনা শাওনা ইল্লকতনবা য়েংলকপা, মদুনি, নুঙাইতবাগী ৱাহন্থোকসি।



(৩২) ꯅꯨꯖꯥ- 'নুজা' হায়বা ৱাহৈ অসিগী তশেংবা কংলৈ মীতৈগী ৱাহৈ শকতমদি 'নুচা' হায়বনি। ১৮শুবা চহীচাদা হিন্দুশিংনা নিংথৌ ওইখিবদগী কংলৈ খুন্নাই অসি মথক মখা ওল্লকখি। কংলৈচাশিংনা কংলৈ ৱা হ খংদবা হৌরকখি। কংলৈচাশিংনা, কংলৈচাশিংবু শক খংদনবা কন্না হোৎনরকখি। 'নুজা' হায়বদি 'নুচা' হায়বনি। নুচা = নু + চা, নু হায়বনা 'মী' হায়বনি, 'চা' হায়বনা অঙাং হায়বনি। খুন্নাইগী ৱাহৈ পুক্কৈদা শিজিন্নরিবনা নুপী ওইনা পোক্লবী মী, নাত্তা ওইরিবা নপী অমব হায়বনি।



চিনা এক্টেস ভিক্কি ঝাও লুৱাং



চিনা এক্টেস গোং লি।

ꯆ(চ)

মথকতা উৎলিবা শকতম অসি কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাহৈ ইনবা ঈয়েক ঈপী ১৮ লৈবগী মনুংদা মথকতা উৎলিবা ঈয়েক অসি ৭শুবা কংলৈ ঈয়েকনি। পাবগী খোন্থোক্লা 'চীল' হায়না পাই।

ঈয়েক অসি য়েকপগী মওংদি, লৈই মরিনা পুল্লগা ঈয়েক্কী শকতম অসি পুথোকপনি। অহানবা লৈই হায়বদি মথক ইথক থংবা ফৈনা চিংলিবা লৈই অদুনা ইপা সলাইলেল সিতপা, অতীঙআনি। কংলৈচাশিংগী শীংথালোন চৈজীঙ ঈয়েক ꯱ (অমা) অসি থারগা ইনপা ঈপী ১৮ অসি লাইপুঙথৌ ৭ তগী ওল্লকপা মরম্না, ঈ.য়েক ꯱ (অমা) হায়বদি সলাইলেল সিতপগী মহুৎ শিল্লিবা ꯱ (অমা) অসি নত্তনা অতৈ ১৮ দি লোইনমক সলাইলেল সিতপা অতীঙআগী শকতম ওইনা মথক ইথং থংনা অফৈবা লৈই (-) না হৌরগা য়েকই। মীতৈ কংলৈচাশিংনা ময়েকনা 'ইপা' নি হায়বদু খংনবা ঈয়েক খুদিংগী শকতমদা অতীঙআ, সলাইলেল সিতপনা হৌরগা য়েকই।

অতোপ্পা লৈই অহুম অদুনা মৈ, ঈশিং অমদি নুংশিৎনি।য়েকপদা শকতম লৌরিবনা, নাকন অনিদা কান্থোকপা লৈই অনি অদুনা চাইরুং খজাই অনিগী শকতমনি, অদুগা ফৈনা অকোনবা লৈই অনি অদুবু শমজিন্নরিবা লৈই অদুনা মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎ চীল, পোৎ চানবা কয়াৎ চীনবু উৎপনি। পুম্নমক অসি ৭শুবা ঈয়েক অসিগী মপানগী ওইবা শকতমনি। তাইপঙ মীওইপগী চীনচাক চানবা অমদি মথৌ তাবা মতমদা নিংশা হোন্নবা কয়াৎ ওইরিবা 'চীল' হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা, মথৌ কয়ামুক তৌবা হকচাংগী কয়াৎনি।

তেংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপনা তাইপঙপালপা অসিবু শেম্বা হৌরকপা মতমদা, ইহান হান্না তাইপঙ পালপা শেম্বা য়ানবা শেম্লকপা পোৎশক অহুমদি মৈ, ইশিং, অমদি নুংশিৎনি। পোৎশক অহুম অসিনা, তাইপঙপালপা অহিংবা থৌৱাইপানপশিং শেম্লবা অহানবা পোৎশকশিংনি। পোৎশক অহুম অসিবু "চুপ অহুমমকতি লাকপন থাঙফমনি।" পুয়াদা ꯀ কী মখাদা য়েংবিয়ু। অদুগা অমুক "অহুম মানা লৈতালিঙৈ। তলঙ ওইনা লৈলিঙৈকী মমিংবু তলঙ ই.পুঙ কৌয়ে।। তলঙ ই.পুঙকী ই.য়েক অসিপু ই.নুঙলোননা তিনলাং কৌয়ে।।" পুয়াদা ꯁ গী মখাদা য়েংবিয়ু। অদুগা অমুক্কা য়েংবিয়ু "মপুকী কোনচিলতাগী তুকথখিপা তিললাং অতুপু থাপুঙ তালা ফালাতুনা তাইপঙপালতা ফাওলকলে।।০।।" মতাং অসি ইপু অথৌপা কোনচিন তুকথপা পাখংপা পোকপগী মতাংনি, পুয়াদা য়েংবিয়ু।

মথক্কী অকোনবগী quotation দা তিললাং হায়রিবা অদু sperm বুনি, মসি মৈ, ইশিং, নুংশিৎ অহুম্না পুল্লগা শাপনি হায়বসি তশেংলে। অদুগা অমুক, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াগী অহৌবদা "মালেম নোংথৌ অনিনা উয়ুংচৈ ওইনা লেপখলে।। উয়ুংচৈ মনুঙতা তাইনপা মলকতা কামপী, লাইচা মালঙপা চাইললে।। মৈ, ইশিঙ, নুংশিৎ অসুম ওইপা মওংপু ই.পুঙঙোনা ওননা ওননা সাইওনলে।।০।।" ৱাফম অসিনা অমুক মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অহুম পুল্লগা তাইপঙ পুনসি থৌৱাই হকচাং শেম্লকই হায়বদু অমুক হেন্না চেৎশিলহল্লে। অহানবদা quotation দা "লাকপন থাঙফমলে।" হায়বশিদা 'লাকপন' হায়রিবদু লাকশিল্লগা, পুনশিল্লগা হায়বনি, অদুগা "থাঙফমনো" হায়বসিনা থাঙথবনে, পীথরকপনে হায়বনি।

অনিশুবা quotation দা 'অহুম মানা লৈতলিঙৈ' হায়বা পুয়াগী ৱাফম অসিদা হায়রিবনা, তাইপঙ শেম্লকপদা, মৈ, ইশিং, নুংসিৎ, অহুম অসি ফাওবা শেমদ্রিঙৈদা হায়বনি। অদুগা 'তলঙ ই.পুঙ' হায়বনা অহুম অসিফাওবা শেমদ্রিঙৈদা অহুম অসিগী মমিং 'তলঙ ই.পুঙ' কৌই হায়বনি। মরম অসিনা মৈ, ইশিং, নুংশিৎ অহুম অসি 'তলঙ মালঙ' ওইনা লৈবা তেংপালপা মপু ই.পুঙ' কৌনা লৈ হায়বনি। 'তিনলাং' হায়বসি 'তলঙ ই.পুঙ'



গী অতোপ্পা মমিংনি। অদুগা অমুক, অহুমশুবা quotation অসিদি ইচম চম্বা ৱাহম্থোকনি। মপুকী কোনতগী কুমথরকপা, লাকপা, 'তিললাং' অদুনা পলেম ওইবীশিংগী পীপুকনুংতা থা তরা ফারগা অঙাং ওইনা লাংওল্লকই হায়বনি, করিসু চিংননিংঙাই লৈত্রে। মরম পুম্নমক অসিনা, কংলৈচাশিংগী খুন্নাইগী খোংচৎতা, পুয়া মৈ থাদ্রিঙৈদা, চহী-লিশিং কয়াগী মমাংগী নোংচুপলোমগী 'sperm' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি কংলৈচাশিংনা 'তিললাং' হায়না কৌদুনা শিজিননদুনা লাকপনি।

পুয়াদা ইরিবা ৱাংউলোন, ৱাখল্লোন অসিনদি য়াম্না ৱাংবা, অদুগা ঐখোয় কংলৈচানা চহী ৩০০ লোম হিন্দুশিংনা নমশিন্দুনা পানখিবদগী য়াম্না পংশিনবা মরম অসিনা পুয়াগী ৱাফম অসি খংবদি য়াম্না ৱারগনি, অদুবু খংনবা হোৎনবিয়ু ইরৈপাক অমসুং ঈ কাংলুপ কন্নবা।

ꯆ(চ) গী মখাদা পুয়াদা ইরকপা অদুদা য়াওরিবা 'চীলওকনবা' হায়রিবা অদু পুল্লপ লৈ হায়বনি। ঐখোয় কংলৈচাশিংনা 'চীল' হায়না কৌরিবা কায়াৎ, চীনচাক চানবগী কায়াৎ অসিদা, তেংপালপা মপুগী মশক ওইরবা মৈ, ইশিং নুংশিৎ পোৎশক অহুমসি চীলদা পুল্লপ লৈ হায়বনি। মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, 'তিললাং' শাবদা চংবা পোৎলমশিং অসি চীলদা লোইনা লৈ হায়বনি।

চীলদা লৈরিবা মৈ, ইশিং, নুংশিৎ অসিগা ঐখোয় চীনচাক চাবা মতমদা, শায় শায়দুনা চাখিবা পোৎশিং অসিগা, তিনশিন্নদুনাওইরকপা অদুগী খ্বাইদগী ফবা শরুক অদু চিংখৎলগা কোকতা, হায়বদি 'ৱাকোনচীঙ' তা 'থৌৱাইবু য়োমদুনা থমই হায়বনি। অদুগুম্বা থৌৱাই ওইবা 'তিললাং' অদুনা থা অনি ফারগা, নুপা (পালী) গী মিৎতা কুপ্লকতুনা নুমিৎ ৫নি লৈরগা 'লৈপাক অহিঙপী' পলেম ওইবীশিংদা থল্লগা তাইপঙ লাংওল্লকই হায়বনি ই.য়েক ꯆ গী ৱাংউলোন অসি, পুম্নমক অসি, চীলগী মতেংনা পাংথোকই হায়বনি।

(১) ꯆ.ꯑ-- কংলৈচা মীতৈশিংগী 'চক' হায়বা concept অসি নোংচুপলোম্না হৌজিক Biology, Biological Science হায়না খংনরিবা থিজিল্লোন অসিদা কংলৈচা মীতৈশিংসু চহী লিশিং খরগী মমাংদা য়াম্না চাওনা খুমাং চাওশিল্লম্বগী খুদমনি। কংলৈচাশিংনা থৌৱাই পানপশিংগী পুনসিবু মতম মরি থোক্লা নৈনরমই। পুনসিগী মতম মরি অসিবু চক হায়রগা খংনৈ। হিন্দুশিংনা শিজিন্নবা ৱাহৈ-concept যুগ হায়বা অদুগা য়াম্না খেন্নৈ, শুকমান মান্নদে।

কংলৈচা মীতৈগী থিগৎলোন অসি 'চকপলোন' কৌই, অদুগা চকপলোনগী মতুং ইন্না তাইপঙ পুনসি অসি cyclic order দা লৈ, মদুবু 'চককোই' কৌই, অদুগা 'খমচীনকোন' হায়রগসু খংনৈ।

চ.ক মরি অদুদি: হৈ-চ.ক (হয়ি-চক নত্তে, হায়জিনবনি) - হৈ-চক হায়বদি ইপাদা থৌৱাইনা লৈবা মতম হায়বনি। মসি চক মরি অদুগী অহানবা চকনি। অনৌবা তাইপঙ পুনসিদা ফাওরক্তুনা মীওইনা পাল্লগদবা নুপা, নুপী অদুনা মপা, পন্থৌগী মশাদা থা অনি লৈ। হৌজিক থা অনি মপাদা লৈ হায়বা ৱাফম অসি মতমগী science না খংলে। তাইপঙ মী ওইরক্কদা তিললাং (sperm) অসি মপুং ফারবা নুপা অমগী মশাদা শাগৎপা (Manufacture) তৌবদা থা অনিরোম চংই। মসি চীলদা তোইনা তোইনা শায়দুনা চাখিবা পোৎশিং অদুগী খৱাইদগী ফবা শরুকতগী লৌদুনা শেমখিবনি। মীতৈ কংলৈচাশিংগী থিগৎলোন্ন ফংবদি মসি কোকতা (ৱাকোনপুঙ) দা শাই। মসিবু কংলৈচা মীতৈশিংনা থৌৱাইনা মপাদা থা অনি লৈবা কৌই।

অনিশুবা চকতি অদুদি হা-চক কৌই। কংলৈচা মীতৈনা 'হা' হায়বা/ concept অসি হৌজিক ঐখোয়না 'ইমা' হায়রিবা ৱাহৈ/ concept অদুনি। মপাদা শেমগৎখিবা থৌৱাই অদুনা থা অনি ফারকতুনা মপুং ফারক্লবা মতমদা, মপা পন্থৌগী মিৎতা কুপ্লকতুনা নুমিৎ ৫ নি পন্দুনা লৈ। অহেনবা থৌৱাই অসি পলেম ওইবীগী মশাদা তাদ্রিঙৈদা, নুপা পন্থৌ অদুগী মমিৎকী মিৎ নাহা অদু অনি লোংই। অসুম্না নুমিৎ মঙানি লৈরিঙৈ মতম অদুদা, নোংমা পলেম পন্থৌ অনিনা ঈরাং লৈরকপা মতমদা, মপা পন্থৌদা লৈবা থৌৱাই-তিললাং অদুনা পলেম ওইবগী মশাদা তাই, থা ১০ চংনা মীওইবা মপুং ফানা শেমগৎনবগী পলেম ওইবীগী মশাদা লৈবা হৌবা মতমনি। মপা পন্থৌদগী তাইপঙ থৌৱাইনা পলেমগী মশাদা হেক তাবা হৌবা মতম অসিবু কংলৈচা মীতৈশিংনা হা-চক কৌই।

অহুমশুবা চকতি 'কোন-চ.ক' কৌই। কোন-চক হায়বদি কোনশিন দুনা লৈবা মতম, চক হায়বনি। মপা পন্থৌদগী লাকপা, পলেম ওইবীগী মশাদা তারবা থৌৱাই অদুনা পলেম ওইবীগী মশাদগী ঈ চাদুনা, মীওইবগী হকচাং মপুং ফানা শাগৎনবগীদমক, পলেমগী পীবুকনুংদা থা তারা ফাইদুনা লৈ। থৌৱাইনা তাইপঙ লমজাওদা মীওইনা থোক্লক্লবগীদমক, মপুং ফাবা ঙাইদুনা থা ১০ লৈবা মতমবু, কংলৈচা মীতৈশিংনা, পলেমগী পীবুকনুংদা কোনশিন দুনা লৈবা মতম, 'কোন-চ.ক' কৌই।



মরিশুবা চকপু 'লাং-চ.ক' নত্রগা 'লাংপা-চক' কৌই। মপা পন্থৌদগী তাইপঙ থৌৱাইনা পলেম ওইবীগী মশাদা থা ১০ লৈদুনা, 'হা-চ.ক' অমসুং 'কোন-চক' কী মনুংদা তাইপঙ মীওইপা মপুং ফারে। মতম অসি য়ৌরক্লবদা তাইপঙ মপুনা, 'নৌৱা নং' তাইপঙ মীওইবা মপুংফারবনিনা তাইপঙ লমচাও থোকতুনা তেংপালপা মপুগী থৌথা পাংথোকলুরো হায়দুনা পলেম ওইবীগী পীপুকনুংদগী তাইপঙ লমচাওদা থিনথোক্লকলে। মসিবু 'লাংপা-চক' কৌই। মপুনা পীবা থৌৱাই-ঈলিক তিললাং অদুনা তাইপঙ মী 'লাংওল্লে' 'লাংওন দুনা তাইপঙ মী' ওইনা থোক্লকলে হায়দুনা 'লাংপা-চক' কৌই।

'চক' কা হিন্দুগী 'যুগ' কা মান্নদে, শুকমান মান্নদে। মান্নবা হোৎনবিরক্কনু ওইথোকলোই নোংপোক্কা নোংচুপকা খেন্নবগুম খেনৈ। মীতৈগী চক তি য়াম্না scientific ওই। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ অমসুং লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিং অনিনা পুথোকপা চৈথারোল কুম্বাবা (1967) দা অসুম্না অহানবা লামাইদা ইরি "শ্রী তাইবংপানবগী মপুবু খুরুমনা চৈথারোল কুম্বাবু ইজরক্কে তাথিবিগনু। কলিগী কুমশিং ৩১৩৫ শুবদা মৈদিংঙু পাখংবনা নিংথৌ ওইএ।" নিথোর নাথ বানরজী কৌবা বেঙ্গোলী মচা অমনা ১৯০৮ দা Type তৌথোকপা Diary of Manipur কৌবা লাইরিকতা অহানবা লামাইদসু অসুম ইরি "By the end of the Dapar Jug and begining of the kàli Jug (year 3435) Enoog Howba Chonoo the wife of Babroobahan gave birth to a son called Pakhangba".

মথক্কী ইংলিসকী quatation অসিগী ৱাহন্থোক য়েংবিয়ু: "দাপার যুগকী অরোইবদা অমসুং কলি যুগকী অহৌবদা (চহী ৩৮৩৫ শুবদা) বরব্রুবাহনগী নুপী ইনুগ হাওবা চোনুনা পাখংবা কৌবা মচা নুপা অমা পোক্লমই।"

মথকতা পীরিবশিং অসি মনিপুর সরকারগী ওইবা রেকোর্ডতগীনি। মখাগী হিন্দুগী মতমদা ইবা লাইরিকশিংগী লৌথোকপা অসি অমুক য়েংবিয়ু:

"কোন্নচককী মচিন্দগী। নোংদা লাইরেল পাখংবা কৌনা। চহি ৮০০ চুপনা লৈশেম চক ৪ দা থনম্বা শল্লাই ৭ কী ৱায়েল তৌগদবা থবক লৈবাক ঙাকপা/ফম্বাল তোংবা

| | |
|---|---|
| য়াম্না থুপনা শান্নবা চহি | ৬৮০০ |
| ফোংদোকনা শান্নবা চহি | ৮০০ |
| সুপনা চহি | ৭৬০০ |

অসিবু হান্না শেন্বা কোন্না লোইবা ও: তৌনা কৌএ।”

মথক্কী অসি চৌংথাম মেরামচানা ইবা হুং শিদবা লৈশেমলোন অরিবা পুৱারী কৌবা লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি।

“নিংথৌ লানবিচানা কোরৌ নোঙ্গা তানখ্রবদা মচা ইবুংঙু শোপাইবনা মপাগী ফম্বাল ফংএ। নিংথৌনা লৈবাক অসিদা পানবা মতমদা হয়াচক্কী চক অহৌবা ওইএ। চক মহাক্তি কুমশিং চাহৈ ৮৩৫০০০ ওইগদনে।”

মথক্কী অসি নোংথোনবমচা অঙৌ লুৱাংনা ইবা “নিংথৌ কাঙবলোন” (খৃষ্টগী মমাংগী নিংথৌশিং)” কৌবা লাইরিকতগী লৌথোকপনি। লাইরিক অনি অসি হিন্দুগী মতমদা ইবনি হায়বসি তশেংনা খংই, লোইননা লাইরিকশিং অসি হিন্দুগী মতমদা পুয়ানি হায়না শেমজিনবা লাইরিকশিংদগী শিন্দোকপনরা নত্রগা খংদদুনা পংইদা ইশিনব্রা মওং অমদি তৌরে।

লাইরিকশিং অসিদা কংলৈচাকী ‘চক’ হায়বা য়াম্না scientific ওইবা, তাইপঙ থৌৱাইদি শিবা নাইদে, হন্না হন্না পোকই হায়বা (Rebirth theory) বু হিন্দুশিংগী ‘যুগ’ কা মান্নবা শেমজিনবা অসি য়াম্না নোকনিংই, ওইবা য়ারোই। লাইরিকশিং অসিদা য়াওরিবা চহীশিং অদু মফম মরাং খংদবা মওং ওইনা তৌই। কংলৈচা মীতৈগী ‘চক’ য়াম্না scientific ওই, অসিগুম্বা মফম মরাং খংদবা অসি য়াওদে।

‘চকপালোন’- মতৌ করম্না থাইনগী কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা ‘চক’ হায়বা ৱাহৈ/concept/ ৱাখল্লোন অসি পুথোকপগী কাংলম অদুবু ‘চকপালোন’ কৌই। ‘চকপালোন’ না পুথোকতুনা খংলকপা হায়বদি পোকপা- শিবা, পোকপা - শিবা, অসুম্না লেপ্পা লৈতনা চৎলিবা তাইপঙ পুনসি, থৌৱাইগী মওংদুবু চক অকোইবা ‘চকোই’ কৌই cyclic order নি হায়বনি। ‘চক’ কী চহী মশিং হিন্দুগী ‘যুগ’ কুমনা লৈতে।

হৌজিক্কী ঐখোয়না খংনরিবা ‘জগোই’ হায়বা ৱাহৈসি ‘চকোই’ দগী ওনবনি। ‘চক’ কী মনুংদা থোকলিবা পোকপা, শিবা অসিনচিংবা পুম্নমকপু হকচাংগী শাথেক্লা মিৎয়েংনা উৎলিবা অদুবু ‘চকোই’ (জগোই) কৌই। চকোইপু



‘খমচীনকোন’ হায়নসু খংনৈ। খমচীংকোন = খম + চীন + কোন, মফম অসিদা ‘খম’ হায়রিবসি খম্বা, পুনসি খম্বা, শিবা হায়রিবনি। চীন হায়বদি মচীন, মতোন হায়রিবনি। অদুগা ‘কোন’ হায়বনা ‘হা চক’, ‘কোন’ চক হায়রিব নি। মরম অসিনা ‘খমচীনকোন’ হায়বদি মীওই মপোক অমগী পুনসিনা হেক লোম্বগ. মপা অমসুং মমা অমগী পীপুকনুংদা চংদুনা পোকই হায়বনি। তাইপঙ পুনসি অসি কোইনা থৌৱাই অসি অমুক পোক, অমুক শি.... অসুম্না cyclic order দা লৈ হায়বনি। কংলৈচা মীতৈশিংগী ‘চক’, চকপালোন, ‘চকোই’ অসি মীতৈগী Rebirth Theory নি।

(২) চনু - চনু হায়বদি শাগৈ অমদা পোকপা নুপী মচাবু হৌজিক কংলৈলোন্দা চনু কৌই।

চনু = চা + নু, ‘চা’ হায়বদি অঙাং হায়বদি নুপামচা অমসুং নুপীমচা অনিমকপু খংনবা ৱাহৈ। ‘নু’ হায়বনা নুপা, নুপী অনিমকপু খংনবা মী, মীওইবা, হায়বনি, কংলৈচাশিংগী অরিবা লোন্দদি। অদুবু হৌজিক্কী মীতৈ লোন্দদি নুপী মচা খকতবু খংনরে। অদুবু হৌজিক ওইরকলিবা লোন অসি চীংমী অমদি তম্মী অমতা ওইবগী হৌনবী তোৎন তিন্নবা লোইনরপগী হৌনবী অমনা অমগী লোন্দা পুদা হেকতা লৌনৈ। চুরাচান্দপুর লোমদা তারিবা মী কাংবু অসিনা, মচা নুপাবু ‘চপা’ মচানুপীবু ‘চনু’ কৌই। মীতৈ ঐখোয়গী লোল্লিবা লোল অসিসু করিগুম্বা মতমদা চীংগী লোন্দা ইনখিবা কয়া য়াওরি।

(৩) চা - কংলৈপাক হায়বা ইপা ইপু কংলৈচাশিংগী লৈপাক অসি কংলৈচাশিং অসিনা ‘চা’ হায়বা, ভারতমচাংনা ‘চাই’ হায়বা, মালেমগী অয়াম্বা মফমদা ‘Tea’ হায়রগা খংনবা, পাম্বী মচা অসিগী অহানবগী হৌফম (Original home) নি।

১৮ শুবা চহীচাদগী কংলৈপাক্কী হিন্দুনা নিংথৌ ওইখিবা, মতমদুদগী, অরেপ্পা লৈতনা চংশিল্লকলিবা ময়াংমচাশিং অসিনা মপুক ফত্তবদগী, অদুগা লৈঙাকলোনগীদমক্ত পুম্নমকতি মখোয়না পায়খিবদগী, কংলৈপাক্কী মরল পুম্ন মপু মখোয়গী ভারতকীনি হায়নিংবা অসি ওইনবা হোৎনখিবদগী, পুম্নমক মাংহন্দুনা লাকপনি। চা পাম্বীদা নত্তনা মুকা (silk) তিনগী হৌরকফমসু কংলৈপাকনি। হৌজিক হৌজিক মালেমগী শকতমদা হায়বা তারবদি ঐখোয়গী য়ুমলোননবা চিনা (China) অমদি জাপান (Japanese) শিংনা ঙসি

ফাওবদা 'চা' বু 'চা' (spelling and pronunciation দা Chinese dictionary দা ch'a' অসুম্না ই), অদুগা জাপান মচাশিংনা ঐখোগুম্না ইচম চম্না 'চা' (Cha) হায়না কৌই। লন্দনদগী পুরকপা Green Tea packet তা 'sen-cha' অসুম্না ই। 'Sen-cha' গী পোৎথোক অসি United States কীনি হায়না থাই। মরম অসিনা 'চা' হায়বা ৱাহৈ, পোৎশক অসি কংলৈপাকতগী হৌখিবনি হায়বদা য়েৎফম অমসুং চিংনফম ৱাৎলি।

<u>অইবনা করিগী 'চা' হায়বা ৱাহৈ অদুগা 'চা' পাম্বী কংলৈপাকতগী হৌখিবনি হায়রিবনো হায়বগী মরম য়েংবিয়ু:</u>

হৌজিক হৌজিক কংলৈপাকতা, কংলৈপাক্কী অৱাং নোংপোকতা তরেৎখুললোমদা, 'চানুং' হায়বা মফম অমা লৈরি। 'চানুং' হায়বগী ৱাহন্থোকতি 'চা উনুং'হায়বনি। 'চানুং' নত্রগা 'চা উনুং' হায়বসি তশেংনা মীতৈলোনগী ৱাহন্থোকতগী খংবা তারবদি, চা পাম্বী ময়াম হৌবা 'উমং' চা পাম্বী ময়াম হৌফম হায়বনি। মসিগা লোইননা কংলৈপাক্কী মফম কয়াদা চা পাম্বী পংহৌদা হৌবা মফম লৈরি। লমাংতোং কৈথেলদা কংলৈপাক্কী মহৌশাগী চা মনা (Indigenous Tea leave) মরাং কায়না তমেংলোংগী মীশিংনা য়োল্লি। তমেংলোং চীংদা চা পাম্বী পংহৌদা হৌই হায়।

পুম্নমকশিগা লোইননা ইংলিশমেন অইবা T.C. Hodson না মাগী লাইরিক THE MEITHEIS দা লামাই ৪৪ দা অসুমনা ইরি:

"The climate is favourable for the production of Mulberry trees which form the food of the silkworms. The floral wealth of the country as a whole is famous. Sir George Watt, K.C.I.E. says that 'porbably no part of India had such varied and beautiful flora. On going into Manipur the first thing that struck the traveller was the enormous number of trees with which he was not familiar in other parts of India. Speaking from memory he believed that there were probably twenty species of the Oak. Manipur was the home of the tea plant. Another interesting fact about Manipur was that it was the home of the silk worm. He believed highly probably that the real Mulberry silk insect originated in Manipur and went from there into China" T.C. Hodsom না মহাক্কী THE MEITHEIS দা হায়রম্বা অসি য়েংলুরগদি 'চা' অমদি চা পাম্বীদা নত্তনা মুকাতিন অমসুং M·ilberry Oak Tree সু কংলৈপাকতগী হৌখিবনি হায়বা য়ারে।



(৪) [illegible] -তেংপালপা মপু মহাক্না তাইপঙপালপা শেমগৎলকপগী খোংচৎতা ইহান হান্না মৈ, ইশিং, নুংশিৎ অহুমসি শেমলে। অহুমসি শেম্লবা মতুংদা নোংথৌ অতীংআ অমসুং মালেম মরকতা (তাইনতবদা) "কামপা। লাইচা। মালঙপা চা.ইনলে", মসিনি পুয়াদা ইরিবসি।

মরম অসিনা ঐখোয়গী পুয়াদা হায়রমলিবা 'চায়নবা' (চাইনপা) হায়বা অসিগী ৱাহন্থোকতি, collide, collision ইংলিসকী ৱাহৈ অসি ওইবা য়াই, ঐখোয়গী মীতৈলোন্দা শিজিন্নরিবনা 'তা চায়নবা' হায়বা ৱাহৈ অসিনি। মরম অসিনা 'চায়নবা' হায়বা ৱাহৈ অসিগী তশেংবা ৱাহন্থোকতি, হৌজিক্কী কংলৈচাশিংগী লোন্দা, মী অমগা, মী অমগা নত্রগা কাংবু অমগা কাংবু অমগা, খুৎলাইনচিংবা পাইনদুনা, অমনা অমবু মাংহন্নবা হোৎনবা অদুবু খংনৈ। মতাং অসিদা থাইনা থৌনা ফরবা কংলৈচাশিংনা 'তা চায়নবা' হায়বসি মতৌ করম্না পাংথোক্লম্বগে হায়বা অদুনি। কংলৈচাশিংগী থাইনগী ৱায়েন পথাপতা, মীওই অনি খৎনবদা, কংলা উতা শঙলেনদা নিংথৌ অমসুং মায়চৌ ৭ না ৱায়েনবদা, চুম্না অরোইবা ৱায়েন তৌবা ঙমদ্রবদা, অরোইবদা তেংপালপা মপুদা থাজবা থমদুনা, তা চায়নহন্দুনা অমনা অমবু হাৎতোকনহল্লি। চায়নবগী মওংদি, অরেপ্পা থাপ্লবা অমগী মনুংদা, খৎনরিবা মী অনিমক লেংবা য়াদনবা মখ্বাং ফাওবা ফুমজিল্লগা, তা কনানা হান্না হুনগদগে হায়বদু নিংথৌ অমসুং মায়চৌশিংনা লেপ্লগা মতুংদা তা হুন্নহন্নি, শিজবা অদু মরাইবকীনি, লাইনা তম্বনি হায়না লৌনরগা, ৱায়েল অদু লোইশিল্লি।

(৫) [illegible] - মফম অসিদা অইবনা ইজরিবা, 'চাতুম পাললে' হায়রিবা ৱাহৈশিং অসি পুয়াদা য়াওবা অদুমক লৌথোক্লুনা ইজবনি। পুয়াদা হায়রিবসি তশেংনা অসুম্না ই, "লাইনিঙথৌকী লৌউফমসুঙ মাঙচীঙনে। চাতুম পাললে।" ৱাফম অসি, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াগী [illegible] গী মখাদা য়েংবিয়ু। মফম অসিদা পুয়াদা 'লাইনিঙথৌ' হায়রিবসি মীওইবগী লাইপকতা লৈ হায়রিবা 'তাইপঙপালপা মপু' মহাকপু

হায়বনি। 'লৌউফম' হায়রিবা অসিনা মহাক্লা তৌবা, মহাক্লা মপুকতা নিংদুনা পুথোক্লবা হোৎনরিবা, তাইপঙ মী শেম্লবা হোৎনরিবা মফম হায়বনি। ইচম চম্না হায়রবদা মহাক্কী 'লৌপুক', লবুক হায়বনি। অদুগা মফম অসিদা 'মাঙচীঙ' হায়রিবা অসিনা লাইপক্কী শরুক, কোক্কী মমাং থংবা শরুক অসিবু হায়বনি। মফম অসিদা 'চাতুম পাললে' হায়রিবা অসিদা য়াওরিবা 'চাতুম' হায়রিবসি, চা + তুম, 'চা' হায়বদি মচা, অঙাং অদুগা 'তুম' হায়বনা মতুম মতুম হায়বনি।

মরম অসিনা 'লাইনিঙথৌকী লৌউফমসুঙ মাঙচীঙনে। চাতু মপাললে, হায়বগী ৱাহন্থোকতি, তাইপঙপালপা মপু অদুনা মীওইবগী লাইপকতা লৌউদুনা, মফম অদুদা, মচা অঙাং মতুম মতুম পালহল্লে হায়বনি। য়াম্না শমনা হায়বরবদা, তাইপঙপালপা মপুনা মীওইবগী কোক্কী মনুং লাইপকতা 'তিললাং' (sperm) শেমমি হায়বা অদুনি।

(৬) *সঠ৯ ৫ঁ৯*- কোনচীন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপানা লাই নুপী তরেৎ, লাই নুরা তরেৎকা পান্নদুনা পোকপা মচা নুপা ৭ পু সালাই তরেৎ কৌই, পুয়ানা তাকপা মতুং ইন্না। ইপুথৌগী মচা নুপা ৭ অসিনা পোকথরকপা পুম্নমকপু হায়বদি শালাইচা পুম্নমকনা নৌতা কৌই, মসিসু পুয়াদা ইদুনা থম্লম্বনি। মরম অসিনা, ঙসি খৃ: চহীচা ২১শুবদা হিংদুনা লৈরিবা সালাইচা মীওই পুম্নমকপু, ইপুথৌ পাখংবগী নৌতা কৌই, 'নৌতা' হায়বসি হৌজিকতি চাতা নাওতা হায়রগা খংনরে।

(৬) *সটঁ ম্টঁয়ো*- চালৌ মৌলৌনপা (হৌজিক্কী লোম্হৈদা, চারৌ মৌরৌনবা) হায়বা ৱাফম অসিদি ইচম চম্বা য়াম্না লাইনা ময়াম্না খংবা পোৎনি। শাগৈ অমগী নুপী শাগৈ অমনা লৌবা হায়বনি। অদুবু ঐখোয়ন হৌজিক খন্নগদৌরিবা ৱাফমদি, পুয়াগী ৱাফমনি, পুয়াদা হায়রম্বগী মতুং ইন্না কংলৈচা মীতৈশিংনা 'চালৌ মৌলৌনপা' হায়বসি করম্না চৎথরমই হায়বসিনি। ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়ানা অসুম্না ইরমই "সলাইলুপ সখাইসিংনা চালৌ মৌলৌনপা তৌলপতি নাউতাকী সুথাঙ ৭না লোমকনিয়ে হাইনা তাকপিখিয়ে।।০।।" "পালী ইপুঙঙো! ৱালম অসিপু পুথাকোক পাথাংকোক ইথাং কোকনা লেপনপা য়াথংনে।।" সালাই অমগী হায়বদি মঙাংনা মঙাংদগী, লুৱাংনা লুৱাং সখাইদগী, অসিনচিংবা চালৌ মৌলৌনলবদি সুথাঙ ৭ নালোমগনি হায়না অকনবা য়াথং পীরমলিবসি ইপুথৌ



পাখংবগী মতমদনি। কোনচীন তকথপা ইপু অথৌপা পাখংপনা পাল্লম্বা মতমসি ঙসিদগী চহী লিশিং ৪ (মরি) গী মমাংদনি।

করিগী সলাই সাখায় (শলাইচা মশেন) অমগা অমগা লৌনবদা করিগী অসুক কন্না থিংলমলিবনো হায়বগী মতাংদা পুয়ানা অসুম্না ইরি "তিংপালপা মপু কৌলিপা ইপুঙঙোনা মহাককা লোইনতুনা লৈলিপা লাইপুঙথৌ ৭ মাতা পকতুনা ই.কী মওং মাননা খুপী মলুম চাউনা অকোইপা ওইনা পকয়ে।। অকোইপা অতুপু ই.য়েক কৌয়ে।।০।। ই.য়েক অতুকী মনুঙতা ই.কী ফুন ১ লৈয়ে।। অতুপু ই.লীক কৌয়ে। ই.লীক অতুকা য়েকনালে। য়েক কৌয়ে। অতুকী মলমনা লাইপুঙথৌ ৭ কী মসাতা পকয়ে হাইতুনা অপকপসু কৌয়ে।। পালী ই.পুঙঙো লাইলুপ ৭ কা ই.চাকী ই.কা তিননাতুনা পোকপা অসিপুনা সলাই কৌলাকে।। সলাইনা পোকপা অসিপুনা নাউতা হায়না কৌখলে।। নাউতাকী সলাইলুপ সখায় পুমনমক্লা লৌলাপাতি য়েকতা য়েককা ইলৌনপা ওইসুনো মানা মানা তৌপা ওইয়ুনো।। সলাইলুপা সখাইশিংনা চালৌ মৌলৌনপা তৌলপতি নাউতাকী শুথাঙ ৭ না লোমকনিয়ে হাইনা তাকপিখিয়ে।।০।।", মথকতা পুয়াদগী লৌথোকতুনা উৎলিবা অসিদা হায়রিবদি সলাইগা সলাইগা লৌনরবদি ঈ চপ মান্নবা অনি লৌনরে, য়েক্লবা মশেল লৌনরে, য়াম্না ফত্তে হায়বসি হৌজিকতি science না খংলবনি। কংলৈচা মীতৈদি চহী লিশিং মরিগী মমাংদা খংলমদুনা থিংলম্লবনি।

মথক্কী অসিদা পুয়াদা ইবা উৎপদা 'ই.য়েক' অমদি 'ই.লীক' হায়রিবা ৱাহৈ/concept অসি হৌজিক্কী science কী মরোলদা 'cell' অমদি 'DNA' ওইবা য়াই।

মফম অসিদা 'ই.য়েক' অমদি 'ই.লীক' হায়রিবা ৱাহৈ/concept শিং অসি মতম অদুগী science কী মরোলনি, অচম্বা মীয়াম্না খংবা ৱাহৈ/concept নত্তে।

(৭) *সাঁম* - চীঙ হায়রগা ঐখোয়না মালেমগী মফম পুম্নমকতা ৱাংখৎপা, তোংখৎতুনা লৈবা অৱাংবা শরুক অদুবু খংনৈ। মসি অচম্বা মীয়ামগী ৱাখলনি। ময়াম্না খংনরিবা ৱাখল মওং অসি পুয়াদা পীবা ৱাখল মওংগদি খেন্নৈ। খুদম ওইনা -নোংপোক চীঙখৈ অপানপা, ৱাকোন চীঙ, "ই.য়েক অসিপু ই.নুঙলোননা চীঙ কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই.নিননা চীল

কৌয়ে।।" (ই.য়েক চীল গী মখাদা), "সানা চীঙকী মতিকনে" অসিনচিংবা পুয়াদা য়াওরিবশিং অসিগা মীচমগী ইচম চম্বা ৱাখল অসিগদি য়াম্না খেন্নে। ꯆ ই.য়েককী মখাদা য়াওরিবা 'চীঙ' বু 'চীল' কৌই হায়রিবা অসিনা তাকপদি 'চীঙ' হায়বসি মালেমগী মফম খরদা তোংখৎপা, ৱাংখৎপা, উ ৱা য়াম্না হৌবা অদু নত্তে হায়বসি তাকই। মফম অসিদা 'চীঙ' হায়বসি চিংখৎপা, পুখৎপা হায়বনি মফম অসিদা হায়রিবসি 'চীল' না চারীবা পুম্নমক্কী অফবা শরুক অদু কোকতা চিংখৎখি হায়বনি। চিংখৎখিবা অফবা, খ্বাইদগী মচি ওইবা অদুগী থমফম্না 'ৱাকোনচীঙ' নি।

ꯆ ই.য়েক্কী মখাদা য়াওরিবা "সনা চীঙকী মতিকনে" মফম অসিদা য়াওরিবা "সনা" হায়রিবা ৱাহৈ/concept অদু শন্দোকপা, মী শারগা শন্দোকপা হায়বনি। মসিসু কোকতালৈ। মরম অসিনা 'চীঙ' হায়রিবা ৱাহৈ/ concept অসি ꯆ দা য়াওরিবা অদুগা চপ মান্নে, চিংখৎপা হায়বনি।

২১ শুবা চহীচাদা ঐখোয়না শিজিন্নরিবা 'লোইপী চীঙ', 'চীঙপুলোই তমপুলোই' হায়রিবা অসিদা অকোনবগী অসিনা চীঙদা লৈবা মী, তমদা লৈবা মী হায়বনি, অদুগা অহানবগী 'লোইবী চীঙ' হায়বসিনা খরা অমুক তোঙাল্লি। 'লোইপী' হায়বদি 'লোই' হায়বসি কংলৈপাকতগী হৌখিবা এসিয়াগী মফম কয়াদা তারিবা মী কাংবু অমগী মমিংনি, মখোয়বু এসিয়াগী মফম খরদা অমুক 'লাই' হায়ন কৌই। মখোয় অসি ঐখোয়গী পুয়া, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা.ইলোন পুকোকতা য়াওরিবা কৌপলু চীঙতোনতা চহী লিশিং ২০,০০০ গী মমাংদা, অদুগা কংলাদা চহী লিশিং ২০,০০০ গী অম্বাই কুম্লকতুনা তাখিবা মী কাংবু 'লাই' হায়বা কাংবু অদুগী শরুকনি, মখোয়না এসিয়াগী মফমশিংদা চৎতুনা তাখিবনি।

মফম অসিদা 'লোইপী' হায়বদি 'লোই' হায়বা মী কাংলুপ অদুবু পীরিবা 'লোইপী চীঙ' হায়বনি। কংলৈপাক্কী খ্বাইদগী লিবা অহৌবা মী কাংবুদি 'লোই' নত্রগা 'লাই' কৌই, 'লোইপী চীঙ' হায়বদি 'লোই'পু পীরিবা চীঙ, 'লোই' বু পুথোকলিবা চীঙ, 'লোপীচীঙ' হায়বনি।

(৮) ꯆꯤꯅ - চিনা (China) হায়বা লৈপাক, মদুদা লৈবা মী কাংবু অদুগা মপানগী মীনা চাইনিজ (Chinese) হায়রগা খংনবা, লৈপাক অমসুং মীশিং অসি কংলৈচা চীংমী, তম্মীগা য়ামনা নক্নবা, নক্নবদা নত্তনা মী কাংবু অদু কংলৈপাকতগী হৌখিবনি হায়বদা হেকতা থাজবা য়াবা ৱাফম কয়ামুক লৈরে।



ভারতকী মীশিংগা রাজনিতিগী ৱাফমদা, অমদি চিনাদা লৈরিবা মীশিং অসিগা চাকচা য়ুথক য়ামনা খেন্নবা, অদুদা নত্তনা মীশিং অসিগী হৌরকফম, ঈ মরি য়াম্না খেন্নবা, শকতাপুদা লমচৎ শাজৎ য়াম্না খেন্নবা, ময়াম অসিনা মরম ওইদুনা নক্না তিন্নবা ইৱাৎ ৱাৎলি। অসিগীসু মথকতা Protected Area Permit কয়া অমা ভারতনা থমজিন্দুনা Chinese মচাশিং অসিগা কংলৈচাশিংগা উনবা, লোইনা তোৎনবা য়াম্না ৱাৎলি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা চিনাগী লাইরিক কংলৈচাশিংনা য়াম্না তাংনা ফংই, লোইননা China না ঐখোয়গী মীশিংনা ইবা লাইরিক ফংবা য়াম্না ৱাৎলমগনি থাজে।

মরম পুম্নমক অসিনা Chinese অমদি কংলৈচাশিং, অমনা অমবু খংনবা য়াম্না ৱাৎলি।

<u>কংলৈচা অমদি চিনাগী মী</u> (Chinese):

ইমা - (Kangleipak) Mother - ma, mama (china).

ঐখোয় কংলৈচানা 'ইমা' হায়রিবা অসি ইমাং = ঈমাং হায়বা ৱাহৈদগী লাকপনি। ঐগী পুনশিনা ইপাদগী ইমাদা চংখিবা নুমিৎতগী থা তরা শারেপ তান্নবা লৈবা মতমদা ইমা হায়রিবী নুপী অদুগী ঈ মাংখিবা অদুদগী ৱাহৈ/concept অসি পোকখিবনি। য়াম্না লিরবা অমদি শেমগৎলবা (Develope তৌরবা) লোল ৱাহৈনি। China গী ৱাহৈ ইমাবু 'মা' 'মামা' হায়রিবসি, কংলৈচা মীতৈ ৱাহৈ/concept 'ইমা' হায়বা ৱাহৈগী মচেৎনি, কংলৈচা ঐখোয়দগী লৌবা ৱাহৈনি। মসিদা য়েৎনবগী পান্বে য়াম্না ৱাৎকনি।

ইংলিশকী 'Mother' হায়বা ৱাহৈনা 'ইমা' হায়বা ৱাহৈ/ concept কী মপুং ফাবা অদু উৎপা ঙমদে। Chinese অমদি নোংচুপকী খুন্নাই (civilization) অসি কংলৈচাশিং খুন্নাই (civilization) দগী লৌই।

মিং (Kangleipak), মিং (China) - 'মিং' হায়বা মী অমগী 'কোলোই' অসিদি কংলৈপাক অমসুং চিনা অনি চপ মান্নে।

শিবা (Death)(Kangleipak), Death -si, Death Penalty-sixing (China). শিবা (Death) হায়বা ৱাহৈ অসিগী মতাংদসু কংলৈপাক অমসুং চিনা লৈপাক অনিগী লোল/ৱাহৈ চপ মান্নে।

ইনাৎ লীচৎ (Religion, ধৰ্ম্ম) (Kangleipak), Ceremony, Rites, Ritual, propriety, Courtesy, Manner - li (China)

ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাহৈ/concept ইনাৎকী 'লীচৎ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিবু চিনাগী মীশিংনা 'li' ('লি' হায়না পাৱা 'লী' হায়বরা) গী পাবা ঙাংবগী খোম্থোক মুন্না খংদ্রবসু, মান্নবদি লৈরে হায়বসি য়াম্না মুন্না খংই। কংলৈপাক অমদি চিনাগী অনিগী খুন্নাই (civilization) অসি য়াম্না নকনৈ, মান্নে হায়বা অসিমদি য়েৎপা য়াররোই। ঐখোয় কংলৈপাককী কংলৈচাশিংনা, Europe কী Religion, হিন্দুশিংগী ধৰ্ম্মবু 'লীচৎ' কৌই, 'লীচৎ' হায়রগা খংনৈ।

মতাং অসিদা কংলৈপাক্কী 'লীচৎ' 'li' (লি) গা মতৌ করম্না য়াম্না নক্ল রিবনো, মান্নরিবনো হায়বদু মুন্না নৈনবা মথৌ তারি, পাবীসি: কংলৈচা মীতৈ ঐখোয়না হৌজিক শিজিন্নরিবা ৱাহৈ/concept 'লীচৎ' হায়বসি লী + চৎ = লীচৎ হায়বনি। 'লী' হায়বনা লীশিন্দুনা থম্বা, শেমজিন শাজিন্দুনা (Preserved তৌদুনা) থম্বা খংনৈ। অদুগা 'চৎ' হায়বনা চৎনবা, চহী লিশিং কয়া লীশিন্দুনা থম্বা, ঐখোয়গী ফজবা, তেংপালপা মপু মাগা নকশিন্নবা, মাবু ঐখোয় শেম্বীবা অমদি থাকপিবগী তৌবিমল খংবা উৎপা অসিনচিংবা পুন্নমক অদুবু তুংগী মীরোলনা শিজিন্ননদমক লীদুনা থমজিনবা অসিনচিংবা পুন্নমক অদুবু কংলৈচা মীরোলনা হন্না হন্না শিজিন্নবা, চৎনবা অদুবু খংনৈ। শম্না হায়রবদা মসিনি কংলৈচা ঐখোয়গী 'লীচৎ' (europe কী Religion, হিন্দুগী ধৰ্ম্ম হায়বদু।

চিনাগী কুংফু-জি (china-Kung-Fu-Zi), English People না confucius হায়বা, চিনাগী ৱাংউলোন (philosophy) গী ৱাখল্লোন অসিগী মতাংদা Mr. Martin Stuart Fox না মহাক্কী লাইরিক, A short history of China and South East Asia গী লামাই ১৪ দা অসুম্না ইরি।:

"The means by which social order was given overt expression and re inforced was through li, meaning literally, 'ritual;' but denoting a much wider range of religious and secular ceremony down to what we would call etiquette. The term derived from the formal ritual



performed during the rites of divination and was subsequently extended to performance of all collective religious ceremonies"

Mr. Fox না মহাক্কী মথক্কী পরেং খরা অসিদা ফোংদোকলিবসি য়ামখ্রে। মথকতা Mr. Fox না ফোংদোকলিবসি কংলৈচা মীতৈশিংগা চাইনিজশিংগা মান্নবা ঙাকতনি। চিনাগী মীয়ামগী মরক্তা থকশি-খাশি থম্বা, থবক পুন্নমক ঈ কাংলুপ অসিগীদমক ফজনা পাংথোকপা, লৈপাক অসিদা মী পুন্নমক ইংতপ্পা পানবা, পুন্নমক অসি 'li' (লি) হায়রিবা অসিনা পাংথোকই। li হায়বসি পাংথোকপদা লাই করম্না খুরুমগনি, লাই খুরুমফম করম্না শেমগনি, লাইদা করি করি করম্বা কৎকনি হায়বা পুন্নমক লোইননা লাই খুরুম্বা লাকপা মীশিংগী ফমফম করম্না শেমগনি, কনানা মথক থংনা ফমগনি অসিনচিংবা পুন্নমক য়াওই।

চিনাগী লাইগী থৌরম পাংথোকপগী মওং অমসুং মসিদা করম তৌই হায়বসি, কংলৈচাশিংনা ১৮ শুবা চহীচাগী মমাংদা হিন্দু লাকত্রিঙৈদা তৌরম্বা অদু ঙাকতনি, চপ-মান্নে।

মীতৈগী 'লাই হরাওবা' থৌরমদা, ১৮শুবা চহীচাগী মমাংদা কৌরু চীংদোনদগী হৌরগা পাংথোকলম্বা তৌরম্বা পুন্নমক অদুনি, li (লি) গী থৌরম পাংথোকপদা চিনানা তৌরিবতসি। Mr. Fox না মহাক্কী মমাংদা পনখিবা লাইরিক অদুগী লামাই ১০ দা অমুক অসুম্না ইরি:

"It was the duty of the Zhou Kings to sustain that Linkage on behalf of all human kind through ritual worships at the temples of Heaven and Earth". মতাং অসিদা Mr. Fox না হায়রিবসি, মীতৈগী পুয়াদা য়াওরিবা ইপুঙলোই অপকপনা সলাইলেন সিতপাদা তলঙ লাইপাউ পীদুনা 'নুমিৎ হুমনি শুপা নৌৱা' পীরকপা, নৌৱা অদু ইমা লৈমালেন সিতপীদা শিন্নবা, ইমা লৈমালেল সিতপীনা সনামহী পালী অহন পোকপা, সনা মহীনা সাবা তিললাং অদুনা পাখংপা পোকপা, ঐখোয় তাইপঙ পানপা শম্থোকলকপা, ঐখোয় তাইপঙ পানবনা সনামহী লাইনিংথৌবু লাৎপা, অতীংআ, মালেম, তাইপঙ মীওইপা অহুম্মকনা অমতা ওইনা শমজিন্নবা অসিনি।

তাইপঙ পালপা শেন্বা অমসুং তাইপঙ শেন্বা মপু অদুগী মতাংদা কংলৈপাক অমসুং চিনানা ৱাখল, ৱাখল্লোন অমতা ওইরমলিবসি, মী কাংলুপ অনি.সি হৌফম শাৎফম তিন্নবা মী কাংলুপ অমতদগী খায়দোক্লখিবসি হায়বসি তাকই। য়া (Tooth) (Kangleipak), Tooth, Teeth - ya (য়া), (China). ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা 'য়া' হায়রিবা ৱাহৈ অসি চাইনিজশিংনা 'য়া' ঐখোয়না চা হায়রিবা লোল্লগা থক্লবা মনা, পান্বী অসি চাইনিজশিংনসু চা অদুম হায়। Dictionary দা ইবাদনি $ch^1$ $a^2$ অসুম্না ই। Pronounciation গী মওংনি।

(৯)Ïসে Chin) - হৌজিক্কী Myanmar, মতম অমদা Burma কৌরম্বা ঐখোয়গী কংলৈপাক্কা য়ুমথংনবা লৈপাক অসিদা Chin (চিন) হায়রগা খংনবা মীওই কাংলুপ তরেৎ লৈ। মখোয় অদুদি - চিন, কাচিন, কারেন, কায়া, মোন, রাখিন, শান। মখোয়শিং অসি নত্তবা তিদাম চিন, ফালম চিন, হাখাচিন হায়বা কাংলুপ অহুমসু লৈরি। মখোয়শিং অসিনা মখোয়বু Zomi নত্রগা Lai-mi (জৌমি নত্রগা লাই-মি) কৌই হায়জে। Burke Publishing Company Ltd. England না ফোংবা Let's Visit Burma গী page 45 য়েংবিয়ু।

চিন কাংলুপশিং অসিনা হায়রিবসি মখোয়না খংজদ্রবসু, মখোয়সি কৌব্রু চীংদোন্দগী হৌখিবা 'লাই' হায়বা মী কাংলুপ অদগী চাতা নাওতানি, কংলৈপাক্কী মীয়ামগা অমতনি হায়জবনি। অতৈ কাংলুপকী Myanmar গী মীয়াম অসিসু 'লাই' কাংবুগী মচা মশু ঙাকতনি ৱাংখেমচা চীংতমলেনগী Kangleipak: The Cradle of Man (II Ed.) গী page 125 য়েংবিয়ু।

(৯a) চিরাং- ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা, খুরুখুল হায়না খংনবা লোই খুলগী অনকপা মফমদা চিরাং হায়বা খুল অমা লৈ হায়বসি কংলৈপাক্কী মী পুন্নমক্লা খংবিরমগনি হায়না খল্লি।

চিরাং হায়বা মমিং অসিমক কৌবা ডিসট্রিক অমসু আসামদা লৈ হায়বসি কংলৈপাক্কী মী পুন্নমক খংদ্রবসু, মী খরনদি ফজনা খংবা, বোদো হায়বা মোঙ্গোলোইড মীওই ঙাকতা ওইবা মীয়াম্না তাবা ডিসট্রিক অমগী মমিংনি, চিরাং হায়বসি। বোডো হায়বা মোঙ্গোলোইড মী কাংবু অসি Asom (Assam গী য়েনহৌমী কাংবুনি) হৌজিক্কী Assam গী য়েলহৌমী কাংবু



অসি খৃ: গী ১৩ শুবা শেনচুরিদা অৱাং থংবা Myanmar অমসুং খা নোংপোক এসিয়াদগী চংলকপনি। মখোয়সি পুল্লপ্পা অহালবদদি অহোম-টাই কৌরমই। মখোয়সি তশেংবদি কংলৈপাক্কী কৌব্রু চীংশাংদগী হৌখিবা লাই হায়বা মী কাংলুপ অদুগী চাতা নাওতানি। মখোয়গী শাওং শাদা কংলৈচাশিংগা মান্নে। লোলসু কংলৈচাশিংগা মান্নবা লোল লোল্লি। মরম অসিননা বোদো তাবা ডিসট্রিক্কী মমিংগা, ঐখোয় মীতৈগী খুলগী মমিংগা মান্নরিবনি।

(১০) সঁ.ঘে্ড স.চেন্থ- ঐখোয় মীতৈ কংলৈচাশিংনা চৈওন তরেৎ (পুয়াদদি চৈওন তলেৎ) হায়বা অসি লংমাইচীঙ (লাংমাইচীঙ) দগী হৌরগা থাংচা (থাংজ) ফাওবা নুমিৎ ৭নি অসিবু চৈওন তরেৎ কৌই। চৈওন তরেৎকী নুমিৎ ৭ নি অদুদি: লাংমাইচীং, নিংথৌকাপা, লৈপাকপোকপা, ইমশাকৈশা, শকোনশেন, ই.লাই অমদি থাংচা। নুমিৎ তরেৎনি অসি চৈওন ৭ কৌই। নুমিৎ ৭ অসিবু তোঙান তোঙানবা, নুমিৎ অমমমবু চৈওন অমমম ওইনা লৌরগা চৈওন ৭ কৌবনি। অদুগা হৌজিক্কী মতমদদি নুমিৎ ৭ অসিগী মতম অসিবু পুন্না লৌশিল্লগা চৈওন ৭ হায়বগী মহুৎতা 'চয়োন' অমগী মতম ওইনা ঙাংনবসু য়াওরে।

চৈওন তলেৎকী অহানবা নুমিৎসি লাংমাইচীঙনি, 'নোংমাইজিং' হায়বা নত্তে, মসি হিন্দুগী মতমদা লংমাইচীঙ নত্রগা লাংমাইচীঙকী মহুৎতা 'নোংমাইজিং' ওন্থোখিবনি। 'নোংমাইজিং' হায়বসি তশেংনা হায়রবদি ৱাহন্থোক লৈতে। মীতৈ কংলৈচাশিংগী য়াম্না ৱাংলবা ৱাখল্লোন 'মীশেমলোন' (Theory of creation) গী অৱাংবা ৱাখল্লোনবু থুগাইনবা, মাংখিনবা হেকতা শেমজিন্দুনা হাপচিল্লকপনি।

মতাং অসিদা থাইনা কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা 'চৈওন' হায়রিবা ৱাহৈ/concept অসি করি হায়রিবনো হায়বসি মুন্না খন্নদুনা য়েংশি:-

চৈওন = চৈ + ওন = চা + ঈ + ওন হায়বনি/ 'চৈওন' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি ৱাহৈ মচেৎ অহুমনা শেন্বা হায়বদি 'চা + ঈ + ওন'নি হায়বসি খংই। মফম অসিদা 'চা' হায়রিবা অসি 'থাঙচা' হায়বা চৈওন ৭ কী অরোইবা নুমিৎকী মমৈগী ৱাহৈ মচেৎ 'চা' হায়রিবা অদুগী ৱাহৈ মচেৎ 'চা' হায়বা অদগা চপ মান্নে। মচা, অঙাং, চাতা নৌতা, মীওইপা হায়বনি। অদুগা 'ঈ' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অদুনা মীওইবগী 'ঈ' হায়বনি, অদুগা 'ওন' হায়বা

ৱাহৈ মচেৎ অদুনা ওনবা, ওইরকপা, শেম্নকপা হায়বনি।

মরম অসিনা 'চৈওন ৭ কী ৱাহৈ/concept 'চৈওন' হায়বা অসিগী মীতৈলোনগী ৱাহস্থোকতি, তেংপালপা মপু ই.পুঙলোইনপা অপকপনা মথনতা লৈবা য়ারকত্রদুনা তাইপঙপালপা শেম্নবা হোৎনরকপদা, মহাক্কী ৱাখল অদুনা হকচাং পানবা ঈনা শাবা থৌৱাই পালপা (living body) শেম্নকপা, মহাক্কী ৱাখলনা থৌৱাইপালপা ওইরকপা ওল্লকপা হায়বনি।

## 'চৈওন' বু 'চৈওন তলেৎ' হায়রিবা অসি করিগীনো?

কংলৈপাকতী থাইনগী ইপা ইপুশিংগী মীশেমলোন (Creation of Man) গী ৱাখল্লোন অসিগী মতুং ইন্না তেংপালপা মপু অদুনা তাইপঙ মীওইপা অমা শেম্বা অসি নুমিৎ তরেৎ (৭) নি চংই। তাইপঙ মীওইপা শাবা হৌবা ইহান হানবা নুমিৎ অদুবু 'লংমাইচীঙ' কৌই। হৌজিকতি অয়াম্বা মীনা 'লাংমাইচীঙ' হায়না ইনরে অমসুং খংনরে। লংমাইচীঙ হায়বা ৱাহৈ অসি মীতৈ কংলৈচাশিং শেংলবা পুয়া, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোকতা মীশেমলোনগী মতাংদ য়াম্না শেংনা ইরমই। হিন্দুশিংগী মতমদা কংলৈপাক্কী পুৱারীনি হায়দুনা শেমজিনবা চৈথারোল কুম্বাবগী লামাই কয়াদসু য়াওরি।

তেংপাল মপুনা মী শেম্নবা ইহান হান্না পরিং লাংশং হুনবা অসি মহাক্না তাইপঙ মীওইপা ঐখোয়গী 'লাইপক' হায়বা মফম অসিদনি। মহাক্না 'লাইপক' অসিদা লৈদুনা পরি লাংশং হুল্লগা মী শাবা হৌই, নুমিৎ অসিবু 'লংমাইচীঙ' (লাংমাইচীঙ) কৌই।

মথংদা মপু মহাক্না 'ꯀ', 'ꯁ', 'ꯂ' (লাইপক) মপুং ফানা শেমগৎলি। কোক, শম, লাই (লাইপক) মপুং ফানা শেমগৎলবা মতুংদা মপু মানা 'লাইপক' তা চংদুনা, কাখৎতুনা তাইপঙ মীওইপা মহাক্না শিদ্রিবা ফাওবা লেংদনা লৈ। নুমিৎ অসিবু 'নিংথৌকাপা' কৌই। তেংপালপা মপু মহাকপু কংলৈচাশিংনা তাইপঙ থৌৱাইপু থৌই, তাইপঙ মীওইপা খুদিংগী পুকনিং, নিংবা, ৱাখলবু থৌই হায়বদগী 'নিংথৌ' কৌই, 'নিংথৌরেল' শু কৌই।

মথংগী অহুমশুবা নুমিৎতা, মপু মানা ꯃ, ꯄ, ꯅ মপুং ফানা শেমগৎলি। নুমিৎ অসিবু কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা লৈপাকপোকপা 'লৈপাকপোকপা' কৌই। অসিবু লৈপাকপোকপা হায়রিবদি তাইপঙ মীওইপকী



হকচাং (হুকসাঙ) বু কংলৈ ইপা ইপুশিংনা 'লৈপাক অহিঙপী' কৌই, 'লৈপাক অহিঙপী' অদুবু শারে পোকলে, লৈপাকপোকপা কৌই। মতাং অসিদা অপাবাশিংনা নিংশিংবীগদবদি "হৈ-না মপান থাপা হা-না মাউ লিংপী কৌপতি ফমপী কোনতকী নৌৱা মলু হুনপা ওইখিয়ে।।" হায়না 'ꯄ' গী মখাদা ইরিবা অদু নিংশিংবিয়ু।

মথংগী মরিশুবা নুমিৎতা ꯆ,ꯇ,ꯈ অসি শেমগৎ শাগৎলি। ই.য়েক অসিবু শেমগৎপা হায়বদি হকচাংবু মপুং ফানা শেমগৎলবা মতুংদা, মদুবু মতম পুম্নমকতা লেংদনা মাংদনা অদুম লৈহন্নবা চীল, খৌ, চিনচাক চানবগী পাম্বৈশিং শেমগৎলে। চিনচাকতকী ফংলকপা অমদি মাদুনা শেম্বা 'তিললাং' হকচাং (হুকসাঙ) অদুদা হাপচিল্লে। নুমিৎ অসি কংলৈ ইপা ইপুশিং 'ই.মসা কৈসা' কৌই। করিগী মরিশুবা নুমিৎ অসিবু 'ই.মসাকৈসা' কৌরিবনো হায়রবদি, অহুমশুবা নুমিৎ, লৈপাকপোকপা নুমিৎতা শেমখিবা তাইপঙ মীওইপাগী হুকসাঙ (হকচাং) অদু তাইপঙ পানবা মপু মহাক্কী লৈফমনি, লাইশংনি। মপুগী লৈফম ওইরবা হুকসাঙ (হকচাং), লাইশং অদু মপু মাগী ই.ম (য়ুম) নি। মপু মাগী ই.ম (য়ুম) ওইরিবা লাইশং অদু মরিনি শুবা নুমিৎ অসিদা মপুঙ ফানা শাগৎনবা, শেমগৎনবা, মপু মাগী মতিক চাবা লৈফম লাইশং ওইনবা শেমগৎ শাগৎলি। মরম অসিনা মরিনি শুবা নুমিৎ অসি 'ই.মশাকৈশা' কৌই। কংলৈচা মীতৈশিংগী অরিবা লোন্দা হৌজিক্কী 'য়ুম' হায়বা ৱাহৈশি ই.ম (ইম) হায়রমই।

মঙানি শুবা নুমিৎতা, ꯉ, ꯊ, ꯋ ই.য়েক অহুম অসি শেমই। মঙানি শুবা নুমিৎ অসিবু সাকোনসেন কৌই। নুমিৎ অসিবু হৌজিক্কী 'শাগোলশেন' হায়না কৌদুনা ৱাহস্থোক মফম মরাং খংদ্রে।

মঙানি শুবা নুমিৎ অসিদা ঙৌদগীনা থৌপাক (থবাক) অমসুং থম্মোই হায়বা মীওইবগী হকচাংগী কায়াৎ অসিবু মপুং ফানা শেমগৎতুনা, হকচাং (হুকচাঙ) গী মরু ওইবা তেংপালপা (তাইপঙ পানপা) মপু মহাক্কী লৈফম ওইরিবা থম্মোই লাইশং শেম্বা লোইরদুনা, তেংপালপা মপু মহাক্না তাইপঙ পানপা মপু হায়বা মিংলেনবু লৌদুনা তাইপঙ মীওইপা মহাক্কী থম্মোই লাইশংদা লেংশিন্দুনা, মহাক্না শেমজবা মীওইপা মহাকপু শোয়দা ঙামদনবা শেন্নদুনা লৈখ্রে। নুমিৎ অসিবু 'সাকোনসেন' হায়বদি সা + কোন + সেন, সা

(হকচাং) অদুবু কোন, কোন্দুনা, শেন হায়বদি শেন্নদুনা লৈখ্রে হায়বনি।

তরুক্লি শুবা নুমিৎতা ꯌ,ꯍ,ꯎ ই.য়েক অহুম অসি শেমই। তরুক্লি শুবা নুমিৎ অসিবু ই.লাই কৌই।

তরুক্লি শুবা নুমিৎ অসিদা ꯌ (য়াঙ) হকচাংগী থক্কা-খাগা শম্লবা শিংলি নাউলি গী মপুন ওইরিবা য়াঙ, ꯍ (হুক) হুকশাঙ মপুঙ ফানা শাদুনা শেমদুনা, ꯎ. (উন) না মপুঙ ফানা য়োমশিন্দুনা, তেংপানপা মপুগী মশক ওইরবা ই.না হকচাংগী মফম পুম্নমক শম্লহন্নবা, ই.না মপুং ফানা কোইচেন চেনবা য়ানবা শেম্বা নুমিৎ অসিবু 'ই.লাই' হায়না কৌই।

তরেৎনি শুবা নুমিৎ অসিবু থাঙচা কৌই। থাঙচা হায়বা কংলৈচাশিংগী নুমিৎ ৭ নিগী অরোইবা নুমিৎ অসিদা তেংপালপা মপু অদুনা মহাক্কী নিংবা মতুং ইন্না তাইপঙ মীওইপা অমা শেমদুনা, মালেমদা তাইপঙ মীওইবা শন্দোক্লবা পুমলোই লোইখি।

চৈওন তরেৎকী অরোইবা নুমিৎ অসিদা তেংপালপা মপুনা শাগৎলিবা, মপুং ফারবা নমু তাইপঙ মীওইপগী মশাদা ই.-লাই হায়না খংনরিবা ই. অসি মপু মানা থাজিল্লে, হকচাংগী মফম খুদিংদা ই. মপুং ফানা চেল্লে। মথংদা মপু মানা শারিবা তাইপঙ মীওইপা অদুগী থস্ফম (লৈফম) ওইনবা ফমপী শেমলে। শেম্নবা ফমপী অদুদা মপু মহাক্লা শেল্লিবা নমু তাইপঙ মী (Prototype of Human Being Created by the Universal God Father) অদু থমজিল্লে। অরোইবদা চৈওন ৭ কী থাঙচা অসিদা, ইপুঙ লোইনপা তেংপালপা মপু অদুনা ই.য়েক ১৮ অমদি চৈশিঙ ই.য়েক ৯ তা নুপা অমগী মওংদা শাইওনতুনা অতীঙআ (space) কৌনা, মপু মানা শেমলিবা, নমু তাইপঙ মীওইপা অদু হাকচিল্লগা তাইপঙ মালেম (Earth) দা মীওইবা শন্দোক্লবা শেম শাদুনা থমখি। পুম্নমক অসিবু পুয়ানা থাঙচানা ꯍ,ꯏ,ꯎ. ওইখি হায়না য়াম্না শম্না ইরি।

অসুম্না চৈওন ৭কী মনুংদা তাইপঙ পালপাগী মপা ওইরিবা ইপুলোইনপা অপকপা অদুনা নমু তাইপঙ মী অমা শাবা অসিবু "খুনথোকলোন" কৌই হায়না য়াম্না শেংনা পুয়াদা ইরি।

ঐখোয় মীতৈ কংলৈচাগী মপা মপু ওইরিবা থাইনগী ইপা ইপুশিং অদুনা চৈওন ৭ কী অরোইবা নুমিৎ, মীওইবা শেম্বা লোইবা নুমিৎ অসিবু করিগী 'থাঙচা' কৌরিবনো খঙবিয়ু:



থাঙচা = থাঙ + চা, মফম অসিদা থাঙ হায়রিবা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা হায়রিবদি থাঙথরকপা, পীথরকপা, নোংতোনতগী থাঙ থরকপা পী থরকপা হায়বনি, অদুগা চা হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা হায়রিবনা, চা হায়বদি মচা মশু, অঙাং হায়বনি। মরম অসি 'থাঙচা' গী ৱাহন্থোকতি, থাঙচা নুমিৎ অসিদা তাইপঙ পানপগী মপা ইপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা নমু তাইপঙ মী শাবা লোইরদুনা তাইপঙ মালেমদা মীওইবা খুন্থোক খুন্দাবা নোংমতোনতগী থাঙথরক্কদৌরে হায়বনি।

কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা মালেমগী মীয়ামদগী য়াম্না শিংবা হাল্লি। মালেমনা ঙসিফাওবা Life's Extraterritorial origin নিংথিনা খংদ্রি। কংলৈচা ইপা ইপুশিংদি চহী লিশিং খরগী মমাংদা খংখ্রে। In the time of yore, Kangleipak was the Intellectual capital of the world. Kangliechas were blinded by the Puya Meithaba during the Hindu Period in the 18th century CE.

(১১) সঁ.ীঌ. সঁসে৺- 'চৈহি চৈচৎ' হায়বা ৱাহৈ অনিসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা ইরম্বা মীতৈ নিংথৌ মলিয়াফম পালচা হায়বা অদুগী মতমদা, খৃ: গী আ: মমাংদা কংলৈচা মীতৈশিংনা হৌজিক্কী World-class calendar পুথোকলমলে হায়বা খংনবা ৱাহৈশিংনি। 'চৈহি চৈচৎ' হায়বদি নুমিৎ, থাশিং চৈহি পাদুনা চৈহি চৈচৎ (calendar) শিজিন্নরমলে হায়বা তাকপা ৱাহৈশিংনি। পুয়াদা 'চৈহি' হায়না ইরমলিবা ৱাহৈসি হৌজিক্কী 'চহী' হায়বা অদুনি। মথকতা পঙখিবা ৱাকোকলোন হীলেল পুয়া অসিদা অসুম্না ইরি:

"নোংহুমসঙতা - লৈলকপ খুম-খুম নিঙথৌকী নৌতা ওইলপা। মলিয়াফম পালচাপু ই.ঙঙা কুমতম ইঙঙেন কুম খাইপা মতম লৌতুনা মসিতাকী কুমচং শিঙথালোন লাইলি লাইচৎ। নুমিৎ। থাশিঙ। চৈহি চৈচৎ হৌহনখিয়ে॥০॥"

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেংশিং অদুদা য়াওরিবা "কুমচং শিঙথালোন লাইলি লাইচৎ। নুমিৎ। থাশিঙ।চৈহি চৈচৎ হৌহনখিয়ে॥০॥" হায়রিবা অদু মুন্না য়েংবিয়ু অমসুং শেংনা খংনবা হোৎনবিয়ু।

পুয়াদা হায়রিবসি তশেংনমক, নুমিৎ থা মশিং থীদুনা, করম্বা মতমদা লাইগী থৌরম পাঙথোক্কদগে অসিনচিংবা য়াওবা "কুমচং শিঙথালোন"

(years calendar), মলিয়াফম পালচাগী মতমদা পুথোকলে হায়বসি তশেংনা উৎলবা, পুয়াদা ইরমলিবসিনি। য়েৎনিংঙাই ওইদে।

মথকতা পনখিবা মলিয়াফম পালচা হায়বা নিংথৌশি ইপুথৌ পাখংবদগী পারগা মরিশুবা সালাই লৈশাংথেমগী নিংথৌ পরেংদা কংলৈপাকতা পাল্লম্বা নিংথৌনি।

মহাক্না পাল্লম্বা মতমসি ঙসিদগী চহী লিশিং মরিগী মমাংদা পাল্লম্বনি। অইবনা মহাক্কী লাইরিক A SHORT HISTORY OF KANGLEIPAK (Manipur) Part I গী লা: ১৩১দা ইরিবা অদু 2005CE গী মমাংদা শেংনা খংদবদগী শোয়খিবনি। হৌজিক 2012CE শেংনা খংলে।

ৱাফম অসিগীদমক A SHORT HISTORY OF KANGLEIPAK (Manipur) Part I Page 131, www.paochelkangleipak.net তা DISCOVERY OF KANGLEIPAK (41) য়েংবিয়ু:

Article: Amazing Findings Further Chaining Already known concocted Cheitharol Kumbaba". অমসুং DISCOVERY OF KANGLEIPAK (II series) য়েংবিয়ু) অইবনা "(3107-1709) 1398" হায়না A SHORT HISTORY PART I দা ইজখিবা অদুদি মীতৈ নিংথৌ মুংয়াঙপনা পাল্লম্বা মতমনি, মলিয়াফম পালচানা পাল্লম্বা মতম নত্তে।

(১১a) <u>চৈহী (কুম)</u> - চৈহী হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগা কুম হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগা ৱাহৈ অনিশি চপ মান্নে, পোৎ অমখকতগী মমিং অনিনি। অদুবু ৱাহৌলোনগী হৌরকফমদি খেন্নে। মীতৈ কংলৈচাশিংগী লিরবা, খ্বাইদগী ৱাংলবা খুন্নাই অসিদা পোকলিবা মীওই খুদিংনা 'ইঙা কুমতম, ইঙেন কুমখাই' হায়বগী ৱাহন্থোকতি, চহীগী অহৌবদগী ইঙা থা ফাওবা থা তরুক অসিবু কুমতম থা কৌই, চহী অদুগী চাথোক-ফৌথোক চহীগী অহানবগী থা তরুক অসিবু কুমতম থা অসিনা তাকই, অহানবা থা তরুক অসিদা ইশিং নুংশিৎ, নোংচু নুংশা ফরবদি মতুংগী থা তরুক হায়বদি ইঙেন্দগী পোইনু ফাওবগী পোৎথোক চাথোক ফৈ। মশিনি 'ইঙা কুমতম, ইঙেন কুমখাই'



হায়রিবাসি। মীতৈ কংলৈচাশিংগী থাজনবগী মতুং ইন্না ৱাকচীং থাদা নোংখরতা ওইরবসু তাদ্রবদি লৈপাক অদু লৈহৈদ্রে, হায়বশিনি। ৱাকচীং থাদা অহানবা নোং খোংববু কুমহৌ নোংখোঙ কৌই। নোং খোংবগী মায়কৈদগী ল ক্বদৌরিব চহীগী নোংচু নুংশাগী অফ-ফত্ত খংনৈ। কৌব্রুনা কুম তমই, কৌনুনা কুম তমই, লোইয়া লাকপনা কুম তমই, হায়দুনা কুম-তমপা, কুম হায়বগী ৱাহন্থোকতি তেংপালপা মপু মহাক্না মালেমদা নোং ওইনা কুমথরকতুনা, তাইপঙ পালপগী মচা মশুশিংদা হিংনবগীদমক চানবা চেং, ফৌ, উহৈ-ৱাহৈ, মনা মশিং পুন্নমকপু মালেমদা হৌহন্নবা কুমথরকই, কুম (চৈহী) তন্নকই ললোনবদ হৈশিংবা, চালকতা হৈশিংবা ময়াং মচাশিংনা পংথহনখ্রবা কংলৈচাশিংদা হায়জনিংবদি মথকতা হায়জখিবা পুন্নমক অসি, কংলৈচাশিংদি ৱাকচীঙদা চহী, কুম হৌই হায়বনি।

<u>'কুম' গা 'চৈহী' (চহী) গা পোৎ চপ মান্নে, পোৎ অমতগী মমিং অনিনি। অদুবু ৱাহৌলোন অমদি ৱাহন্থোকতি খেন্নে।</u>



ঐখোয়না হৌজিক 'চহী' হায়রিবা ৱাহৈশি তশেংবদি 'চৈহী' হায়বনি। 'চৈহী' হায়বা ৱাহৈ অসিসু 'চা হী' হায়বদগী ওনখিবনি। চাহী = চা + হী, চা হায়বদি চানবা, হিংবগী মচাক পান্থে, হী হায়বনা হী, য়াই (অফবা পোৎ, মচাক পুন্নমক)। কুম অমদা মপু মহাক্না তাইপঙ মালেমদা কুমথরক্লগা তাইপঙ পালপগী মচা মশু অহিংবা থৌৱাই পালপা পুন্নমকতা হিংবা ঙম্নবা, চানবা হী য়াই পুন্নমক চৈহী, কুম খুদিংগী পী হায়বনি।

কুম অমসুং চৈহী হায়বা ৱাহৈ/concept অনিগী খেন্নবা অদু কংলৈচা খুদিংনা খংবিরম্লগনি হায়না অইবনা থাজে।

(১২) অইবনা মতাং অসিদা 'ৱাহন্থোক' ইবদা করম্বা মফমদা হাপচিনগদগে হায়বা নিংথিনা খংদবা 'চৈখন' হায়বা ৱাহৈ, ইংলিশতা Punctuation হায়রগা খংনবা অসিগী মখাদা মসিগা ৱাহন্থোক মান্নে হায়না খনবা ৱাহৈ কয়ামুক হাপচিল্লে। অইবনা পুয়া পাবদা, তশেংনা হায়রবদা, Punctuation হায়বা ৱাহৈশি মীতৈলোন্দা করি হায়বগে হায়বসি তশেংনা খংদ্রিবনি।

<u>চৈখন</u>- চৈখন হায়বা ৱাহৈসি মীতৈ পুয়াদা, ইহান হান্না Punctuation গী ৱাহঙ্খোক্কা মান্নে হায়না অইবা খনবা ৱাহৈনি। চৈখন হায়বা অসি শকতম ওইনা কংলৈ পুয়াদা শিজিন্নরম্বদি (।) অসিনি। শকতম মওং অসি বেঙ্গোলীগী চৈখৈ (।) গা চপ মান্নে, মান্ননা শিজিনৈ। অদুগা শিজিন্নবগী মথৌনা বেঙ্গোলীগী কমা (,) গা চপ মান্ননা শিজিন্নে।

চৈখৈ-কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা শিজিনরমলিবসি, শকতমনা (।।), বেঙ্গোলীগী চৈখৈ অনি লোনশিন্নরগা শিজিন্নে, অদুগা মথৌনা বেঙ্গোলী (;) অসিগা অমসুং ইংলিসকী Fullstop অমসুং বেঙ্গোলী চৈখৈগা মান্ননা শিজিন্নে। খৈপা-খৈপা হায়পা ৱাহৈ অসি বেঙ্গোলীগী চৈখৈ, অদুগা ইংলিসকী Fullstop হায়বা ৱাহৈগা মান্ননা শিজিন্নবগুম তৌই। অদুবু মদু নত্তে। (symbol) না (।।০।।) নি। মীতৈ কংলৈচাশিংনা (।।০।।) শকতম অসি শিজিন্নবসি, বেঙ্গোলী চৈখৈ অমসুং সংলিসকী Fullstop তগী তোঙাল্লি, ইংলিস অমসি বেঙ্গোলীগীদি চৈখৈ অমসুং Fullstop শি ৱাহৈপরেং লোইবদা খকতা শিজিন্নে। অদুগা মীতৈগী খৈপাগী শকতম (।।০।।) দি ৱাহৈ পরেং কয়ামরুমনা পুনশিল্লগা ৱাখল পরিং অমা মপুং ফারক্লবা মতমদা শিজিন্নে।

মরম অসিনা কংলৈচাশিংগী চৈখৈ (।।) শকতম অসি কংলৈচাশিংগীদি ইংলিসকী Fullstop (.) অমসুং বেঙ্গোলীগী চৈখৈ (।) মান্ননা শিজিন্নরমই। মীতৈগী অঙকপা ফোংদোকপগী শকতম ইয়েকতি  অসিনি অদুগা হংবা খংনবা ই.য়েকনা  নি।

<u>ইংলিশ অমদি বেঙ্গোলীশিংনা শিজিন্নরমদবা অহুম লৈ মদুদি খকপা ইয়েক !, লোমপা ই.য়েক (.), ময়েক্কী মখাদা নম্বা ই.লিক, লুমপা ই.য়েক (.), ময়েক্কী ওইথংবা নাকন্দা নম্বা ই.লিক। ই.য়েক অহুম অসি ইংলিশ অমসুং বেঙ্গোলী তম্লকপা মীশিংনা থেংনরকতে, শিজিন্নখিবা লৈতে।</u>

কংলৈপাকতা লৈবা মহৈ মশিং হৈবা অমদি ময়েক (script) কী মতাংদা খরদা ওইরবসু নৈনরকপা মীশিংনা, কংলৈচা মীতৈশিংদি ইবদা অমসুং ঙাংবদা হৌজিক ঐখোয়না পুয়াদা ফংবা ই.য়েক ১৮ অসিদা ইরমই অমসুং ঙাংলমই হায়বসি খংই। হৌজিক হৌজিক ময়াংগা থেংনবা ৱাৎপা অমসুং ময়াংগী মনাৎ লৌদবা চীংগী মীশিং অসিনা মীতৈলোন ঙাংবদা মখোয়না ঙাংলিব লোন্দা অদু মমাংঙৈদা মীতৈলোন্না ফাওনলোন ওইরিঙৈগী মওংনি।



G.A. Grierson না মহাক্কী Linguistic Sarvey of India, Vol. III Part III দা হায়রম্লিবা অসি য়েংবিয়ু: "pronunceation k,t,p and ch are, in the old manescripts, generaly written instead of g,d,b and j, respectively, and the same is also often the case in modern writing"

Grierson লাইরিক অসি ১৯০৪ দা ইহান হান্না ফোংদোকখিবনি। মরম পুম্নমক অসিনা কংলৈচা মীতৈশিংনা, হিন্দুনা পানবা হৌবা ১৮শুবা চহীচাগী মমাংদদি, ই.য়েক ১৮ দমক শিজিন্নরমই হায়বসি মীওই খুদিংমকনা য়াফম থোকই হায়না খল্লি।

G.A. Grierson না মহাক্কী Linguistic Survey of India, Vol. III Part III দা অসিমসু হায়রমই: "Probably owing to the fact that it has developed into a litrary Language their form of speech gives the impression of possessing peculiarly archaic character. Although they have became throughly subjected to Hinduism, they have not adopted any Aryan tonge;"

মীচং মীখায় নাইদবা European মচা অমনা হায়রম্বা অসিগা, ঐখোয়না হৌজিক পুয়া পাবদা খংলকখিবা, ঐখোয় কংলৈচাশিংগী লোল অসি মালেমগী খ্বাইদগী লিবা লোন ওইবা য়াই, য়ামদ্রবদা হিন্দুশিংগীদগী হেন্না লিরে, হায়বসি তশেংনা থাজবা পোকই।

অ: থাইনদগী ময়েক ১৮ দা ইবা অমসুং ঙাংবা মীতৈ কংলৈচা ইপা ইপুশিনা নোংমদি, লম্বী থোং চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ঐখোয় ময়েক ১৮অসিন মালেমগী লোল পুম্নমক ইবা য়ারক্লোই হায়বসি খংলমই। মরম অসিনা মখোয়না লোম ই.য়েক(.) অমসুং লুম ই.য়েক (.) শিজিন্নদুনা মতম মতমদুগী য়ানবা ই.য়েক শেম্মু হায়দুনা পুয়াদা ইরমই। মসিগী পথাপ অসিবু পুয়ানা "খুনুঙলোনচুম" কৌই।

<u>ইপা ইপুশিংনা তাক্লম্বা খুনুঙলোচুমগী পথাপ অসিনা ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংগী ই.য়েক ১৮ অসিনা মালেমগী লোল পুম্নমক ইবা ঙমহল্লি।</u>

কংলৈচা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা, মতৌ অসুম্না য়াম্না শিংনা অমসুং শাংনা উবা ঙন্বগী মশক উৎতুনা ই.য়েক পথাপতা লোম (.), লুম (.) ই.য়েক অসি অনি হাপচিল্লমই।

ঐখোয়না ইংলিশ অমসুং বেঙ্গোলীদা শিজিন্নদবা খকপা ইয়েক (¦) অসিনা থবক অমা, থৌথোক অমা অমসুং মতম পুম্নমকতা মাংখরগদবা, অমুক হল্লকরোইদবা ফোংদোকপা ৱারেং লোইবদা শিজিনৈ। খুদম খকপা (¦) অসি পুয়া মৈ থাদুনা মাংহনবগী মতাংদা পুয়াদা শিজিন্নরমই।

কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা চৈতপ ই.য়েক মাপন শিজিন্নরমই। মখোয়শিং অদুদি: ꯣ = ো, ꯤ = ি, ꯥ = া, ꯢ = ী, ꯧ = ৌ, ꯦ = ে, ꯨ = ু, ꯩ = ৈ, ꯪ = ং। লোনসুম ই.য়েক তরা শিজিন্নরমই। মখোয়শিং অদুদি:

ꯛ, ꯜ, ꯝ, ꯞ, ꯟ, ꯠ, ꯡ, ꯢ, ꯗ, ꯘ । কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা সীঙথালোন (mathematic) কী ই.য়েক খুদম মঙা শিজিন্নরকই। মখোয়শিং অদুদি:

খাইদোকপা = \, তিশিনবা = /, য়েন্নবা = |, পুনইবা (পুরিবা)= – মান্নবা = ঃ, কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা হৌজিক্কী মতমদা Bracket হায়রিবা খুদম ( ) অসি 'সমপল' কৌদুনা শিজিন্নরমই।

শীঙথালোন চৈশিংগী কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা খংলম্বা অসি অমদা ফুন তরা হুমদোই হায়বদি ১,০০,০০,০০,০০,০০,০০০ নি। মসিবু পুয়াদা 'অমতা ফুন তলাহুমথোই' হায়না কৌই। মশিং পাবগী মওংদি, অমা, তলা, চা, লিশিং, লীশিং তলা, লীচা, লীচা তলা, লীপুন, লীপুন তলা, লীপোৎ, লীপোৎ তলা, লীকৈ, লীকৈ তলা, পু অমা অসিনি।

কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা তলঙ লৌশিং অসুক ৱাংনা লৈরম্বশি মলেমগী মীয়ামদগী শীঙথালোন চৈশিঙ মশিং হেন্না খংলম্বদগীনি। লেপ্পা খংবিয়ু।

(১৩) ꯆꯩꯔꯥꯛ- ঐখোয়না হৌজিক ফংলিবা পুয়াদা য়াওরম্বা 'চৈলাক' হায়বা ৱাহৈ অসি ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা শিজিন্নরিবা 'চৈরাক' হায়বা ৱাহৈ অদুনি। অদুগা হিন্দুশিংনা 'দন্দি' হায়রিবা ৱাহৈ অদুগা মান্নবনি। মতাং অসিদা 'চৈলাক' হায়বা ৱাহৈনা তাকলিবসি, চৈ ঙাকতা শিজিন্নদুনা চৈরাক পীবা নত্তে, য়াম্না শাথিবা মরালদা হাৎপা ফাওবা য়াওনা চৈলাক পী।



পুয়াদা চৈলাক হায়বা ৱাহৈ/concept অসি থোকলকপা মতমদা 'নোংসাপা চৈলাক' হায়রগা খংনৈ। 'চৈলাক' হায়বা অসিগী মতাংদা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোল পুকোক পুয়াদা অসুম্না ইরি, "তলঙ পাউপু পীনপা। ইপুঙলোইকী য়াথংনা ওইখিবা মালেমনা লাইয়ামশিংনা হলাউলে।। ই.পুঙলোইনা হালাউলে।। য়াইফপাকী মতীকপু লাইয়ামশিংনা পেনচলে। অসুম তৌনা লোইপী চীঙকী চীঙতোনতা মফম মফম য়েংতুনা তুকা ৱাকা পাতুনা নুংঙাই থোইনা পানখলে।। ৱাকোনপুঙপু সাখলে।। ই.পুঙলোইকী হুমাং মালিকতকী থোকখিপা। সলোই ফুলুপ মখৈনা অয়েৎপাপু পীলকলে।। ই.পুঙলোইনা লাইনিংথৌ নোংসাপাপু ওইতুনা সলোই ঙমনা হাৎখলে।। লাইনিঙথৌ নোংসাপাকী চৈলাকনা সলোই খৈপীক তুমখলে। অতুকীতমকনা নোংসাপা চৈলাক হাইখলে।।"

তেংপানপা মপু ইপুঙলোই অপকপনা কৌপলু (কৌব্রু) চীংদোনদা শেন্বীদুনা লাই হায়বা মী কাংলুপ অদুনা পাকশন্না কৌব্রু চীংদোন্দা তারক্লবা মতমদা, সলোই হায়বা ইপুঙলোইনপা অপকপকী হুমাং মরিকতগী ওইখিবা মী কংবু অদুনা য়াম্না য়েৎপা হৌরকলে। মতাং অসিদা 'সলোই' হায়না পুয়ান পল্লিবসি, ঐখোয়না হৌজিক 'শরোই'হায়রিবা ৱাহৈ/concept অদুনি। সরোইশিং অদুবু ফত্তবা থবক তৌবগী, ইপুঙলেহৈনপা অপকপা 'নোংসাপা সাইওন' তৌদুনা সারোই তুম্না হাৎখিবনি। মতাং অসিদগী 'নোংসাপা চৈলাক' হায়বগী ৱাহৈ অসিদগী মতম অসিগী চৈলাক (চৈরাক) হায়বা ৱাহৈশি থোকখিবনি।

(১৪) ꯆꯨꯞ ꯑꯍꯨꯝ- কংলৈ ইপা ইপুশিংগী অরিবা লোন্দা, পুয়াদা শিজিন্নরিবা ৱাহৈদা 'চুপ অহুম' হায়বা ৱাহৈ অসিনা খংনরিবসি মৈ, ইশিং অমসুং নুংশিৎ অহুম্বু তাকপনি।

মীতৈ য়ুমথোং খুদিংনা লন-থুমগী মপু ওইরিবী ইমা ইমোইনু অহোংবীগী ইরাৎফম ওইরিবা ফুঙ্গাঁদা শিজিন্নরিবা 'য়োৎশুবী' (য়োৎশবী) গী মখোঙ অহুম অদুবু 'চুপ অহুম' কৌই। 'চুপ অহুম' অসিবু 'তলঙ ই.পুঙ' শু কৌই। মৈ, ইশিং নুংশিৎকী অপুনবা অমতা ওইবা শকতম্বু, তেংপালপা, তিংপালপা শেন্বীবা মপু ই.পুঙ লোইনপা অপকপা মহাকনি হায়না লৌই। কংলৈচা ঐখোয়গী ফুঙ্গাঁদা মখোং অহুম পানবা য়োৎশুবী (য়োৎশবী) খিল্লিবা

অদু, মৈ হৌফম ওইরিবা ফুঙ্গাঁ অমসুং ইমা ইমোইনুবু মপু মানা তাইপঙ মচা মশুশিংগীদমক ঙাকতুনা থল্লিবনি।

য়োৎশবীগী মখোং অহুম অদু মঙাং, লুৱাঙ খুমন, কংলৈচাশিংগী অহানবা মপা অহুম অদুনা কংলৈচা মচা মশুশিংগীদমকতা মৈ অমসুং লনগী মপু ওইরিবী ইমা ইবেম্মা ইমোইনু অহোং-অচাওবীবু কন্দুনা ঙাকতুনা থমলিবনি হায়না ৱাহন্থোক পীবসু য়াওই।

(১৫) [illegible] (চেংলৈ য়েক) - কংলৈচা মীতৈশিংগী থাইনগী ইপা ইপুশিংগী লোন্দা অমসুং ইনাৎতা 'চেংলৈ সলাই' নত্রগা 'চেংলৈ য়েক' হায়বা ৱাহৈ/concept লৈতে। মসি হিন্দুগী মতমদা, কংলৈচাশিংগী শেংলবা অমসুং ইনাৎ অমসুং খুন্নাইগী, হিন্দুশিংনা য়ৌবা ঙমদবা অৱাংবা ৱাংউলোন অদু মাংখিনবা, সলাই তরেৎ লৈজববু সলাই মাপন হায়জিল্লকপদা হাপচিনখিবা 'চেংলৈ শলাই' নত্রগা 'চেংলৈ য়েক' হায়বা ৱাহৈ/concept নি।

কোনচিন তুকথবা ইপু অথৌবা পাখংবগী মচা নুপা তরেৎ পোকলমই। মখোয়শিং অদুদি- মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইলাং, খাপা-ঙানপা, সলাই লৈসাংথেমনি। মখোই তরেৎ অসিবু সলাই তরেৎ কৌই। কংলৈ চীংতম পুন্নমক শলাই তরেৎ অসিগী মচা মশু ঙাকতনি।

(১৬) [illegible] - ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংগী শেংলবা পুয়া, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোকতা অসুম্না ইরি- "( ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক) পুয়ানা খাকপা লৈতনা। অমদি চকমলি অসিকী মথকতা ওইঙমখিপা অমতি চক মলি অসিকী মনুঙতা ওইঙমলকপা কয়াগী মলমপু অপোই ননা মচা মাইচৌপু ৱানি-লীপিও হাইনা লৈপাক মীয়ামকী নিঙথৌনা মাইচৌ মলিকী অমতি অপোই ননা মচাকী মফমতা ৱাকৎচৈয়ে।।০।।"

"ননা মাইচৌনা ৱালি লীয়ে চকপলম মচা মাইচৌনা লাইকী চৈ থাপিয়ে অতুকা মাইচৌ অহুমসু তাপীও ১ তি লুৱাংঙচম মচা মাইচৌ।। ২তি ৱাহিঙপম মচা মাইচৌ।। ৩তি চীনকাঙপম মাইচৌ ৩ অসিনা য়াউনা কংলৈয়োনতা মেনতা সংকুপলৈ মখোঙতা ফমপান লাংলিঙৈতা ৱাকোকলোন ১তি ৱাহৌলোল ২তি ই.নুঙলোন খুনুঙলোন অসি খৈপীককী ৱাপু মঙাঙ সলাই ই.কী লৈসংলেল



অসং ঙাসাপা নিঙথৌকী ৱালী লীখুনপু ননা মাইচৌনা। মাইচৌ ৪নে। লৈপাক মীয়ামনে। অসি খৈপীককী মফমতা হাইলকলে।।০।।"

অপোই ননা মাইচৌনা লৈপাক মীয়াম, নিঙথৌ অমদি মাইচৌ মরিগী মফমদা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল শলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়া অসি লিখিবনি। মতাং অসিদা শরুক য়ারিবা কংলৈপাক্কী নিঙথৌনা মুংয়াংপা নিঙথৌনি। অপোই ননা মচা মাইচৌনা ৱালি লীরগা ইশিনবনা চকপলম মচা মাইচৌনি।

মতাং অসিদা য়াওরিবা 'চকপলম মচা মাইচৌ' হায়রিবা অসি 'চকপা খুন্থোক' হায়বা অমা হিন্দুগী মতমদা ইশিল্লগা 'চকপা' হায়বা মীতৈ নত্তবা মী কাংবু অমা মীতৈ খুন্নাইদা হাপচিনবা, নোংপোকলোমদগী লাকই নত্রগা নোংচুপলোমদগী লাকপনি হায়জিল্লিবা অদু চুমদবা ৱানি। মফম অসিদা 'চকপলম' হায়রিবা অসি খুন নত্রগা লৈকায়গী মমিংনি।

মতাং অসিদা 'চকপলম মচা মাইচৌ' হায়রিবা অসি হৌজিক খুরুখুল, শেকমাই, ফয়েং অসিনচিংবা হায়রগা খংনরিবা মফমশিং অসিদগী লাকপা মীতৈ মাইচৌ অমবু হায়বনি। 'চক নত্রগা 'চকপা' ৱাহৈ/concept অসিনা য়াম্না মরু ওইবা মীতৈ খুন্নাইদা শরুক অমা য়ারম্বনা, মতম অদুদা চকপা খুল, চকপা মায়কৈ, নত্রগা চকপালম হায়না খংনবা মফম কয়া লৈরম্বা য়াই। 'চকপলম মচা মাইচৌ' হায়বা মাইচৌ অসি মফমশিং অসিগী মফম অমদগী লাকপা মাইচৌ শোইদনা ওইরমগনি।

(১৭) [illegible] ([illegible])- হৌজিক ২১ শুবা খৃ: চহীচাদা চিনাগী নোংপোকতা, পিসিফিক সমুদ্রদা, জাপান হায়বা মালেমগী মনুংদা হৈ শিংবদা ফাওবা, কংলৈচাশিংগা য়াম্না শকতা পুতা মান্নবা, মী কাংলুপ অমা তাবা লৈপাক (country) অমা লৈ হায়বসি মীয়াম্না খংনৈ।

অইবনা জাপান অমসুং মসিগী মীশিংগী মতাংদা ইগে খনবদা, মীতৈগীদি জ হায়বা ময়েক লৈতবনা চ গী মখাদা ইরে। মরমদি মীতৈগীদি 'চ' দা লোম (.) অমা মখাদা হাপচিল্লগা হায়বদি 'চ' না 'জ' ওই।


আইমু মুরাকামি


কাউরি হিরোসি


পোপ সিঙ্গর এরি কামৈ

*মথক্কী অহুম অসি জাপান নুপী ঙাকতনি। অহানবগী জাপান নুপী ইম্ফাল **Hirosima Day** জাপানগী মহুৎ শিনখিবী আইমু মুরাকামিদা অইবনা লাইরিক অমা খুদোল পীদুনা ৱারি শারি।*

জাপান মচশিং অসিনা য়ুমনাক্লা হান্না ইরগা মমিংনা কোন্না। মসি মীতৈ কংলৈচাশিংসু য়ুম্নাক হান্না ইরগা মমিং কোন্না ই। খুদম - য়ুম্নাম তোম্বা, মীতৈগী মিং ইবগী মওংনি, তাকাহসি কিনতারো, মফম অসিদা 'তাকাহাসি' হায়রিব অসি শাগৈ নত্রগা য়ুম্নকনি, অদুগা কিনতারো হায়রিবা অসি মী অদুগী অশেংবা মমিংনি, মসি জাপানগী মীশিংগী য়ুম্নাক মিং ইবগী মওংনি। কংলৈচা মীতৈশিংগা চপ মান্নে।

জাপাগী মীশিং চহী হৌবসি, জানুৱারি ১দা হৌরগা জানুৱারি ৭ তা লোইশিল্লি। ৭(তরেৎ) অসি মখোয়গী খ্বাইদগী ফবা মশিংনি। মীতৈ কংলৈচাশিংগীসু ৭ (তরেৎ) অসি খ্বাইদগী ফবা মশিংনি।

T.C. Hodson না মহাক্কী লাইরিক, The Meithies দা লা: ৪৪ দা Manipur is the original homeof Tea and Silk worm হায়না ইরি। জাপান্দা লৈবা মীশিংনা ঙসি ফাওবা চাবু 'চা' হায়না কৌই। মসিমক ঐখোয়না য়াম্না থাজৈ। মথকতা 'চা অমসুং চানুং' গী মতাংদা য়েংবিয়ু। চা থকফম কাবু 'চানোমা' (Cha-no-ma) কৌই।

মথক্কী মরম পুন্নমক অসিনা জাপানগী মীশিং অসি কংলৈচাশিংগা হৌরকফম তিন্নবা মী কাংলুপনি হায়বা তশেংনা থাজৈ। মখোয়শিং অসি এসিয়াগী মফম অতৈশিংগী মীগুম্না মখোয়সু কৌব্রু চীংদোন্দগী হৌখিবা 'লৈমা-লাই' হায়বা মী কাংলুপ অদুগী চাতা নাওতানি।

(১৮) ꯆꯨꯝꯊꯥꯡ (ꯆꯨ.ꯊꯥꯡ ꯁꯝꯕꯥꯡ) ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা 'চমথাঙ' হায়না খংনরিবা পোৎশক অসিবু, মথকতা কোন্থদুনা খন্দুনা লৈ হায়দুনা 'চুমথাঙ খনবা' হায়রগসু খংনৈ। চুমথাঙ নত্রগা চুমথাঙ খনবা হায়বসি মী পুন্নমক্লা উনবা পোৎনি, অইবনা হায়জরিবসি মীপুম খুদিংনা খংবিরমগনি খল্লি। 'চুমথাঙ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি পুয়াদা য়াম্না ময়েক লানা ইন না থম্লম্বা ৱাহৈ/concept নি। 'চুমথাঙ' করিনো হায়বা খংনবা হোৎনমিন্নসি।



চমথাঙ = চুম + থাঙ:

"তলঙ ই.পুঙলোইনপা অপকপনা ই.য়েক ১৮ অমতি সীঙথালোন চৈশীঙ ই.য়েক ꯐ (অমা) সাইওনতুনা অতীঙআ সিতপা অহাংপা হাইনা কৌখলে॥" ৱাফম অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াগী লামাইদা শেংনা ইদুনা লৈবা ৱাহৈ পরেংনি।

ৱাহৈ পরেং অসিনা হায়রিবদি তিংপালপা মপু (Universal Lord) মহাক অদুনা কংলৈ মীতৈ ইয়েক ১৮ অমদি চৈশীঙ ইয়েক ꯐ (অমা) ওইনা সাইওন্দুনা অহাংবা অতীঙআ (space), ঐকোয়না উরিবা অসি ওইনা লৈখি হায়বনি। মসিগী লোৎতুনা লৈরিবা ৱাহম্বোক্লা, অতীঙআ (space) অসিমক তিংপালপা মপু (Universal Lord) অদুনি হায়বনি।

ঐখোয় কংলৈচাশিংনা হৌজিক হায়নরিবা 'ময়েক্লা ইপানি' (তাইপঙ শেম্বা মপুনি। হায়রিবা অদুমক ৱাফম অসিদগী থোক্লপনি। অমুক পুয়া অসিমকতদা অসুন্না ইরি "ই.য়েক ৭ না চৈওন ৭মা থোকয়ে॥ চৈওন ৭মানা থৌৱাইমিচাক ৭ অমসুং পোকয়ে॥ অসুম তৌনা তিংপালপা ꯐ (অমা) কী মওংপু তাইপঙপালপা মওং লেপনপা হাইতুনা লাইনিঙথৌ লাইলেমমমা ২মাকী মফমতা লাইপুঙথৌ ৭ না। চৈওন ৭ না ওইলকপা মতুঙইননা নঙকী নতেঙ পাংকনি॥০॥"

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেংশিং অসিগী ৱাহম্বোকতি, তিংপালপা মপু নত্রগা তেংপালপা মপু (Universal Lord) অদুনা ইয়েক ৭না হায়বদি লাইপুঙথৌ ৭ না ওইবনি, ঈয়েক ৭ অদুনা চৈওন ৭ হায়বদি মী শেমই অদুগা থৌৱাইমিচাক চৈয়োম ৭সু ওইখি। তিংপালপা/তেংপালপা মপুগী মওংগা তাইপঙপালপা মীওইপাকী মওংকা মান্নে হায়বনি

ইপুঙলোইনপা অপকপা (Universal Lord) অদুগী মশাদা য়াওরিবা ই.য়েক ৭ (ঈ মখল তরেৎ) অদুনি ঐখোয় মীতৈগী সলাই ৭ হায়না মী মখল ৭ শেম্লকইবসি, সলাই ৭ মচু ৭ অদুবু মপু মহাক্কী মশাদা য়াওরিবা ইয়েক ৭ (ঈ মখল ৭) অদুগী মচুনি। মসি মপু মহাক্কী মশক ওইরিবা, সাইওন

ওইরিবা, অতীঙআ (space) কী মনুঙদা লোৎতুনা লৈ। মসিগী লোৎতুনা লৈবা মচু ৭ ওইবা 'চুমথাঙ' ওইনা ই.পুঙলোইনপা মহাক্না উৎলকই। হৌজিক কংলৈচা ঐখোয় পুন্নমক, কংলৈ ইপা ইপুশিংনা চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা পুয়াদা ইদুনা থম্লম্বা 'চমথাঙ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি খংমিন্নসি।

ঐখোয়না হৌজিক ২১শুবা চহীচাদা তিংপালপা নত্রগা তেংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা মহাক অদু ইয়েক ৭ নত্রগা লাইপুঙথৌ ৭ থোক্না খায়দোকই, ইয়েক ৭ অদুনা চৈওন ৭, চৈওন ৭ অদুনা থৌৱাইমিচাক চৈয়োম ৭ ওইখি। মসি তাইপঙ শেম্বা অমসুং তাইপঙ মীওইপা শেম্বগী লম্বীনি।

কংলৈচা মীতৈ অসি সলাই ৭ নি, সলাই অমমমগী তোঙানবা মচু ৭ লৈ হায়না ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা ইরমলিবসি, সলাই ৭ অসি তাইপঙকী মপা ওইরিবা ইপুঙলোইনপা অপাকপদা য়াওরিবা 'ই.য়েক ৭' ফিসেৎ মচু ৭ ওইনা শিজিন্নরম্বনি।

ঐকোয়গী পুন্নমক্না ঐখোয়গী অকোইবদা অমসুং ইথকতা উরিবা অতীঙআ (space) অসি ইপুঙলোইনপা মহাক্কী সাইওননি হায়বা অসিমসু পুয়ানা হায়বদগী খংলে। ৱাফম পুন্নমক অসিদগী ঐখোয়না হৌজিক খংলকলিবনা তাইপঙ পালপগী অহৌবা মচু ৭ (The Primary Seven Colours of the Space) অদু কোইলৌ অতীঙআ (space) অসিগী মনুংদা ঐখোয়না উদনা লোৎতুনা লৈ হায়বসিনি।

লোৎতুনা লৈবা ইপুঙলোইনপা অপকপাগী মচু ৭অদু মরক মরক্তা তাইপঙচা ঐখোয়দা ইপা সোরারেলনা উৎলকইা, পুথোকতুনা ঐখোয় তাইপঙচাদা তম্লকই।

চুমথাঙ = চুম + থাঙ, চুম হায়বদি চুম্না, ময়েক শেংনা + থাঙ হায়বদি থাঙতোকতুনা, পুথোকতুনা হায়বনি। মরম অসিনা 'চুমথাঙ' হায়বদি মপু মহাক্কী মশাদা লোৎতুনা লৈবা মচু ৭ অদু 'চুমথাঙ' নত্রগা 'চুমথাঙ খনবা' ওইনা মরক মরক্তা শেংনা তাইপঙচাশিংদা উৎলকপনি। মসিনি 'চুমথাঙ', 'চুমথাঙ খনবা' হায়বগী ইনাৎকী ৱাহন্থোকতি।



## ꯇ (তিল)

মথকতা উৎচরিবা অসি কংলৈচা মীতৈশিংগী ৮শুবা ঈয়েক ১৮ গী মনুংদা অমা ওইরিবা ঈয়েক্কী শকতম (symbol) শকতম অসি তিংপালপা মপু ই.পুঙলোইনপা অপকপানা অতীঙআ ওইনা সাইওন তৌদ্রিঙৈদা, মপু মাগী শকতমবু থাইনগী কংলৈচা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা ৱাখল (ৱাঙউলোল) না শাদুনা য়েক্লম্বা শকতম (symbol) নি। কংলৈচা ইপা ইপুশিং অসি, মালেমগী মী কাংলুপ অতৈগা চাংদম্নবা য়াদনা ৱাখল, লৌশিং ৱাংবা, মী কংলুপনি। শকতম (symbol) অসিবু থাইনগী কংলৈ ইপা ইপুশিংনা 'তলঙ ই.পুঙ' কৌই, পুয়াদা ইরম্বনি।

ইয়েক শকতম (symbol) অসি লৈই অহুম্না পুন্দুনা য়েকপনি। মৈ, ইশিং, নুংশিৎ হায়দুনা তাইপঙ শেম্বগী অহানবা পোৎশক অহুম অসি তিংপালপা মপু মহাক্না শাইওন হৌদ্রিঙৈদা লৈরম্বা মপু মহাক্কী শকতমবু মহুৎ শিনবা ওইনা থাইনগী কংলৈচা ইপা ইপুশিং অদুনা য়েক্লম্বনি।

ঈয়েক ১৮ গী মনুংদা, ১৭ অদু য়েকপগা মথক্কী শকতম (symbol) অসি য়েকপা, কংলৈ ইপা ইপুশিংগী ৱাখল, লৌশিংদা খেন্নবা অমা লৈ। মথক্কী শকতম (symbol) অসিদি তিংপালপা মপু মানা চৈশীঙ ইয়েক ꯇ অমসু অতীঙআ (space) ওইনা শাইওন্দ্রিঙৈদা লৈবা মপু মহাক্কী শকতম (symbol) ওইনা য়েকপনা, শকতম (symbol) অসি য়েকপদা, অতৈ ১৭ তা য়াওবগুম, অতীঙআ (space) কী মহুৎশিনবা লৈই য়াওদে।

ꯇ গী শকতম (symbol) অসি লৈই অহুম্না মহুৎ শিন্দুনা য়েকপনি। লৈই অহুম অদুদি-মৈ, ইশিং, নুংশিৎ হায়রিবা তিংপাল মপু মাগী অহানবা মশাদা য়াওবা পোকশক অহুম অদুবু মহুৎ শিনবনি। চৈশীঙ ইয়েক ꯇ অমসুং অতীঙআ (space) শাইওন্দ্রিঙৈগী মপু মাগী শকতম্বু 'তলঙ ইপুঙ' অমসুং 'তিললাং' কৌই। ঈয়েক শকতম অসি কংলৈ ইপা ইপুশিংনা 'তিল' হায়না খোম্থোক পী অমসুং পাই।

কংলৈচা মীতৈশিং অমসুং অতোপ্পা মীওই কাংলুপশিংনা মীতৈ ঈয়েক ১৮ নি হায়না ইচম চম্না হায়নরবসু তশেংবদি কংলৈ মীতৈশিং য়েলহৌ ঈয়েক তি ১৯ নি, চৈসীঙ ঈয়েক ꯑ অমসুং ঈয়েক ১৮ গা লোইননা ঈয়েক ১৯ না শাবনি।

চৈশীঙ ঈয়েক ꯑ (অমা) না তিংপালপা, তেংপালপা মপু মহাক্কী মহুৎ শিনবা অহানবা ঈয়েকনি অদুগা লেমহৌরিবা [illegible] তগী হৌরগা [illegible]. না লোইপা ঈয়েক ১৮ অদুনা ৱাহৈ ইনবা, ৱাহৈ ইবদা 'লোনচন' পীনবা ঈয়েকশিংনি। কংলৈ মীতৈশিংগী ঈয়েক ১৯ লৈবগী মনুংদা, চৈশীঙ ঈয়েক ꯑ (অমা) অমসুং ৮ শুবা ইনবা ঈয়েক ꯇ (তিল) য়েকপদা অতীঙআ (space) কী মহুৎশিনবা লৈই য়াওবে।

(১) [illegible]- তাইপঙ পালপা হায়বদি তিংপালপা মপু অদুনা, থৌৱাইপালপা ঐখোয় ময়াম্না লৈরিবা মালেম অসিবু শেম্লগা, মসিদা থৌৱাই পালপা ময়াম অমা লৈহনবা, অসি ফাওবা শেমগৎলকপদা মরু ওইনা পন্দুপ অহুম (মথং মথং থেনখাং অহুম) চংই।

অহানবদা তিংপালপা মপু অদুনা চৈশীঙ ই.য়েক ꯑ অহাংবা অতীঙআ (space) ওইনা শাইওল্লি। মসিবু তেংপালপা কৌই। তাইপঙ পালপা থৌৱাই পালপশিং শেম্লবা মচাক "হুমনি শুপাগী নৌৱাকী মওং ওইনা সনাকী মচু মালপা নৌৱা" অমা ওইনা, চৈশীঙ ই.য়েক ꯑ অমনা অহাংবা অতীঙআগী মনুংদা লোৎতুনা লৈ। অহাংপা অতীঙআ অসিবু ঐখোয়না হৌজিক ২১ শুবা চহীচাদা ইপা শোরারেল কৌই, পুয়াদনা "সলাইলেল শিতপা" কৌই, অদুগা ঈনুঙপুঙসু কৌই, তাইপঙ ঈপাকসু কৌই।

অনিশুবদা, তিংপালপা মপু, ই.পুঙ লোইনপা অপকপা অদুনা মহাক্কী ঈনুঙপুঙদগী মালেম লৈমাবু চিংখৎতুনা ঐখোয়না হৌজিক মালেম হায়না কৌরিবা, ইমা লৈমলেল সিতপীসু কৌনৈ, নোংচুপলোমনা Earth (পৃথিবী) কৌরিবা অসি শেম্লগা, মালেম অসিগী ফমপাকতা উ-ৱা, উরি ৱারি, শা উচেক, মীনচিংবা মশিং লাকঙমদ্রবা থৌৱাই পালপাশিং শেমই। মসি ফাওবদা তাইপঙ শেমগৎলকপসি পন্দুপ অহুমনি।



ইহান হানবদা তিংপালপা মপু, ঈপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা "তলঙ ই.পুঙ" কৌনা, তিংপালপা, তেংপালপা, তাইপঙপালকী যুমফম ওইনা (As Primordial ওইনা) লৈ। মসিনা খ্বাইদগী অহানবনি।

মথংদা, মপু মহাক্না চৈশীঙ ঈয়েক ꯑ (অতীঙআ) ওইনা শাইওল্লি।

অহুমশুবদা, মপু মানা মহাক্কী ওইরিবা অতীঙআ (space) কী মনুংদগী (ঈনুঙপুঙ) দগী মালেম লৈশা চিংখৎতুনা শেম্লগা, মসিগী মথকতা থৌৱাই পালবশিং শেমই। মসিনি মপু মানা তাইপঙ শেম্বগী মওংনি।

তেংপালপা, মলেম, মৈ, ইশিং, নুংশিৎ অসিনচিংবশিং মপু মানা শেমদ্রিঙৈগী মপু ম গী হায়বদি ইপুঙ লোইনপা অপকপা মাগী মমিংবু পুয়ানা 'তলঙ ই.পুঙ" কৌই।

"তলঙ ই.পুঙ", পুয়ানা "তলঙ ই.পুঙ" হায়রিবা অসি করিনো? মসিনা করি তাকলিবনো খংমিন্নসি:

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল শলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়ানা ꯇ হায়বা কংলৈচাশিংগী ৮ শুবা ঈয়েক অসিগী মতাংদা অসুম্না ইরি: "কামপী মৈ তলঙ। লাইচা ঈসিঙ তলঙ। মালংপা নুংসিৎ তলঙ। অহুম মানা লৈতলিঙৈ। তলঙ ওইনা লৈলিঙৈকী মমিংপু তলঙ ঈপুঙ কৌয়ে।। তলঙ ঈপুঙকী ঈয়েক অসিপু ঈনুঙলোননা তিললাং কৌয়ে।"

মথক্কী অসিনি পুয়াদা ইরমলিবা অসি। ৱাফম অসি য়াম্না লিরবা লোন দা ওইরবসু, তশেং তশেংবা কংলৈ মীতৈগী লোন্নি। য়াম্না মুন্না, ৱাখল অনি লোংদনা পারবদি কংলৈচা মীতৈ খুদিংনা খংগনি।

তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা অদুনা তেংপালপা শেমদ্রিঙৈ, অতীঙআ লৈত্রিঙৈ, মালেম তাইপঙ শেমদ্রিঙৈ, মতম অদুদি মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ হায়রিবা তাইপঙ হিংনবগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা পোৎশক অহুম অসিসু লৈরমদে। অহুম অসিসু মশক মওং লেপতবা তলঙ মালঙ ওইনা লৈরমই। ফিফম অসিদা, মৈ, ইশিং, নুংশিৎ অহুম অসিবু পুন্না "তলঙ ঈপুঙ" কৌই হায়বনি। "তলঙ ঈপুঙ" হায়রিবা ৱাহৈ/concept অসিবু ইনুঙলোন (লাইলোন) না তিললাং কৌই হায়বনি।

'তিললাং' হায়রিবা পুয়াগী ৱাহৈ/concept অসি করিনো অমুক য়েংবিয়ু:

পুয়াদা অমুক ইরি: "লাইলেলপীতি সিতপী তিললাং খোইতাতুনা মপুগী কোনতগী তিললাং অতু তুকথখিতুনা লৈমালেলকী খোইচী খাতা তুঙতুনা নাউপুন ওইনা য়োমতুনা পীপুকনুংদা লৈখলে।।"

পুয়াগী ৱাফম অসিনা হায়রিবা অসিদগী ঐখোয়না ২১শুবদাচীহচাদা খংলিবা অসি, তিললাং' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি হৌজিক ঐখোয়না science কী ৱাফমদগী খংলকখিবা semen and sperm হায়বা ৱাহৈ/concept অদুনি।

মরম অসিনা 'তলঙ ঈপুঙ" হায়বা কংলৈচা মীতৈশিংনা চহী লিশিং কয়াগী মমাংদগী খংলমলিবা ৱাহৈ/concept অসিনা হায়রিবদি তিংপালপা, তেংপালপা অসিদা করিসু লৈত্রিঙৈদা, মপু মানা লৈরম্বগী শকতমতি 'তলঙ ঈপুঙ'নি, 'তলঙ ঈপুঙ' হায়বদি তাইপঙপালপা, মালেম, মশিং লাকঙমদবা অহিংবা থৌৱাইপানবশিং পুম্নমক অসি শেম্লবগী মতিং, ময়াই, মতীক, পাঙ্গল লৈবা মশক উদবা তলঙ মালঙ ওইনা লৈবা, মওং লৈতবা ঈগী অপুনবা, ঈপুঙ ওইবা পোৎশক অমনি হায়বনি।

(২) ꯇꯂꯪ ꯃꯂꯪ- 'তলঙ মালঙ' হায়বা ৱাহৈ/concept অনি অসি পুয়াদা য়াম্না শেংনা ইরম্বা ৱাহৈ অনিনি। তিংপালপা মপু, ঈপুঙ লোইনপা অপকপা তাইপঙ মালেম পুম্নমক অসিবু শেমদ্রিঙৈগী মমাংদা মপু মহাক্না ওইরম্বা শকতমপু 'তলঙ মালঙ' হায়না কংলৈ ইপা ইপুশিংনা শৈথারমই। অদু ওইরবদি কংলৈ ইপা ইপুশিংনা শৈথারমলিবা ৱাহৈ/concept 'তলঙ মালঙ' হায়বসি করিনো, করিবু খংনরিবনো খংমিন্নসি:

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা অসুম্না ইরি: তলঙ অতিঙপপু ই.পুঙলোইনপা অপকপানা তলঙ মালঙনা ই.ম ওইনা হাইনা হুমনা অসুমনা লৈলিঙৈতা, মালেম, নোংথৌ ওইনপা সেমকে নিঙলকলে।।" মশিমকনি পুয়াদা ইরমলিবসি।



কংলৈ ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা ইদুনা থনমলিবা ৱাফম অসি য়াম্না ময়েক শেংই। পুয়া অসিদা হায়রিবদি, তিংপালপা, তাইপঙ পালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা ঐখোয়না উরিবা খংলিবা পুম্নমক অসিবু অমতা লৈতরিঙৈদা (শেমদ্রিঙৈদা), 'তলঙ মালঙ' না ঈম ওইনা লৈরিঙৈদা, মপু মহাক্না পুম্নমক অসিবু শেমগে নিংলকলে হায়বনি।

মথক্কী পুয়াগী ৱাফম পরেং অনি অসিদগী ঐখোয়না হৌজিক খংলিবদি, পুম্নমক শেমদ্রিঙৈগী মমাংদা, ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকতি 'তলঙ মালঙ' না ঈম (য়ুম) ওইনা লৈরমই, ꯱ (অমা) হায়না খংনবা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা, পুম্নমক্কী মপু মহাক্কী শকতমতি 'তলঙ মালঙ' নি হায়বনি। মরম অসিনা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা 'তলঙ মালঙ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিদা ফোংদোকলিবদি, 'তলঙ মালঙ' হায়বদি মশক মওং লৈতবা, হৌফম শাৎফম লোইফম খংদবা, ৱাখল/Concept তদা লৈবা, শকতম লৈতবা, spiritual ওইবা মপুগী মশকনি হায়বনি। মরম অসিনা থাইনা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা লাই নিংবদা, লাইগী থৌরম খুদিংদা, শকতম লাৎলমদে, শকতম খুরুম্লমদে। শকতম লাৎপগী ৱাফম অমা লাকলিবসিদি হিন্দুশিংনা পুশিল্লকপা ১৮ শুবা C.E. দগীদনি খংবিয়ু।

(৩) 'ꯇꯂꯪ ꯂꯥꯏꯄꯥꯎ' - 'তলঙ লাইপাউ' হায়বা ৱাহৈ অনিসি মীতৈ কংলৈচাশিংগী খ্বাইদগী শেংলবা পুয়া, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোকতা য়াম্না শেংনা ইদুনা লৈবা ৱাহৈ/concept শিংনি। মথকতা মমিং পনজখ্রবা পুয়া অসিদা অসুম্না থাইনগী কংলৈ ইপা ইপুশিংনা ইদুনা থম্বিরমই "লাইনিংথৌ সলাইলেল সিতাপকী মফমতা তলঙ লাইপাউ পীতুনা। নুমিৎ হুমনি সুপাকী অঙাংকী মতমকুমনা সানাকী মসক মালপা নৌৱা ꯱ (অমা) ওইনা লৈলমকে। ঐ অসিপু নহাককী নচামকনি নিঙতুনা ঐপু য়োকলো।। হয়েং চক অমতা তাইপঙপালপা মনুঙ ওইননপতা। লাইয়ামশিঙগী ই.য়েক খোনথোক মতুঙ ইননা মাঙতানপা উলি ৱালি। মীনচিংনা অসি খৈপীকপু সালকপা মতমতা ঐনা নঙকী নতেং পাংকনি হাইনা তলঙ লাইপাউ পীখিয়ে।। লিখুন লীকলমপু লাইয়ামশিংনা তাচাখি।।০।।"

ইহান হানবদা তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা মালেম ইমা লৈমালেল সিতপী লৈসাথক অসিদা থৌৱাইপানপশিং শেম্নবগীদমকতা তেংপালপা হায়বদি নুমিৎ থা থৌৱাইমিচাক মালেম (লৈসা) অসিনচিংবা কয়া য়াওবা অহাংপা অতীঙআ (space) অসিবু শেমখি। মথংদা মালেম (লৈসা) অসিগী মথকতা থৌৱাই পানপশিং শেম্নবগী ৱাখল তৌরকখি। মতাং অসিদদি তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা ইহান হান্না তাইপঙপালপা থৌৱাই পালপশিং শেম্নগে হায়না 'তলঙ লাইপাউ' পীরকখিবনি।

মথক্কী quotation দা অহানবা পরেংদা য়াওরিবা, লাইনিংথৌ সালাইহেলল সিতপা" হায়রিবা অদু ঐখোয়না হৌজিক 'সোরালেল' নত্রগা 'ইপা সোরারেল' হায়রিবা space অসিবু লাই অমা ওইনা 'লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপা' হায়না মিংকৌতুনা শৈথাবনি। 'লাইয়ামশিংনা তাচখি' হায়রিবা লাইশিং অদুনা লাইপুঙথৌ তরেৎপুনি। লোইননা সলাইলেল সিতাপসুনি।

মথক্কী 'তলঙ লাইপাউ' পীবগী মতাংদা পুয়াদা ইরিবা ৱাফম অসি হৌজিক্কী মতমগী science কী মতাংদা থাইনগী কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা লৈরম্বা ৱাখল লৌশিং (knowledge) খম থেংবা অৱাংবা থাক অদুনি।

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেংশিং উৎখিবদা, তলঙ অৱাংপা অতীঙআদগী তিংপালপা, তিংপালপা মপু অদুনা ঐ মালেমদা উলি ৱালি, মীনচিংবা পুন্নমক শেন্বা লাক্লগে হায়না 'তলঙ লাইপাউ' পীরকই, হায়বসিনা তাকলিবসি তাইপঙপালপগী থৌৱাই পুন্নমক অসি, মালেম লৈশাদগী নত্তে, নোংমতোনদগী লাকপনি হায়বসি য়েৎননিংঙাই লৈতনা থাইনগী ইপা ইপুশিংনা খংলমলে হায়বসি য়েৎনিংঙাই ওইরিব্রা? Extra Terristrial Origin of Life হায়বসি কংলৈ মীতৈ ইপা ইপুশিংদি চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা খংলমলে হায়বা নত্রা?

মথংগী ৱাফম অমনা, উলি, ৱালি পুন্নমক শেম্নবা 'নৌৱা ꯱ (অমা)' ওইনা লাক্কনি হায়রিবসিনা তাকলিবদি মালেম (লৈশা) দা লৈরিবা উলি, ৱালি, শা, ঙা পুন্নমক অসি ꯱ (অমা) হায়বা কংলৈচা ইপা ইপুশিংগী পোৎশক অমখকতগী ওইরকখিবনি হায়বা নত্রা? All living originated from the same living (꯱) of the Meetei scripture (?).



'তলঙ লাইপাউ' হায়বা অসি মালেম (লৈশা)দা থৌৱাই পানবা উলি, ৱালি মীনচিংবা পুন্নমক শেন্নকপা মপু মাগী অহানবা খোংথাংনি। ৱাহৈ/concept অসিগা মরি লৈনবা কয়া অসিনা কংলৈচা থাইনগী ইপা ইপুশিংনা হৌজিক্কী মতমগী scienceগী ৱাংলবা থিজিনবগী ফংলকলিবশিং অসি হান্না চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা খংলমই। হিন্দুশিংনা পুয়া মৈ থাখিবদগী পুন্নমক অসি উৎ ওলহনখিবনি।

(৪) ꯇꯤꯜꯂꯥꯡ- 'তিললাং' হায়বা পুয়াগী ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোকতি হৌজিক্কী মতমগী science কী semen দা sperm নত্রগা spermatozoon হায়বা ৱাহৈ/concept অদুনি। মথকতা য়েংবিয়ু।

(৫) ꯇꯤꯡ -পুয়া ৱাকোকলোল হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোল পুকোকতা তিং হায়বা ৱাহৈ/concept অসি মতোমতা ইবা, শিজিন্নবা থেংনদে। অদুবু, তিংপালপা, তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা হায়বা ৱাহৈ/concept শিংদি য়াম্না তোয়না শেংনা শিজিন্নবা, ইবা থেংনৈ।

অদুগা খুন্নাইগী মীয়াম মরক্তা 'তিং ফুদোকপা ঙমদবা', 'মতিং য়াওদবা মীনি' হায়বসি করিনো, থাইনগী কংলৈ ইপা ইপুশিংনা 'তিং' হায়রগা করিবু খংনরম্বগে, ঐখোয়না হৌজিক তিংগী ৱাহন্থোক পীবা তাই।

তাইপঙ, মালেম, নোংথৌ, অতীঙআ, থা, থৌৱাইমিচাক, নিংথৌ তুরেল অসিনচিংবা অসিনা অমতা লৈত্রিঙৈদা, লৈরম্বা মওংবু কংলৈ ৱাঙউবশিংনা 'তিংপালপা' কৌই, মসিগী মপুবু 'ই.পুঙলোইনপা অপকপা' কৌই।

তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা নোংথৌ, অতীঙআ, হিন্দুগী অতিয়া, নোংচুপক্কী (space) শেমলে; মথং মথং মালেম, মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, থা থৌৱাইমিচাক অসিনচিংবা পুন্নমক শেমলে।

মথংদা মালেম লৈশা মথকতা থৌৱাইপানবা পুন্নমক মীনচিংবা শেমলে। ঐখোয়না হৌজিক উরিবা পুন্নমক অসি শেমলে। মসি পুন্নমক অসিনি তাইপঙ মালেমগী হৌরকপগী ৱাফম/পুন্নমক অসি হৌরকপা হায়বসি হৌরকফম অমদগীনি। হৌরকফম লৈতনা পোৎ থোরকপা হৌনদে। কংলৈ ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা ইদুনা থম্লম্বা, থাইনা মমাংঙৈদা মখোয়না খংলম্বা অসি পুন্নমক অসিগী হৌরকফমদি তিংপালপা মপু ইপুঙ লোইনপা অকপপা মহাকনি হায়বসিনি।

নুমিৎ খুদিংগী নুমিৎ, থা, থৌৱাই মিচাক্লচিংবা থোক্লকই, নুমিদাংদা ঐখোয়না Electric থাল্লি, Heater শিজিন্নে, পুন্নমকসি science না কদাইদগী পুথোকই। মৈশা য়াওদনা ঐখোয়না হিংবা ঙম্ব্র?

নোংচু-থা য়ৌরকই, নোং খাক্লকই, নোংমৈ শীংচং তারকই, উ খায়দোকই, মী শি, Atom Bomb, Hydrogen Bomb শারকই। করিনা শাই। পুন্নমক অসি মহৌশা (Nature) গী অরোনবা খংবা scientists কয়ানা মহৌশাগী পুক্কৈদগী লৌদুনা পুথোকপা, শাবা নত্রা?

মথকতা পনজখিবা পুন্নমক অসি য়েৎনিংঙাই লৈব্রা? লৈফম থোকতে।

মথক্কী মরম পুন্নমক অসিনা, ঐখোয়না হাংনা উরিবা, থাইনগী ইপা ইপুশিংনা নোংথৌ, অতীঙআ (হিন্দু-অতিয়া), west-space) হায়না কৌরিবা অসিগী মথকতা লৈ হায়না কংলৈ ইপা ইপুশিংনা থাজরিবা তিংপালপা, হায়রিবা অহাংবা, মফমশিং অসিদা মপাল নাইদ্রবা পাঙ্গল (force), থবক পুন্নমক তৌবা ঙম্বা, নুমিৎ, থা, থৌৱাইমিচাক অসিনচিংবা পুন্নমক থোকহনবা ঙম্বা, মখোয়বু অরেপা লম্বী অমদা চৎহনবা ঙম্বা, মপাল নাইদ্রবা মতোমতা লৈরম্বা পাঙ্গল (force) লৈ, লৈরে হায়বসি খঙবীরব্রা, থাজবিদ্রিব্রা?

পুন্নমক অসি খংদবা, থাজদবা সুকয়া য়ারোই। কনাগুম্বা অমনা খংদে, থাজদে, উদে হায়বরবসু লৈবদি শোয়দনা লৈরে।



মসিগী অহাংবদা লোৎতুনা লৈবা, তাইপঙ কনানসু শেমলুদবা, পুথোকউবা নত্রবা, মতোমতা লৈজরক্লবা (Primordial ওইরবা) মপাল নাইদ্রবা পাংকল, লোম্বা লোইবা নাইররোইদবা পাকল অসিবুনি ক ংলৈ ইপা ইপুশিংনা 'তিং' হায়বা ৱাহৈ/concept অমা পুয়াদা ইদুনা থনমলিবসি। কংলৈ ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা ইদুনা থম্বীরমলিবা 'তিং' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিবুনি নোংচুপলোম্না Vital Force হায়রিবা অদু।

মতাং অসিদ 'তিংপালপা' হায়না কংলৈ ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা ইদুনা থম্লম্লবা ৱাহৈ/concept অসি করিনো খংমিন্নসি:

তিংপালপা = তিং + পালপা

তাইপঙ মালেম অসিদা হিংদুনা লৈরিবা থৌৱাই পানবা তিল, কাং, উচেক ৱায়া, মীনচিংবসি, মৈ (কামপী) য়াওদনা হিংবা ঙমগদ্রা? মীওইবগী মশাদা মৈশা য়াওই। মৈশা অসি লৌথোকখিবদা মী হিংবা ঙমগদ্রা? উচেক ৱায়া পুন্নমকসু মদু মঙাই। হৌজিক্কী মতমদা হায়রগা Electric য়াওদনা হিংবা ঙমদ্রবনি। মীশিং অসি নুংশিৎ হায়রিবা পোৎশক অসি য়াওদনা হিংবা ঙমগদ্রা? নুমিৎ থোকখিদ্রবদি হিংবা ঙমগদ্রা?

মরম পুন্নমক অসিন, থৌৱাই পানবা পুন্নমক্লা হিংলিবা অসি মপু মাগী লোৎতুনা থম্বা হান্না লৈরম্লবা 'তিং', মপাল নাইদ্রবা পাংকল (Vital Force) অদুগী মপালনা হিংবা, পানবা নত্রা?

তিংপালপা = তিং + পালপা, 'তিং' হায়বদি মপাল নাইদ্রবা, লোইবা নাইদ্রবা পাংকল (Vital Force) অদুগী মতেংনা + পালপা হায়বদি হিংবা, হিংদুনা লৈবা হায়বনি।

(৬) [illegible] - 'তিং' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি থাইনগী ইপা ইপুশিংনা করিবু খংনরম্বগে হায়বগী মতাংদা অইবনা মথকতা মচা খায়না ইজখ্রে। 'তিং' হায়বসি তিংপালপা মপু, ঈপুঙলোইনপা অপকপাগী মতীক ময়াইনি। তাইপঙ মীওইবা মী অসি মহাক্কী মশক মান্না শেমখিবা, মহাক্কী

পীল্লবা থৌৱাইপানপা 'অহিংপা শরুক অমনি। মরম অসিনা মপু মহাক্কী মতীক ময়াই অদুগী পীল্লবা শরুক অমসু মীওইবগী মশাদা য়াওই।

<u>তিংখং = তিং + খং</u>

ঐখোয় মীওইবনা, ঐখোয়না তিংখং হায়না খংনরিবা পোৎশক অদুনা খোংদা, খুৎতা হেক থিনবদা, হকচাংদা হেক য়ৈশিনবদা খংপ্রেক খংই, ঐখোয়না চংশিল্লিবা লম্বী, তৌগে হায়না চংশিল্লিবা থবক অদু খংলেপ লেপই, খুদকতা তৌবা চৎথবা ঙল্লকতে। মসিনি তিংখং হায়বা ৱাহৈ, পোৎ, concept অসিনা ঐখোয়দা খংহল্লিবা নুংগী ওইবা ৱাফম অসি।

মরম অসিনা তিংখং হায়বা ৱাহৈ/concept কী ৱাহন্থোক খংমিন্নসি:

তিংখং = তিং + খং, মফম অসিদা তিং হায়রিবা ৱাহৈ মচেৎ অসিগী ৱাহন্থোকতি তিংপালপা, তেংপালপা মপু অদুনা ঐখোয় তাইপঙ মীদা পীনরকপা মহাক্কী মপাল নাইদ্রবা পাংকল (Vital Force) অদুগী পীল্লবা শরুক অদুবুনি, অদগা খং হায়বনা খংহল্লিবনা, খঙবা, থবক খংলেপ লেপহল্লিবা তিংখংনা পাংথোক্লিবা অদুবুনি।

মরম অসিনা তিংখং হায়বা ৱাহৈ/concept কী ৱাহন্থোকতি মপুনা মীওইবদা পীরকলিবা পাংকল লৌশিং থৌনা তিং অদুবু খংপ্রেক খঙহনবা, থবক খংলেপ লেপহনবা হায়বনি।

মতাং অসিদা 'শাই তিংখং' করিনো খংবিয়ু: মতাং অসিদ 'শাই' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিগী ৱাহন্থোকতি শাগী হায়বনি, শাগী হায়বা ৱাহৈ অসিদগী 'শাই' হায়বা ৱাহৈ অসি ওনখিবনি। মতম অমদা 'মোইরাং শাই', মোইরাং জাতি শৈশকপীগী 'মোইরাং শাই' হায়বা ইশৈ অমা তোয়না তারমই। মফম অসিদা 'শাই' হায়রিবা অসি 'ইশৈ' হায়বনি, 'মোইরাংগী ইশৈ' হায়বনি। মতৌ অসুম্না ৱাহৈ অসি মতম মতমগী মতুং ইন্না মশক ওল্লি, ওনখিবদগী হৌফমগী, অহৌবগী ৱাহৈগী মশক অদু খংদবসু য়াওই।



শাই তিংখং হায়বা পাম্বী হৌজিক্কী মীরোলদি খংদবসু য়াওরম্লগনি। শাই তিংখং হায়বা পাম্বী অসি খুপীদগী খরা হেন্না চাওবা মশা নোপ নোপ লাওবা য়াম্না শাংবা, মচিন য়াম্না তুম্বা, ইঞ্চি অনিমুক শাংবা তিংখংনা পুময়োম য়োমশিনবা, অমগা অমগা ঙাথনদুনা উ মরক্তা হৌবা পাম্বী মখল অমনি।

থাইনা মমাংঙৈদা ইপা ইপুশিংনা, শা-কৈ য়াম্না লৈবা উমংদা নুমিদাং লেকতবা য়াদ্রবদি, শাই তিংখং পাম্বী ময়াম অমা য়াল্লুরগা মদুনা শম্বলগুম কোইশিল্লগা ময়াইদা লেকলমই। শা-কৈনা চংশিল্লকতুনা শারক তৌগে তৌবদা, শম্বল অদু হেক থেংবদা, শাই তিংখং অদুনা থিনবদা পাখৎতুনা চেনখি। মসিদগী তিংখং মখল অসিবু শাগী তিংখং, শাই তিংখং হায়না খংনরকখি।

(৭) ꯇꯤꯡꯊꯧ -তিংথৌ হায়বা পোৎ অসি কংলৈচা মীতৈশিংগী লাইতিল খুরুম্বদা শিজিন্নবা অপিকপা মনা শাংনা পানবা নাপী মখল অমনি। তিংথৌ হায়বা ৱাহৈ/concept অসি 'তিংখং' গী ওন্ন-তৈনবা ৱাহৈ/concept নি। মসি অনাবদা কুপ্না শুগাইরগা মহী শুমদুনা পীথকই, খোইহীগা য়ান্নরগসু পীথকই। 'তিংথৌ' ৱাহন্থোক খংবিয়ু: তিংথৌ = তিং + থৌ, তিং হায়বনা তিংপালপা মপুনা মীদা হাপ্পীরকলিবা তিং (Vital Force) অদুবুনি 'থৌ' হায়বনা থৌগৎলি, পাংকল হেনগৎহল্লি হায়বনি। মরম অসিনা 'তিংথৌ' বু কংলৈচাগিংগনা লাইগী-তিলগী অনা লাইয়েংগী মতাংদা শিজিন্নরমলিবনি। মমিংসু অসুম্না কৌরমখিবনি।

(৮) ꯇꯥꯏꯄꯪ ꯄꯥꯜꯄ- হৌজিক্কী ২১ শুবা চহীচাগী মীরোলনা 'তাইপঙ পালপা' ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক খংদে। 'মী অমগা অমগা তিন্নবদা 'পঙন তিন্নে' হায়বদগী তাইপঙ পালপ কৌই' হায়দুনা হেকতা খুমই, মসি লাল্লি। 'তাইপঙ পালপা' হায়বদি মীওইপা খুদিংনা পোক্লকপা মতমদা, মমাগী পীপুকনুংতগী মালেমদা হেক তাবা মতমদা পঙথৈ। নোংথৌ অমদি মালেমগী মরক্তা তাইনবদা মালেমদা হেক তাবদা পঙথবা অদুদগী 'তাইপঙ পালপা', তাইপঙ পালপা মীওইবা কৌই। মসি পুয়ানা তাকপনি।

(৯) <u>তেংপালপাঃ</u> মীয়াম্না, মালেম তাইপঙ শেম্লকপগী মতাংদা য়াম্না মরু ওইবা -ব়াহৈ/concept অনিখক, হায়বদি তিংপালপা অমসুং তেংপালপা ব়াহৈ/concept অনিসি থেংনবিগনি। ব়াহৈ/concept অনিসি ইমান মান্নে, অমতা ওইরবোই নিংই। মদু নত্তে। তিংপালপা, তিংপালপা মপু অদুনা, তাইপঙ অসিদা অতীঙআ (space) মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, থা, থৌব়াইমিচাক অসিনচিংবা অমতা লৈত্রিদ্রৈঙেগী মমিংনি, ঈপুঙলোইনপা অপকপা কৌ। মশকতি 'তলঙ মালঙ' নি।

তেংপালপা, তেংপালপা মপু অদুনা, তিংপালপা, তিংপালপা মপু অদুগী শাইওননি, অনিশুবা মওংনি। মতাং অসিদদি, অতীঙআ, মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, থা, থৌব়াইমিচাক অসিনচিংবা লৈরকলে। মমিংনা তেংপালপা মপু সালাইলেল সিতপা কৌই।

পুয়া ব়াকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক্লা অসুম্না ইরি- "তলঙ ই.পুঙলোইনপা অপকপনা ই.য়েক ১৮ অমতি সীংথালোন চৈশীঙ ই.য়েক ⅏ (অমা) তা সাইওনতুনা অতীঙআ সিতপা অহাংপা হাইনা কৌখলে।।"

মতাং অসিদা 'অতীঙআ সিতপা অহাংপা' হায়রিবসি নোংচুপলোম্না space হায়রিবা অদুগা ইন্দিয়া মচানা অতিয়া হায়রিবা অদুনি, মসিবু কংলৈচা ব়াংউবশিংনা 'সলাইলেল সিতাপা', ইপা সোরারেল হায়রগা খংই।

(১০) ꯇꯥꯏ- হৌজিক এসিয়াগী মফম কয়াদা মশিং য়াম্না পাকশন্না তারিবা তাই (Tai) হায়বা মী কাংবু অসি কংলৈপাক্কী কৌব্রু চীংতোন্দগী চৎখিবা লাই নত্রগা লৈমা-লাই হায়বা মী কাংবু অদুগা অমতনি। আসামগী মী কাংবু অসিসু মখোয়না অহোম - তাই নি হায়জৈ।

"The aphellation Ahom is applied to the Pre-British Tai rulers of Assam" please see page 16 of "The Tai and The Tai Kingdom" by Padmeswor Gogoi. হরেশ্বর গোস্বামী (শর্ম্মা) না হন্দক্তা চাইনা অমসুং য়ুনান্দা চৎলুরগা ২০১০ দা



ফোংখিবা 'খাগী লৈবাক য়ুনান' হায়বা লাইরিক অদুগী লামাই মরিদা অসুম্না ইরি। "মতম অদুদা তোঙান তোঙানবা মী ফুরুপ হুম্ফুদগী তাদনা লৈবাক অসিদা লৈরমই। অদুবু পুম্নমক অসি চাওরাক্লা কাংলুপ মরি খক্তা খায়দোকতুনা মশক তাক্লমই। মখোয়শিং অদুদি লাই, তিন, মী অমসুং পোং।" অইবনা মথকতা ইরম্লিবসি 300 BC গী অদ্বাইগী ব়ানি, মহাক্লা চাইনাদা চৎলুরগা খংলকপনি।

মথংদা অইবা হরেশ্বর গোস্বামীনা লাইরিক অসিমক্কী লামাই ৩৮ অমুক ইরমই "ময়োন ওইবা চাইনাগী লমদমদগী চি ইনশিংগী শাফুদগী খুন হোংলকপা <u>তাই নত্রগা লাইশিংনা</u> চাওরাক্লা খৃষ্টগী মমাং চনী-চহুমগী অদ্বাইদা য়ুনানগী লমদমদা <u>তাই-লাইশিংনা নান-চাও</u> লৈবাক শেমদুনা পানখি।" ব়াফম অসিনা তাকলিবদি য়ুনানদা নত্তনা চাইনাগী মফম অয়াম্বা তারিবা মীশিং অসি লাইনি নত্রগা তাই-লাইনি, কৌব্রুদগী হৌখিবা মীশিংনি হায়বনি।

Padmeswar Gogai গী লাইরিক The Tai and The Tai Kingdoms গী page 7 দা অমুক য়েংবিয়ু:

"It is remarkable that the Indonesians of Hai-nan call themselves Hiau in the centre and Dai in the Southern part and <u>Li and Lai</u> in the South Western and these groups are said to speak different dialects which may have sprung originally from the same Language".

মথক্কী Dr. P. Gogoi না মহাক্কী লাইরিক The Tai and the Tai Kingdoms দা হায়রিবসি এসিয়াগী মফম অয়াম্বাদা খুন্দারিবা হিয়াও, দাই, লি, লাই হায়বা মী কাংবুশিং অসি লাই হায়বা মী কাংবু অদু ঙাকতনি, লাই হায়বা মী কাংবু অদুবু মফম মফমগী মতুং ইন্না মিং তোঙানবনি হায়বসিনি। মরম অসিনা, পুয়াদা ইরিবা কৌব্রু চীংদোন্দা তারম্বা লাই নত্রগা লৈমা লাই হায়রিবা মী কাংবু অদুদগী শন্দোকখিবা মী কাংবুনি হায়বা খংই।

******

**অইবগী ফোংখ্রবা লাইরিকশিং:-**



অইবা

(1) মীতৈগী নোংকালোন (1980)
(2) কংলৈপাক শক্তম (1980)
(3) মীতৈ/মৈতৈ করম্বনা চুম্বগে? (1993)
য়েক শলাই করি করিনো?
(4) From the Pages of History:
THE MEETEI AND
THE BISHNUPRIYA (1999)
(5) A Historical Evidence that proves
the falsehood of the Present History, Literature,
etc. of Manipur (2000)
(6) A Short History of Kangleipak
(Manipur) Part - I (2005)
(7) ৱাকোকলোন হীলেল থীলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক
(পুয়া অসিগী ৱাফম খরগী ৱাহন্থোক পীবগা লোইনবা)
মনিপুরগী সরকারগী স্কুল অঙাংশিংদা তম্বীনবা পুথোক্লিবা
মীতৈ ময়েক্কী মতাংদা অহকপা য়ানীংদবা খরা। (2006)
(8) A Short History of Kangleipak
(Manipur) Part - II (2007)
(9) A Short History of Kangleipak
(Manipur) Part - III (2008)
(10) Kangleipak: The Cradle
of Man (2010)
(11) Discovery of Kangleipak
(Series - I) (2011)
(12) Kangleipak: The Cradle
of Man (II-Edition) (2012)
(13) মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক
(The Cultural Dictionary of
Meetei Words) অহানবা শরুক (2012)
(14) Discovery of Kangleipak (Series two) (2013)
(15) Wakoklol Heelel Thilel Salai Ama-ilon Pukok (in Sapa Mayek)(2013)
(16) মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক-অনিসুবা সরুক
(The Cultural Dictionary of Meitei words) (2013)
(17) Bamon Khunthoklon (in English) (2013)

*লাইরিকশিং অসি অইবগী য়ুমদগী ফংবিগনি।*

ফোন: 8974577213 e-mail: chingtamlen@gmail.com